# ইন ডি হায় কোর্ট ওফ্ মনিপুর
# ইম্ফাল
# ডব্লিউ পি (সি) নম্বর ৩১৬/২০২০

শ্রী য়েংখোম সুরচন্দ্র সিংহ, চহি ৬৮ রোম শুরবা, সন/ওফ (লৈখিদ্রবা) ৱাই য়াইফা সিংহ, লৈফম ককচিং তুরেল, ৱাংবা পী. ও. এন্দ পী এস ককচিং, ককচিং ডিস্ট্রিক, মনিপুর-৭৯৫০০৩

**. . . পিটিস্নর**

**ভর্সেস**

1. ড ওনরেবল স্পিকর, মনিপুর লেজিসলেতিভ এসেমব্লি, একটিং এস/প্রেসাইদিং ওফিসর ওইনা থৌপুরিবা ট্রাইবুনেল কন্সটিটুটেদ অন্দর টেন্ত সেদ্যুল টু দা কন্সটিট্যুসন ওফ ইন্দিয়া, এসেমব্লি কমপ্লেক্স, পী ও এন্দ পী এস ইম্ফাল, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিস্ট্রিক, মনিপুর-৭৯৫০০১.
2. ড সেক্রেটরি, মনিপুর লেজিসলেতিভ এসেমব্লি, এসেমব্লি কমপ্লেক্স, পী. ও. এন্দ পী এস ইম্ফাল, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিস্ট্রিক, মনিপুর-৭৯৫০০১
3. দি দি থাইসি, চহি ৫৮ রোম শুরে, সন/ওফ (লৈখিদ্রবা) ঐছ দিও, লৈফম পুরুল অতোংবা, পী.ও. মরাম এন্দ পি.এস. টদুবী, সেনাপতি দিস্ট্রিক, এম এল এ, কারোং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি, মনিপুর-৭৯৫০০৫

**....... রেস্পোন্দেন্তস**

**<u>বিফোর</u>**

**ওনরেবল মিস্টর জজতিস লানুসুকুম জমির**

**ওনরেবল মিস্টর জজতিস অহন্থেম বিলোম সিংহ**

| | | |
|---|---|---|
| পিটিস্নর উকিল | : | মিস্টর ঐছ. এস. পাওনম, সিনিয়র এদভোকেদ এন্দ মিস্টর এস গুনবন্ত মৈতৈ এদভোকেদ |

| | | |
|---|---|---|
| রেস্পোন্দেন্তকী উকিল | : | মিস্টর পি এস নরসিমহা, সিনিয়র এদভোকেদ, মিস্টর লেনিন হিজম এদিস্নেল এ জি, মনিপুর, মিস্টর এন ইবোতোম্বী, সিনিয়র এদভোকেদ, মিস্টর এ. রোমেল, এদভোকেদ |
| হিয়ারিংগী তারিখ | : | ০২-০৯-২০২০, ০৮-০৯-২০২০, ০৮-০৯-২০২০, ১৮-০৯-২০২০, ০২-১১-২০২০. ০৫-১১-২০২০. ১৪-১১-২০২০, ১৭-১১-২০২০, ০৮-১২-২০২০, ১০-১২-২০২০ এন্দ ১৪-১২-২০২০ |
| ওর্দরগী তারিখ | : | ০২-০৬-২০২১ |

**জজমেন্ত এন্দ ওর্দর**

**(কেভ)**

**(এ. বিলোম সিংহ, জে)**

1. মিস্টর এস. গুনবন্তা মৈতৈ এদভোকেদ না মতেং পাংশিন্দুনা পিটিস্নরগী লেপ্লিবা মিস্টর ঐছ. এস. পাওনম, লর্নেদ সিনিয়র এদভোকেদ না হায়বা তারে, মিস্টর লেনিন হিজম, লর্নেদ এদিস্নেল এদভোকেদ না মতেং পাংশিন্দুনা রেস্পোন্দেন্ত নম্বর ১ অমসুং নম্বর ২ গী লেপ্লিবা মিস্টর পী. এস. নরসিমহা সিনিয়র এদভোকেদ না হায়বা তারে, মিস্টর এ. রোমেল এদভোকেদ না মতেং পাংশিন্দুনা, রেস্পোন্দেন্ত নম্বর ৩ গী লেপ্লিবা মিস্টর এন. ইবোতোম্বী লর্নেদ সিনিয়র এদভোকেদ না হায়বসু তারে।
2. কন্সটিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াগী টেন্ত সেদ্যুলগী পেরা ২(১) (এ) লোইননা কন্সটিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াগী আর্টিকল ১৯১(২) গী মতুং ইন্না রিট পিটিস্নরবু তরামাথোই শুবা মনিপুরগী লেজিসলেতিভ এসেমব্লিগী টার্ম লোইদ্রিবা ফাওবা তাং ১৮-০৬-২০২০ দগী হৌরগা মনিপুর লেজিসলেতিভ এসেমব্লিগী মেম্বর ওইবদগী দিসক্কালিফাই তৌখিবা দিসক্কালিফিকেসন কেস নম্বর ১৪ ওফ ২০১৯ দা মনিপুর লেজিসলেতিভ এসেমব্লিগী স্পিকরনা তাং ১৮-০৬-২০২০ দা তাখিবা ওর্দরদু লোইন-লোসননা রিট পিটিস্নরবু তাং ১৮-০৬-২০২০ দগী

হৌরগা মনিপুর লেজিসলেতিভ এসেমব্লিগী মতুং ৩৭-ককচিং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অসি মীহুৎ লৈতবগী হাংলে হায়না মনিপুর লেজিসলেতিভ এসেমব্লিগী সেক্রেটরিনা তাং ১৮-০৬-২০২০ দা থোকখিবা বুলেটিন পার্ট-১১ নম্বর ৪৪ অদুবু শিংনরদুনা চথরিবা রিট পিটিসন অসি থারকখিবনি।

3. হৌজিক চথরিবা রিট পিটিসন অসি থারকহল্লকখিবা তেলপ্পা ফেকশিং অদু অসিনি; তাং ৪-৩-২০১৭ অমসুং তাং ৮-৩-২০১৭ তা মনিপুর লেজিসলেতিভ এসেমব্লি ইলেক্সন পাংথোকখি, মদুদা ইন্দিয়ান নেস্নেল কংগ্রেস (আই এন সি) গী ইলেক্সন সিম্বোলদা ইন্দিয়ান নেস্নেল কংগ্রেস (আই এন সি) না কেন্দিদেত অমা ওইনা স্পোন্সর তৌরগা রিট পিটিস্নরনা হায়রিবা ইলেক্সন অদু থেংনখি। হায়রিবা ইলেক্সন অদুগী ফল অদু তাং ১১-০৩-২০১৬ দা লাউথোকখি অমসুং ইন্দিয়ান নেস্নেল কংগ্রেস (আই এন সি) গী লেজিসলেচর অমা ওইনা ১১ শুবা মনিপুর লেজিসলেতিভ এসেমব্লিগী খল্লবা মেম্বর অমনি হায়না রিট পিটিস্নরবু লাওথোকখি। হায়রিবা ইলেক্সন অদুগী ফল তাং ১৪-০৩-২০১৭ তা মনিপুর গেজেট এক্সট্রা ওরর্দিনারি না নোটিস ওইনা থোকখি অমসুং মাগী পার্টিনা ইন্দিয়ান নেস্নেল কংগ্রেস (আই এন সি) নি হায়না তাকলদুনা খল্লবা মেম্বরশিংগী লিষ্টতা রিট পিটিস্নরগী মমিংদু সিরিএল নম্বর ৩৭ ককচিং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা য়াওরকখি। মদুগী মতুংদা তাং ১৯-০৩-২০১৭ দা প্রো-টেম স্পিকর না ইন্দিয়ান নেস্নেলকংগ্রেস (আই এন সি) দগী খল্লবা মেম্বর অমা ওইনা পিটিস্নরবু ১১ শুবা মনিপুর লেজিসলেতিভ এসেমব্লিগী মেম্বর অমা ওইনা ৱাশক লৌখি।

4. মদুগী মতুং তারকপদা রিট পিটিস্নরগী মায়োক্তা দিসক্কালিফিকেসন গী প্রোসিদিং শিং হৌবিনবা অমসুং কন্সটিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াগী আর্টিকল ১৯১ (২) অমসুং কন্সটিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াগী সেদ্যুল ১০গী পেরা ২ (১) (এ) গী মখাদা রিট পিটিস্নরবু দিসক্কালিফাইদ তৌরে হায়না লাউথোক্কুনা চান্নবা ওর্দর থোকপিনবা অমসুং ৩৭ ককচিং এসেমব্লি কন্সটিট্যুসনগী সিত অদু হাংলে হায়না মখা তানা লাউথোকপিনবা হায়জরদুনা দিসক্কালিফিকেসন কেস নম্বর ১৪ ওফ ২০১৯ রিট পিটিস্নরগী মায়োক্তা মনিপুর লেজিসলেতিভ এসেমব্লি, মনিপুর কী স্পিকরদা থারকখি।

5. মথক্তা পনখিবা দিসক্কালিফিকেসন কেস অদুদা য়ুম্ফম ওইখিবা গ্রাওন্দশিং অদুদি অসিনি; তাং ২৮-০৪-২০১৭ তা রিট পিটিস্নর লোসননা ইন্দিয়ান নেস্নেল কংগ্রেস (আই এন সি) গী এম এম অহুম মীং ওইনা পল্লবদা শ্রী এস. বিরা, শ্রী ও. লুখোই অমসুং শ্রী ঙমথং হাউকিপ না মখোয় মশানা য়ানা ইন্দিয়ান নেস্নেল কংগ্রেস (আই এন সি) গী মেম্বর ওইবা তোক্লগা বি জেপি না লুচিংবা কোলিসন গর্ভনমেন্ত অদু মপাঙগল হেন্না কনখৎনবগীদমক্তা রুলিং পার্টি হায়বদি ভারতিয়া জনাতা

পার্টি (বি জে পি) দা শপোর্ট তৌখি। অসুম্নসু হায় মদুদি রিট পিটিশ্নর লোইননা মথক্তা পনখ্রিবা আই এন সি গী এম এল এ অহুমবু ইকাই খুম্নবগী মশক ওইরিবা মনিপুরগী চীফ মিনিস্টর শ্রী এন. বিরেন না থৌবু ওইবা রিসেপ্সন সেরেমোনি অমা তাং ১৮-০৪-২০১৭ তা পাংথোক্লগা তরাম্না ওকখি অমসুং হায়রিবা রিসেপ্সন সেরেমোনি অদু লোকেল/নেস্নেলগী পাউ চেশিংদা অমসুং ইলেক্ট্রোনিক্ মেডিয়শিংদা য়াওখি অমসুং ফোংখি। মকা তানা অসুম্না হায় মদুদি রিট পিটিশ্নরনা তোঙান-তোঙানবা বি জে পি না নিবা রাজনিতিগী থবক থৌরমশিং অমসুং প্রোগ্রাম শিংদা বি জে পিগী ওইবা ফিজোলশিং শেত্তুনা য়াওখি অমসুং রিট পিটিশ্নরনা নেস্নেল গী পাউ-চেশিংদা অমসুং ইলেক্ট্রোনিক মেডিয়াশিংদা ফোংখি অমসুং রিট পিটিশ্নরগী অসিগুম্বা থবক থৌরমশিং অসি য়েংলগা, মসি চীংননিঙাই অমত্তা লৈত্রে মদুদি রিট পিটিশ্নরনা আই এন সি গী মেম্বর ওইবদগী মশানা য়ানা তোকচখিদুনা কন্সটিটুস্যনগী ১০শুবা সেদ্যুলগী পেরা ২ (১) (এ) গী মখাদা কন্সটিটুস্যনদা য়াওবা দল চোংথোক চোংশিনগী থবক অদু তৌখ্রে অমসুং মসিনা মরম ওইরগা রিট পিটিশ্নর অসি তরামাথোই শুবা মনিপুর লেজিসলেতিভ এসেমব্লিগী মেম্বর অমা ওইবদগী দিসক্কালিফাই তৌফম থোকপনি হায়বসিনি।

6. দিসক্কালিফিকেসন কেস নম্বর ১৪ ওফ ২০১৯ গী পিটিশ্নরনা তাং ০৭-০২-২০২০ দা এদিস্নেল এফিদেবিদ অমা থারকখি, মদুদা অতৈ অতোপ্পশিংগী মরক্তা অসুম্না হায় মদুদি রিট পিটিশ্নরনা মশামকপু বি জে পি, মনিপুর প্রদেস কী প্রাইমারি একতিব মেম্বর অমা ওইনা মীং চনশিনখ্রবনি অমসুং মেম্বরসিপ এপ্লিকেসন ফোর্ম অদুদা অসুম্না হায়খ্রে মদুদি মহাক অসি ২০১৭দগী বি জে পিগী মেম্বর অমা ওইরক্লি অমসুং মাগী মেম্বরসিপ নম্বর অদু ৬০৬১ নি। অসুম্নসু হায় মদুদি রিট পিটিশ্নর অসি সিতিং এম এল এ লোইনা হল্লক্লবগীদমক্তা তাং ১৫-০১-২০২০ গী মমাংদা মিনিস্টরশিংগী অচৌবা/ মপুং ফাবা রিসফল (হোংদোক-হোংজিন) তৌগদবনি হায়না তাল্লদুনা মনিপুরগী চীফ মিনিস্টরদা ইবা চিঠি অদুদা শহি তৌখিবশিং অদুগী মনুংদা অমনি। হায়রিবা এদিস্নেল এফিদেভিদ অদুদা এনেক্সর এ/৪ দগী এ/৯ হায়না থাবা দোকুমেন্ত ময়াম অমা হায়রিবা এদিস্নেল এফিদেভিদ লোইন-লোইননা দিসক্কালিফিকেসন পিটিসন অদুদা থমলকখিবা ৱাফমশিং অদুবু শৌগৎলদুনা হাপলকখি অমসুং অতৈ অতোপ্পা দিসক্কালিফিকেসন কেসশিংগা মরি লৈননা থারকখিবা/থমলকখিবা দোকুমেন্তশিং অদুদা মানা হায়রিবশিং অদুগী য়ুম্ফম ওইবা য়াহনবিনবসু অয়াবা পীবিনবা হায়জরকখি।

7. মতাং অসিদা মসিসু পনবা মরম চাই মদুদি পুল্লপনা দিসক্কালিফিকেসন কেস ১৫ (তরামঙা) মমিং পল্লবদা দিসক্কালিফিকেসন কেস নম্বর ১ দগী ১৫, ২০১৯ গী কেসশিং অসি রিট পিটিসন

অসিগী পিটিস্নর য়াওনা এস এল এ ৭ কী মায়োক্তা থারকখিবনি। হায়রিবা দিসক্কালিফিকেসন কেসশিং অসিদা রেস্পোন্দেন্ত ওইরিবা রিট পিটিস্নর লোসননা এম এল এ ৬ না মথক্তা পনখ্রিবা দিসক্কালিফিকেসন পিটিসন ১৫ অসিগী চৎনবা য়াবা য়াদবা হায়বগী মতাংদা প্রিলিমিনরি ওবজেক্সনশিং থাঙ্গৎলদুনা মিস এপ্লিকেসন ১৫ থারকখি। হায়রিবা মিস এপ্লিকেসন ১৫ অদু পুল্লপনা তাখি অমসুং মনিপুর লেজিসলেতিব এসেমব্লিগী স্পিকরনা খন্নরগা দিসক্কালিফিকেসন কেস নম্বর ১ দগী ১৫, ২০১৯ গী কেসশিংদা তাং ৬-৬-২০২০ দা কমন ওর্দর অমা তারগা হায়রিবা মিস এপ্লিকেসন ১৫ অদু দিসমিস (ককথৎপা) তৌখি।

8. মথক্তা পনখ্রিবা মিস এপ্লিকেসনশিং অসি দিসমিস (ককথৎলবা) তৌরবা মতুং রিট পিটিস্নরনা তাং ১২-০৬-২০২০দদা রিতন ষ্টেটমেন্ত অমা থাখি।

রিট পিটিসন অসিগী পিটিস্নরনা থারকপা রিটন ষ্টেটমেন্ত অদু ফংলবা মতুং দিসক্কালিফিকেসন কেস অদুগী পিটিস্নরনসু হায়রিবা রিতন ষ্টেটমেন্ত অদুগী পাউখুম অমা তারকখি, মদুনা অতৈ অতোপ্পশিংগী মরক্তা অসুন্না থম্বী মদুদি রিট পিটিস্নর য়াওনা কংগ্রেস এম এল এ ৪(মরি) না দল হোংদোক হোংজিন তৌবগী পাউ অদু ইন্দিয়া শিনবা থুংনা পাক শন্না ফোংনখি অমসুং মদুবু শৌগৎলদুনা লমাই ২৭ শুবা তোঙান-তোঙানবা পাউ-চেশিংগী জেরোক্স কোপি হায়রিবা রিপ্লাই এফিদেবিত অদুদা এনেক্সর ১ ওইনা হাপলকখি।

9. তাং ৬-৬-২০২০ দা স্পিকরনা তাবা ওর্দর অমনা রিট পিটিস্নরগী মায়োক্তা চথবা দিসক্কালিফিকেসন কেস অদু মখা তাবা প্রোসিদিংগীদমক্তা তাং ১৭-৬-২০২০ দা লেপখি। অদুম ওইনমক স্পিকরগী দাইরেক্সন মতুং ইন্না স্পিকর মশা ঙমদ্রে হায়বা মরমগী হায়রিবা দিসক্কালিফিকেসন কেস অদু তাং ২২-০৬-২০২০ দা নৌনা মতম লেপখি। মদুগী মতুং তারকপদা তাং ১৭-৬-২০২০ দা মেতর অদুগী য়ান্না অথুবা দরকার লৈবদু য়েংলগা অমসুং স্পিকরগী হকচাংগী ফীভম ফগৎলকপদুসু য়েংলগা কেস তু থুনা লোইশিন্নবগীদমক্তা হায়রিবা দিসক্কালিফিকেসন কেস অদু তাং ১৮-০৬-২০২০ দা মতম নৌনা লেপখি, মতুং তারকপদা তাং ১৮-০৬-২০২০ দা রিট পিটিস্নরগী মায়োক্তা থারকপা দিসক্কালিফিকেসন কেস অদু নাকল নামত্তগী ওইনা চথখি অমসুং মথক্তা পনখ্রিবা দিসক্কালিফিকেসন কেস অদুদা তাং ১৮-০৬-২০২০ দা তাখিবা ওর্দর অমনা মদুবু লোইশিনবগী ওর্দর তাখি (দিস্পোজ তৌবা), মদুনা অসুন্না থমখি মদুদি কন্সটিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াগী ১০ শুবা সেদ্যুলগী পেরা ২(১) (এ) লোইননা কন্সটিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াগী আর্টিকল ১৯১ (২) গী মতুং ইন্না মনিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মেম্বর অমা ওইবদগী রিট পিটিস্নরবু তোকহনখি (দিসক্কালিফাই তৌখি) অমসুং মখা তানা অসুন্না থমখি মদুদি রিট পিটিস্নরসি তাং ১৮-০৬-

২০২০দগী হৌরগা মনিপুরগী ১১ শুবা লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী র্তাম লোইদ্রিবফাওবা মনিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মেম্বর ওইদ্রে।

দিসক্বালিফিকেসন কেস অদুদা স্পিকরনা তাং ১৮-০৬-২০২০ দা তাখিবা ওর্দর অদুগী মতুং ইন্না রিট পিটিস্নর অসি তাং ১৮-০৬-২০২০ দা মনিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মেম্বর ওইবদগী দিসক্বালিফাই (তোকহনবা) তৌরে অমসুং মাবু দিসক্বালিফাই তৌবগী মতুং ইন্না ৩৭-ককচিং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অসি হাংলে হায়না নোটিস থোক্লদুনা মনিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী সেক্রেটরিনা মনিপুর গেজেট এক্সট্রা ওর্দিনারি দা ফোংখিবা তাং ২৮-০৬-২০২০ দা বুলেটিন পার্ট II নম্বর ৪৪ ওইবদু জারিখি। মদুদা পেনদ্রদুনা দিসক্বালিফিকেসন কেস নম্বর ১৪ ওফ ২০১৯ দা মনিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকরনা তাং ১৮-০৫-২০২০ দা তাখিবা ওর্দর লোইনা-লোইননা হান্ননা পনথ্রবা তাং ১৮-০৬-২০২০ দা থোকপা বুলেটিন নম্বর ৪৪ দুবু শিংনরদুনা রিট পিটিস্নরনা চথরিবা রিট পিটিসন অসি থারকখিবনি।

10. মিস্টর এস গুনবন্ত মৈতৈ এদভোকেড না মতেং পাংশিন্দুনা রিট পিটিস্নরগী লেপ্লিবা মিস্টর ঐছ এস পাওনম সিনিয়র এদভোকেড না অসুম্না থল্লে মদুদি রিট পিটিস্নরবু দিসক্বালিফাই তৌবিখিবা স্পিকরনা তাখিবা ওর্দর অদুবু মখাদা পিরিবা গ্রাওন্দ শিং অসিদা শিংনরিবনি।

(i) ইকাই খুম্নবগী মাক ওইরিবা স্পিকরনা তাং ১৮-০৬-২০২০ দা প্রিন্সিপল ওফ নেচরেল জজতিসপু শুক ইন ইন্দিয়ানা ওর্দর অদু তাখিবনি;

(ii) শিংনরিবা ওর্দর অদু তাবা মতমদা স্পিকর অসি লান্না মরম চাদনা তৌনিংবগী ৱাখল্লোন মাইপুনখি;

(iii) ইকাই খুম্নবগী মশক ওইরিবা স্পিকরনা কন্সটিট্যুসনগী চৎন-কাংলোন অদু থুগাইরে।

11. শিংনরিবা দিসক্বালিফিকেসনগী ওর্দর অদু তাবা মতমদা স্পিকরনা "প্রিন্সিপল ওফ নেচরেল" গী মহুৎ শিন্না থাঙ্গৎলক্লিবা অহানবা গ্রাওন্দ অদুগা মরি লৈননা পিটিস্নরগী লেপ্লিবা লর্নেদ সিনিয়র কাওন্সিলনা অসুম্না থল্লে মদুদি দিসক্বালিফিকেসন গী পিটিশনশিং অদু গী চৎনবা য়াবা য়াদবা মতাংদা থারকখিবা মিসিলিনস এপ্লিকেসনশিং দিজপোস তৌরবা মতুংদা স্পিকরনা তাং ১৬-০৬-২০২০দা তাবা ওর্দর অমগী মতুং ইন্না রিট পিটিস্নরগী মায়োক্তা থারকপা দিসক্বালিফিকেসন কেস অদু মখা তাবা প্রোসিদিং চথবা তাং ১৭-০৬-২০২০ দা লেপখি। মতুং তারকপদা স্পিকরগী দাইরেক্সন মতুং ইন্না স্পিকর মশা ঙমদে হায়বা গ্রাওন্দা হায়রিবা দিসক্বালিফিকেসন কেস অদু তাং ২২-০৬-২০২০ দা অমুক নৌনা মতম লেপখি। অদুম ওইনবক ইখঙ খংহৌদনা য়াম্না হেনজিন্না থুবা মওংদা অমসুং তাং ১৯-০৬-২০২০ দা পাংথোক্লবা লেপ্পা রাজ্যা সভা ইলেক্সনগী হেক মাংওইননা স্পিকরনা লোন্না

অহিংগী মতমদা দিসক্কালিফিকেসন কেসশিংগী হিয়ারিং অদু তাং ২২-০৬-২০২০ দগী তাং ১৮-০৬-২০২০ দা ঙনখৎহনখি। লর্নেদ সিনিয়র কাওন্সিলনা মখা তানা অদুম্না থমখি, মদুদি তাং ১৭-০৬-২০২০ দা থোকখিবা কোজ লিস্টশিং অদু অহিং নোংয়াইগী মতমদা লোন্না ফোংখিবনি, অদুম ওইনমক মথক্তা পনখ্রিবা তাং ১৭-০৬-২০২০ দা থোকখিবা নোটিস অমসুং তাং ১৮-০৬-২০২০ দা থোকখিবা কোজলিস্টশিং অদু রিট পিটিস্নরদা নত্রগা রিট পিটিস্নরগী কাওন্সিলদা কৈদৌঙৈদসু ফংহল্লকখিবা লৈখিদে।

12. লর্নেদ সিনিয়র কাওন্সিলনা অসুন্না থম্মী মদুদি ময়ামগী চৎনবীদা স্পিকরগী ট্রাইব্যুনেলনা দিসক্কালিফিকেসন কেসশিংগী প্রোসিদিংশিং পাইখত্রিঙৈদা মমাংদা দিসক্কালিফিকেসন কেসশিংগা মরি লৈননা নোটিস অমসুং কোজ লিস্ট ফোংলগা মনিপুর লেজিসলেতিভ এসেমব্লি সেক্রেটরিএত কী স্পিসিএল মেসেজ্জরশিংগী খুত্থাংদা পার্টিশিংগী লেপ্লিবা কাওন্সিলশিংদা ফংহল্লম্বনি অমসুং মখা তানা হায় মদুদি কোভিদ-১৯ পেন্দমিক মনুংদসু প্রিন্সিপল ওফ নেচরেল জজটিস ঙাক্না মরি লৈনবা খুদিংদা খুদোং চাবা পীদুনা নোটিস অমসুং কোজলিস্ট ফোংলগা পার্টিশিংগী কাওন্সিলদা ফংহল্লম্বনি। অদুম ওইনমক হায়রিবা দিসক্কালিফিকেসন কেসতুগী অরোইবা হিয়ারিংগী অমসুং শিংনরিবা দিসক্কালিফিকেসনগী ওর্দর অদু তাবা মতমদা তাং ২১-০৬-২০২০ দগী তাং ১৮-০৬-২০২০ দা দিসক্কালিফিকেসন কেসশিং অদুগী হিয়ারিংগী নুমিত্তু ঙনখৎহনখিবা তাং ১৭-০৬-২০২০ দা থোকখিবা নোটিস অদু অমসুং তাং ১৮-০৬-২০২০ দা থোকখিবা কোজলিস্টতু তাং ১৭-০৬-২০২০ গী অহিং নোংয়াইদা লোন্না ফোংখিবনি/থোকখিবনি অমসুং হায়রিবা নোটিস অমদি কোজ লিস্টতুগী কোপিদু রিট পিটিস্নরদা নত্রগা মাগী কাওন্সিলদা কৈদৌঙৈদসু ফংহনখিদে।

13. চথখিবা দিসক্কালিফিকেসন কেসতুগী নোটিস অমসুং কোলিস্টতু ৱাটচ এপকী খুত্থাংদা পিটিস্নরগী কাওন্সিলদা ফংহনখি হায়না রেস্পোন্দেন্ত নম্বর ১ অমসুং ২ গী মহুৎশিন্না থন্নখিবা ৱাফম অদু শিংনরদুনা লর্নেদ সিনিয়র কাওন্সিলনা অসুন্না য়াম্না কন্না অসুন্না থমলকখি মদুদি কোভিদ-১৯ পেন্দমিক মনুংদা লৌখৎপা অতোপ্পা প্রোসিদিংশিংগীদি নোটিসতু মনিপুর লেজিসলেতিভ এসেমব্লি সেক্রেটরিএতকী স্পিসিএল মেসেজ্জরগী খুত্থাংদা ফজনা ফংহল্লম্বনি অমসুং মসি শেংনা উরে মদুদি দিসক্কালিফিকেসন কেসশিংদুগী মতম ঙনখৎহনখিবা নোটিসতু রিট পিটিস্নরগী মায়োক্তা এক্সন লৌবা য়ানবগীদমক্তা থওইনা পার্টিশিংদা নত্রগা মখোয়গী কাওন্সিলদা ফংহনখিদবনি, মদুনা ফজনা ট্রাইএল চৎথবা অমসুং জজতিস ফংহন্নবগী খুদোং চাবদু স্পিকরনা মাগী রাজনিতিগী খুদোং চাবা ফংহনবগীদমক্তা খঙন-খঙন উবিখিদ্রে।

14. মানা হায়রিবশিং অদু শৌগৎলদুনা মিস্টর ঐছ এস পাওনম লর্নেদ কান্সিল না মখাগী জজমেন্তশিং অসি পল্লকখি

(i) **“এ কে ক্রাইপাক এন্দ অর্দস ভর্সেস য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া এন্দ অর্দস” (১৯৬৯) ২ এস সি সি ২৬২** দা রিপোর্ট তৌরকখিবা, মদুদা ইকাই খুম্নবগী মশক ওইরিবা সুপ্রিম কোর্টনা পেরা ২০দা মখাগী অসুম্না থমখি:-

“২০. নেচরেল জজটিস কী রুলশিংগী পান্দমদি জজটিস ফংহনবনি নত্রগা ওন্নবা হায়রগনা জজটিস নাথৈহনবা থিংহনবনি। মসিগী রুলশিং অসি নিয়ম চুম্না শেম্বা আইন অমত্তনা কোনশিন্দবা ৱাফমশিং খক্তদা চৎনবা য়াই। অতোপ্পা ৱাহৈদা হায়রগদি মখোয়না লো ওফ দা লেন্দ অদু মহুৎশিন্দে অদুবু মতেং পাংশিল্লি। নেচরেল জজটিসকী কন্সেপ অসি হৌখিবা চহি খরা অসিদা য়াম্না চাওনা অহোংবা লৈরে। মমাংদদি অসুম্না খন্নরকই মদুদি মসি রুল অনিখক্তং য়াওই মমিং ওইনা পল্লবদা (১) মী অমত্তনা মাগী মশাগী কেসতা জজ (বিচারপতি) ওইরোইদবনি (নেমোদেবেটেস জুদেক্স প্রি প্রিয়া কোসা) অমসুং (২) মানা হায়বদু তানবগী খুদোং চাবদু পীদনা পার্টি অমত্তগী মায়োক্তা দিসিজন অমত্তা লৌরোইদৌবনি (ঔদি অলটেরাম পার্টেম) মদুগী মতুং য়াম্না থুনা অহুমসুবা রুল অমসু থোক্লকখি অমদুং মদুদি অসিনি মদুদি ক্কাজাই-জুদিসিএল ইনক্কারিশিং অসি চুম্না লৌথুপ-লৌকোই লৈতনা মীচং মীখাই নাইদনা অমসুং অরান অহুই লৈতনা নত্রগা মরম চাদবা ওইদবনা পাংথোক্কদবনি। অদুবু চহিনা অদুম হৌজিল্লকপগী মতুং ইন্না মখা তাবা রুল ময়াম অমা নেচরেল জজটিসগী রুলশিংদা হাপচিল্লকখ্রে। ইকুই কুইদ্রিঙৈগী মতম ফাওবদা কোর্টশিংগী মোত অসি ওইরমই মদুদি মরি লৈনবা ওথোরিটিদু মদুদা মানা জজ ওইনা মথৌ তৌহল্লিবা আইন অদুনা মথৌ তাহন্দ্রগদি নেচরেল জজটিসকী রুলশিং পানশিনবগী (চৎনহনবা) গী মফম লৈরমদে। মদুগী লিমিতেসন অদুগী চৎনবা য়াবা য়াদবা অদু হৌজিক্তী ৱাহং হংবা হৌরে। নেচরেল জজটিসকী রুলশিংগী মথৌসি জজটিস নাথৈহনবা থীংবা ওইবদগী এদমিনিস্ট্রেতিভ ইনক্কারি শিংদসু উবা ঙমদে। য়াম্না তৌইনা এদমিনিস্ট্রেতিভ ইনক্কারিশিংবু ক্কাজাই-জুদিসিএল ইনক্কারিশিংদগী তোঙানহল্লিবা চৈখৈ অদু চিংবসি লাইনা থোক্তে। মতম অমদা এদমিনিস্ট্রেতিভ ওই হায়না খন্নরম্বা। অচুম্বা দিসিজন (ৱারেপ) অমদা লাকপা অসি ক্কাজাই জুদিসিএল

ইনক্কারিশিং লোইনা-লোইননা এদমিটিস্ট্রেতিভ ইনক্কারিশিংগী অনিমক্কী পান্দমনি। এদমিনিস্ট্রেতিভ ইনক্কারি অমদা লৌখিবা চুমদবা ৱারেপ অমনা ক্কাজাই জুদিসিএল ইনক্কারি অমদা লৌখিবা ৱারেপ অমদগী য়াম্না হেন্না অশোইবা লাকপা য়াবগী মরম ওইবা য়াই। মসিগী কোর্ট অসিনা সুরেশবোসি জজ র্ভসেস দা উনিভরসিতি ওফ কেরলা এন্দ অর্দস দা থমখিবদা নেচরেল জজটিসকী রুলিংশিং অসি আসনদা ইরগা লৈরবা রুলশিংদি নত্তে। নেচরেল জজটিসকী করম্বা অকক্লবা রুল অমা অপিবা কেস অমদা চনিগনি হায়বসি মপুং ওইনা কেস অদুগী ফেক্স অমসুং সরক্মস্টেন্সেসশিং, ইনক্কারিদুবু পাংথোকলিবা আইনদুগী ফ্রেম ৱার্ক অমসুং ট্রাইব্যুনেলদুবু শেমলিবা নত্রগা মীওই কাংলুপ অমা হাপ্পদুগী মরমদুগী মখা পোনগনি। নেচরেল জজটিসকী প্রিন্সিপল খরা ইনবিখিদ্রে হায়না কোর্ট অমদা কমপ্লেন অমা হেক লাকপা মতমদা কেস অদুগী ফেক্সশিংদুদা অচুম্বা ৱারেপ অমা লৌন্নবগীদমক্তা মদুগী রুল অদু ইনবা মথৌ তাব্রা হায়বদু কোর্ট অদুনা লেপকদৌবনি।

(ii) **বালচন্দ্রাল জারকিহোলি** এন্দ অর্দস ভর্সেস **বি এস য়েদিয়ুরপ্পা** এন্দ অর্দস (২০১১) ৭ এস সি সি ১ দা রিপোর্ট তৌরকখিবা, মদুদা ইকাই খুম্নবগী মশক ওইরবা সুপ্রিম কোর্টনা মেরা ১৪৬ দগী ১৪৮ অমসুং ১৫৪-১৫৭ তা মখাগী অসুম্না থম্বী:

"১৪৬. মসিগা মরি লৈননা অপিলেন্তশিংদা **শ্রী কে. এস. ঈশ্বরপ্পা শ্রী এম. পি. রেনুকার্চায়** অমসুং **শ্রী নরসিমহা নায়ক** না থমলকখিবা এফিদেভিদশিং অদুগীদা য়াওরিবা মচাকশিংদু ফজনা খঙনবগী মতিক চাবা খুদোং চাবা পীবীদবতা নত্তনা তাং ১০-১০-২০১০ দা শো-কোজ নোটিস অদুগী পাউখুম পীননবা পীবা মতমদু ৫.০০ পী এম দগী ৩.০০ পী এম দা ঙনখৎহনখি মদুনা আপিলেন্তশিংনা শো-কোজ নোটিসশিংদুগী আর্থ লৈবা মপুং পাবা পাউখুম পীবদু অমুক হেন্না লুহনখি হায়বনচিংবা ফেক অদুদগী স্পিকরনা মীচং চংবগী থৌদোক্কী মখা তাবা থৌওংদু খঙহনগনি। মখোয়গী লর্নেদ এদভোকেড নত্তবশিংনা ফাওবনা ঙমদবা আপিলেন্তশিং মশা খক্না পাউখুম পীবা ঙমগদৌবা **শ্রী কে. এস. ঈশ্বরপ্পা, শ্রী এম. পি রেনুপার্চায়া** অমসুং **শ্রী নরসিমহা নায়েক্না** থারকখিবা এফিদেভিড অহুমদুদা তোঙান-তোঙানবা মরাল ময়াম অমা শি হায়বদু য়েংবা মতমদা আপিলেন্তশিংনা শো-কোজ নোটিসশিং অদুগী অকুপ্পা ৱারোল য়াওরবা পাউখুমশিং থাজিল্লকখ্রে হায়বা স্পিকরনা পীবা পাউখুম অদু মীচং মীখাই নাইদনা ফজনা তৌব্রা হায়বগী চাংয়েংদুদা মাই পাক্তে।

“১৪৭. স্পিকরনা লৌখৎখিবা চৎন-কাংলোনগী মীয়াম মীতিন্দুনা অসুন্না তাকপা মাল্লি মদুদি এসেমব্লিদা পাঙ্গল চাংয়েংনবগীদমক্তা গভনরনা থমখিবা মতমদু নঙনবা অমসুং ফ্লোর টেষ্ট পাংথোক্কদৌবা নুমিত্তুগী মাংওইননা আপিলেন্তশিং অমসুং অতোপ্পা ইন্দিপেন্দেন্ত এম. এল. এশিং দিসক্কালিফাই তৌনবা মানা হোনৈ। তাং ১০-০৬-২০২০ গী পুয ৫.০০ পি এম ফাওবদা হিয়ারিং অদু লোইশিল্লগা স্পিকরনা য়াম্না কুপ্না ইরবা ওর্দর অমা তাখি মদুদা মখোয়বু দিসক্কালিফাই তৌখিবা কন্সটিট্যুসনগী ১০শুবা সেদ্যুলগী পেরা ২ (১) (এ) গী প্রোভিজনশিং পালহনখিবা মখোয়গী থৌওং থৌদৌশিং অদুনা আপিলেন্তশিংনা ভারতিয়া জনাতা পার্টিগী মেম্বর ওইবদগী মশানা য়ানা তোকচরে হায়না হায়রদুনা ইন্দিয়াগী কোর্টশিং অমসুং ফোরেনগী কোর্টশিংগী তোঙান-তোঙানবা জজমেন্তশিং অমসুং তোঙান-তোঙানবা ওথোরিতিশিংদগী প্রিন্সিপল ওফ লোশিংসু পনখি। ভোত ওফ কনফিদেন্স অদু তাং ১১-১০-২০২০ দা চথুখি মদুদা দিসক্কালিফাই তৌখ্রবা মেম্বরশিং য়াওবা য়াখিদে অমসুং মখোয় য়াওদনা বি. এস. য়দিয়ুরপ্পানা হাওসতা মাগী মেজোরিতি উৎপা ঙমখি।

“১৪৮. মদুনা ট্রষ্ট ভোত অদু চীফ মিনিষ্টরগী মায়োক্তা চৎননবা হোৎনবা ওইদ্রবদি দিসক্কালিফিকেসন এপ্লিকেসন অদু স্পিকরনা অসুক্কী মতিক থুনা লৌখৎখিবগী অতোপ্পা খন্নবা য়াবা মরম লৈতে। দোক্তর মহাচন্দ্র প্রসাদ সিংহগী কেস অমসুং রবি এস নাত্রক কী কেসতা দিসক্কালিফিকেসন রুলশিং অসি দাইরেক্তরী খক্তং ওই অমসুং মেন্দেতরিওইদে অমসুং মদু ইন্দবনা থবক থৌরম চথবগী অশোইবা অরানবা অদু খক্তং ওই মদুনা কন্সটিট্যুসনগী মেন্দেত ইন্দবদি ওইদে হায়না কোর্ট অসিনা হায়খ্রবসু রবি এস নাত্রক্কী কেসতা অসুন্নসু থমখ্রে মদুদি অসিগুম্বা অশোইবা অরানবা অসি মদুনা শোকহল্লবা ওথোরিটি অমত্তদা মাগী মাংজবগীদমক্তা ওইহল্লোইদবনি। হৌজিক্কী চথরিবা কেস অসিদা আপিলেন্তশিংগীদমক্তদি শিব চংবগী ৱাফম্নি। অসিগুম্বা ফিভমশিং অসিদা শ্রী য়দিয়ুরপ্পানা দিসক্কালিফিকেসন এপ্লিকেসদুগা লোইননা থাজিল্লকই হায়বা নিউজপেপর কতিং শিং অদুখক নত্তনা আপিলেন্তশিংগী মায়োক্তা ইভিদেন্স অমত্তা লৈতবা মতমদা মখোয়গী মায়োক্তা শিরিবা মরালশিং অদু থেংনজনবগী অফবা খুদোং চাবা অমদি মখোয় ফংফম থোকখিবনি।

“১৫৪. লৈরিবা ৱাফমদুগী তোঙান তোঙানবা ফিভমশিং লোইনমক খন্নরগা অমসুং থাঙ্গৎলকপা তোঙান-তোঙানবা ৱাহংশিং কুপ্না য়েংশিল্লগা ঐখোয় অসুন্না হায়বা তারে মদুদি শ্রী বি এস য়দিয়ুরপ্পানা থারকপা দিসক্কালিফিকেসনগী এপ্লিকেসন অদুদা স্পিকরনা লৌখৎখিবা প্রোসিদিংশিং অদু নেচরেল জজটিস অমসুং ফ্যের প্লেশিং অসিগী ওইবা চাংয়েং

অনিদু বাই পাক্লে। ঐখোয়গী মীৎয়েংদদি কন্সটিট্যুসনগী ১০শুবা সেদ্যুলদা য়াওরিবা কন্সটিট্যুসনগী র্নোমশিং অমসুং দিসক্কালিফিকেসন রুল্স ১৯৮৬ মহাক্না নাথৈব্রা হায়বদু তোঙান্না থমখ্রবা স্পিকরনা ৱাফম অদুদা গোভরনরগা থমখিবা দেতলাইন অদু নঙদনা য়াদবদৌনা অমসুং ফ্যের হিয়ারিং অমগী কনসেনকা লেংদনা চৎমিন্নবা বেসিক প্রিন্সিপলশিং কাইনা থবক থৌরমদু চথবনি।

"১৫৫. ঐখোয়না মমাংদা হায়খিবদা দিসক্কালিফিকেসন রুলশিং অসি দারেক্তরি খক্তং ওইজরগসু মখোয়দা শিরিবা মরালশিং অদু থেংনজনবা আপিলেন্তশিংদা মতিক চাবা খুদোং চাবদু ফংহল্লভগদবনি। ট্রস্ট ভোত পাংথোক্লবগীদমক্তা গভরনরনা থমখিবা মতম অদুগী মনুংদা শো কোজ নোটিসশিং হৌহনখি হায়বসিনা শ্রী য়দিয়ুরপ্পানা মাগী এপ্লিকেসনগা লোসননা ফাজিল্লকখিবা দোকুমেন্তশিং য়াওদ্রবসু আপিলেন্তকী ওফিসিএল রেসিদেন্তা নপশিল্লগা শো কোজ নোটিসশিং অদু ফংহনখি হায়বা তাকপা য়াই, অদুবু শ্রী কে এস ঈশ্বরপ্পা, শ্রী এম পি রেনুকার্চায় অমসুং শ্রী নরশিংহ নাইকনা থমলকখিবা এফিদেভিতশিং অদু আপিলেন্তশিংগী লেপ্লিবা লর্নেদ এদভোকেতশিংদা হিয়ারিংগী তারিখ অদুমক্তদা মদুসু হিয়ারিং হৌরমদাইগী হেক মমাংদা করম্না ফংহনখি হায়বদু শন্দোক্না তাকপদা য়াম্না লুই। তোঙান-তোঙানবা মরি লৈনদবা ৱাফম ময়াম অমা স্পিকরগী ওর্দর অদুদা য়াওই অমসুং মদু চৎনহন্দবা তাই।

"১৫৬. মরি খরা লৈননা দোল চোংথোক চোংশিন তৌবগী তৌহৈদবা থৌদৌ অমসুং লেজিসলেচর অমনা মাগী লেজিসলেচর ওইরিঙৈগী মতমদা ফ্লোর ক্রোশিং তৌবদু থিংননবা সেকেন্দ ৫০ এমেন্দমেন্ত এক্ট ১৯৫৮ না কন্সটিট্যুসন্দা হাপচিল্লকখিবা ১০শুবা সেদ্যুলগী পেরা ৫ তা অসুম্না তাক্লে, মদুদি হায়রিবা সেদ্যুল অদুদা য়াওরিবশিংদু য়াওজবা তারগসু লোক সভাগী স্পিকর নত্রগনা দিপুটি স্পিকর নত্রগা রাজ্যা সভাগী দিপুটি চেয়রমেন নত্রগা ষ্টেট অমগী লেজিসলেতিভ কাওন্সিলগী চেয়রমেন নত্রগা দিপুটি চেয়রমেন নত্রগা ষ্টেট অমগী লেজিসলেতিব এসেমব্লিগী স্পিকর নত্রগা দিপুটি স্পিকরগী ওফিস পাইনবা খল্লবা মীওই অমবু মহাক্না অসিগুম্বা ওফিস পাইনবা খনবগী মরম্না অসিগুম্বা ইলেক্সন অদুগী হেক মমাংদা মানা য়াওরম্বা রাজনিতি দলগী মেম্বর ওইবদু মশানা য়ানা তোকচরবা অমসুং মদুগী মতুংদা মানা ওফিসতু মখা তানা পাইরিবা মখৈ রাজনিতি দল অদু অমুক হন্না য়াওদবা নত্রগা অতোপ্পা রাজনিতি দল অমগী মেম্বর ওইদ্রবদি মহাকপু সেদ্যুল অসিগী মখাদা মহাকপু দিসক্কালিফাই তৌরোইদবনি। হায়রিবা পেরা অসিগী পান্দমদি স্পিকরনা মানা ওফিস

পাইরিঙৈদা মাবু হাওসতুদা মিহুৎ ওইনা খল্লকখিবা দল অদু য়াওনা দল অমত্তদা মীচং ওইবা লৈতনা মপুং ফানা মীচং মীখাই নাইদনা মথৌ তৌহনবনি।"

"১৫৭. আপিলশিং অসি মরম অদুনা য়ারে। কন্সটিট্যুসনগী ১০শুবা সেদ্যুলগী পেরা ২ (১) (এ) গী মখাদা হাওসকী মেম্বর ওইবদগী আপিলেন্তশিংবু দিসক্কালিফাই তৌখিবা তাং ১০-১০-২০২০ দা স্পিকরনা তাখিবা ওর্দর অদু রিট পিটিসন্স (সিবিল) নম্বরস ৩২৬৬০-৭০ ওফ ২০১০, দা পীখিবা মেজোরিতি জজমেন্ত অমসুং শ্রী বি এস য়দি য়ুরপ্পানা থারকখিবা দিসক্কালিফিকেসন এপ্লিকেসন নম্বর ১ ওফ ২০১০ দা স্পিকরনা পিখিবা ৱারেপতুবু শৌগৎলদুনা ইকাই খুম্নবগী মশক ওইরিবা চীফ জজটিসনা ফোংদোংখিবা মোতশিংনা চান্ননা জজটিস এন কুমারনা তাখিবা জজমেন্তশিংদুগা লোইননা চৎনহন্দ্রে। মসিগী মতুং ইন্না শ্রী বী এস য়দি য়ুরপ্পানা থারকখিবা দিসক্কালিফিকেসন এপ্লিকেসন অদু ককথৎলে।

(iii) "দেফোদিল্স ফারমাক্যুতিকেল লিমিতেদ এন্দ অনাদর ভর্সেস ষ্টেট ওফ উ পি এন্দ অনাদর (২০১৯) এস সি সি ওন লাইন এস সি ১৬০৭ দা রিপোর্ট তৌরকখিবা, মদুদা এপেক্স কোর্টনা পেরা ১৭ তা মখাগী অসুম্না থম্মী:-

১৭. হৌজিক্কী চথরিবা কেস অসিদা লোইশিন্দ্রবা ক্রিমিনেল কেস অদুদা এক্যুজ ওইরিবা সুরেন্দর চৌধরি অসি চেন্নে অমসুং তৌহৈদবা থবক থৌরমশিং তৌই হায়না খল্লবা ফাওবদা মদুমক্কা মখোয়না হায়বদু তাবিনবগী খুদোং চাবা অমত্তসু নত্রগা শিংনরিবা ওর্দর অদুগী মায়োক্তা ৱাফম হায়জনবগী খুদোং চাবা অমত্তসু পীবিখিদবনা দেফোদিল্সগী মায়োক্তা ষ্টেটনা লৌখৎলিবা নাকল নামতগী ওইবা থৌওংদু চথুবা য়াহনফম থোকখিদবনি। লৈবাক অসিদা ৱায়েল বিচারগী পনখৈদা মতম চুপ্পগী ঙান্দুনা লৈবা খোংজোম নুবী থৱানমীচাক্ অমা লৈরবদি মদুদি অসিনি; মানা হায়বদু তাবীবগী খুদোং চাবা খরদা ওইরবসু পীবিদনা অমসুং হান্ননা মদুগী মতাংদা খঙহন্দনা মী অমদা মাগী মায়োক্তা মঙোন্দা শোকহনগদৌবা ওর্দর থোকপা য়াদে। মসিগী প্রিন্সিপল অসি লৈবাক অসিগী আইন কানুনগী থানবা য়াদ্রবা লিচত্তা য়াম্না ফজনা চঙশিন্দুনা য়াওখিবনা ষ্টেটনা তৌখিবগুম কেস অসিদসু মীরাইবা য়াদ্রে।"

15. ইকাই খুম্নবগী মশক ওইরিবা স্রপ্রীম কোর্টনা তাখিবা মথক্তা পনখ্রিবা জজমেন্তশিং অসিদা য়ুস্ফম ওইরগা রিট পিটিস্নরগী লেপ্লিবা লর্নেদ কাওন্সিলনা অসুম্না থমলকলে মদুদি তাং১১-০৬-২০২০ দগী তাং ১৮-০৬-২০২০ দা ঙনখৎহনখিবা দিসক্কালিফিকেসন কেসশিংগী হিয়ারিংগী নোটিস ফংহনখিদবা লোইননা অসুম্না মতম ঙনখৎপগী লোইনা-লোইননা দিসক্কালিফিকেসন কেসশিংদু য়াম্না হেজ্জিন্না থুবা মওংদা হিয়ারিং চথখিবগী মরমশিং পীবা ঙমদবা অসি প্রিন্সিপল ওফ নেচরেল জজটিস

ইন্দবনি অমসুং মদুগী মতুং ইন্না শিংনরিবা দিসক্কালিফিকেসন ওর্দর ককথৎফম অমসুং চৎনহনফম থোক্তবনি।

16. শিংনরিবা দিসক্কালিফিকেসন ওর্দরদু তাবা মতমদা স্পিকরগী থৌওংদা লান্না খঙন-খঙন তৌবনি হায়বগী অনিশুবা গ্রাওন্দগা মরি লৈননা মিস্টর ঐছ ঐস পাউনম লর্নেদ সিনিয়র এদভোকেদনা অসুম্না থম্লে মদুদি লান্না খঙন-খঙন তৌবা থৌওং হায়বসিনা মী অমবু নমথাক তৌগে হায়বা পুক্নিংগী অনিংবগা লোইননা চথবা থৌওং অমনি অমসুং রিট পিটিস্নরবু দিসক্কালিফাই তৌবিখিবা শীংনরিবা ওর্দর অদু তাবদা স্পিকরগী থৌওংদু মখাদা পীরিবা মরমশিং অসিনা মরম ওইরগা লান্না খঙন-খঙনা তৌগে হায়বগী মচাক্তু য়াওই

(এ) তাং ২৯-০৪-২০১৭ তা ফোংখিবা পোক্নফম খবরগী জেরোক্স কোপী অদু রিট পিটিস্নরবু দিসক্কালিফিকেসন তৌনবগীদমক্তা মদুদা য়ুস্ফম ওইখি। হায়রিবা পাউ-চে অদুগী ওরিজিনেল কোপিদু ও. লুখোই সিংহ কৌবা অমগী দিসক্কালিফিকেসন গী কেসতা থাজিল্লকপনি হায়। অদুম ওইনবক ও. লুখোই সিংহদি পাউ-চে অদুগী থাজবা য়াবদু ৱাৎখি হায়বগী দিসক্কালিফাই তৌখিদে, শ্রী ঙমথঙ হাওকীপকী কেসতু মান্নবা পাউ-চে অদুগী ক্লিপতু থাজবা য়াবা দোকুমেন্তনি হায়না তাক্তবা দোকুমেন্ত ওইনা লৌখি অমসুং শ্রী ঙমথঙ হাওকীপসু দিসক্কালিফাইদ তৌখিদে।

(বি) নম্বর ২৯৮ ওফ ২০২০ দা তাং ১৮-০৬-২০২০ দা জজমেন্তদু হায়দোক্তুনা থমনবগীদমক্তা তাখিবা ওর্দরদু লৈরবদু ইকাই খুম্নবগী মশক ওইরিবা স্পিকরনা নমথাক তৌগে হায়বগী অনিংবগা লোসননা রিট পিটিস্নরবু দিসক্কালিফাই তৌখিবা জজমেন্তদু তাখিবনি;

(সি) দিসক্কালিফিকেসনগী প্রোসিদিংশিং অদু য়াম্না হেক্তিন্না থুবা মওংদা মখাগী অসুম্না চৎখি।

(i) দিসক্কালিফিকেসনগী কেসশিংদুগী ঙনখৎনবগী নোটিস অদু তাং ১৭-০৬-২০২০ গী অহিং নোংয়াইদা মেতর অদু তাং ১৮-০৬-২০২০ দা পাইখৎনবগীদমক লোন্না ফোংখি।

(ii) নোটিস অদু রিট পিটিস্নর লোইন-লোইননা মাগী কাওন্সিলদা পীখিদে;

(iii) দিসক্কালিফিকেসনগী কেসশিংদু ঙনখৎনা পাইখৎপগী মরমসু পীদে;

(iv) মেতর অদু পার্টিশিংগী কাওন্সিলশিং য়াওদনা পাইখৎখি অমসুং ওর্দরদু পার্টিশিংগী ওরেল হিয়ারিং তৌদনা রির্জাব থমজিনখি;

(v) রিট পিটিস্নরবু দিসক্কালিফাই তৌখিবা ওর্দরদু অতৈগী হান্নগী প্রোসিদিংশিং লোইনমক্তা তৌবগুম হায়রিবা ওর্দরদু লাওথোক্নবগী নোটিস ফাওবা থোক্তনা

রাজ্যা সভা ইলেক্সনগী নোংমখক্কী মাংওইননা দিসক্বালিফিকেসনগী কেসশিংগী ফাইনেল হিয়ারিংগী নুমিত্তুমক্তদা লাওথোকখি;

(দি) দব্লিউ পি (সি) নম্বর. ২৮১/২০২০ দা তাং ১৮-০৬-২০২০ দা দিসক্বালিফিকেসনগী কেসশিংদা জজমেন্ত অদু লাওথোক্তনা থম্নবগী মরক্কী ওইবা ওর্দর অমা কোর্ট অসিনা তাখিবা লৈখ্রবসু স্পিকরনা ষ্টেটকী মেচিন্নরিশিংগা মান্নরগা রিট পিটিস্নরদা দিসক্বালিফিকেসনগী ওর্দরদু ফংহন্দ্রিঙৈগী মমাংদা রিট পিটিস্নরগী এর্স্কোট/সেক্যুরিতি লৌথোকপিখি, মদুনা স্পিকরনা লান্না তৌগে হায়না তৌবগী থৌওংদু কদাই ফাওবা ওইবগে হায়বদু তাকই। হায়রিবা মরক্কী ওর্দর অদুবু ইল্লোইগে হায়বা অনিংবগা লোসননা স্পিকরনা পিটিস্নরবু দিসক্বালিফাই তৌবিখিবা শিংনরিবা ওর্দরদু তাখিবনি।

17. মানা হায়রিবশিং অদু শৌগৎলদুনা রিট পিটিস্নরগী লেপলিবা লর্নেদ সিনিয়র কান্সিলনা মখাগী কেসশিং অসিদা ইকাই খুম্নবগী মশক ওইরিবা সুপ্রীম কোর্টনা পীখিবা মখাগী জজমেন্ত অসিদা মপুং ওইনা য়ুম্ফম ওইখি:-

(i) **"বহাদুরসিনহলাখুভাই গোহিল ভর্সেস জগদিসভাই এম. কমালিয়া এন্দ অর্দস" (২০০৪) ২ এস সি দিদা** রিপোর্ট তৌরকখিবা, মদুদা ইকাই খুম্নবগী মশক ওইরিবা সুপ্রিম কোটনা পেরা ২৫ দা মখাগী অসুন্না থমখি:

"২৫ এস পি কপুর (ডক্টর) ভর্সেস ষ্টেট ওফ ঐছ.পি. দা কোর্ট অসিনা অসুন্না থমখ্রে মদুদি করিগুম্বা অমা য়ান্না হেজ্জিনবা মওংদা থুনা তৌবা মতমদা অরানবা তৌগে হায়বা পুক্নিংগী অনিংবদু লৈরে হায়না লৌগনি, অসুন্নসু থমখি; (এস সিসি. পি-৭৩৯, পেরা ৩৩)

"৩৩ য়ান্না হেজ্জিনবা মওংদা থুনা মসিগীসিং অসি তাং ৩-১১-১৯৭৯ দা তৌখিবসিনা অসুন্না তাকই, মদুদি হেল্থ অমসুং ফেমিলি ৱেলফিয়রগী রেগুলর সেক্রেটরিনা ছুতিদা লৈরিঙৈ মসিগী মেতরনি য়ান্না থুজিন্না তৌখিবসিদা মকোক থোংবা মীওই অমা য়াওখি।"

(ii) "বালচন্দ্র এল. জারকিহোলি এন্দ অর্দস ভর্সেস বি. এস. য়দিয়ুরপ্পা এন্দ অর্দস" (২০১১) ৭ এস সি সি -১ দা রিপোর্ট তৌরকখিবা, পেরা-১৪৬-১৪৮ এন্দ ১৪৪-১৪৭ (হান্না পনখ্রবা)

(iii) "দি সুধাকর (২) এন্দ অর্দস ভর্সেস দি. এন. জিৱারাজু এন্দ অর্দস" (২০১২) ২ এস সি সি-৭০৮ দা রিপোর্ট তৌখিবা, মদুদা ইকাই খুম্নবগী মশক ওইরিবা সুপ্রীম কোর্টনা পেরা ৬৬তগী ৭৮ ফাওবদা মখাগী অসুন্না থমখি:

“৬৬ আপিলেন্তশিংদা জারিখিবা সো-কোজ নোতিসশিং অদুদা করনাতকা লেজিসলেতিভ এসেমব্লি (দিসক্কালিফিকেসন ওফ মেম্বরস ওনদা গ্রাওন্দ ওফ দিফেকসন) রুল্স, ১৯৮৬ কী রুল ৬ অমসুং ৭ গী প্রোভিজন ঙাক্লা তৌখিদে, মরমদি অসুন্না ওইবনা মদুদি মথক্তা পনখ্রিবা রুলগী রুল ৭(৩) গী মখাদা থল্লিবদুগী মতুং ইন্না আপিলেন্তশিংদা সো-কোজ নোটিসশিংদুগী পাউখুম পীনবা নুমিৎ তরেৎনিগী মতম পীখিদে হায়বসিদা য়ান্নদবা লৈত্রে। থাঙ্গৎলকখিবা হায়রিবা ওবজেক্সন অদুগী পাউখুম পীদনা স্পিকরনা ৱাফম অদুবু অসুন্না হায়রগা থৈদোকখি মদুদি মদুদা আপিলেন্তশিংনা শ্রী বি এস য়দিয়ুরপ্পানা লুচিংবা গর্ভনমেন্ততা মখোয়না শৌগৎপদু তোক্লে হায়না য়াবমক্তু মক্লা কন্সটিট্যুসনগী তরাশুবা সেদ্যুলগী পেরা ২ (২) গী প্রোভিজনশিং পানশিনবগী মতিক চাজরে স্পিকরনা মখা তানা অসুন্নসু থমখি মদুদি আপিলেন্তশিং অদু শ্রী য়দিয়ুরপ্পানা লুচিংবা গর্ভনামন্ততা শৌগৎপা তোকপদু চুম্মী হায়না হায়বা কাওন্সিলনা মখোয়গী মহুৎশিন্না লেপখি। মখা তানা অকুপ্পা মরোলশিং পীদনা স্পিকরনা অসুন্না ফোংদোকখি মদুদি দিসক্কালিফিকেসন রুলস অদু দরকার খক্কী চৎননবগী ওইবনা কোর্ট অসিনা দারেক্তরী ওই মেন্দেতরী ওই হায়না থমখ্রে। দিসক্কালিফিকেসন রুলসকী রুল ৭ (৩) গী প্রোভিজনশিং অদু হাই কোর্টনা দাইরেক্তরী ওই হায়না থমখ্রে অমসুং আসনগী চৎন-কাংলোন ইন্দবদুনা আপিলেন্তশিংদা অশোকপা থোকহন্দ্রবদি হায়রিবা রুলশিং ইন্দবদুনা রুলসতুগী মখাদা য়াওরিবা প্রোসিদ্যুরদু চৎনবা য়াদবা ওইহনবা য়াখিদে অমসুং ওইহনখিদে হায়নসু থমখ্রে।

“৬৭ মদুদা শিরিবা মরালশিং অদু শৌগৎনবা রেকোর্দতা করিগুম্বা প্রসিদেন্ত ওইরিবা শ্রী কেএস ঈশ্বরপ্পানা থাজিল্লকপা এফিদেবিত অদুদা লান্না মপুং ওইনা য়ুম্ফম ওইখি। অশেংবমক্তি হায়রিবা এফিদেভিত অদু আপিলেন্তশিংদা ফংহনখিদবনি। শ্রী কে এস ইশ্বরপ্পা অসি প্রোসিদিংশিং অদুদা পার্টি অমা ওইদবনা স্পিকরনা মদুগী কোপিশিং অদু মদুদা শিরিবা মরালশিং অদু থেংনজনবা আপিলেন্তশিংদা ফংহল্লমগদবনি। মখোয়দা থারকখিবা সো কোজ নোটিশিংদুগী পাউখুম পিনবা নুমিৎ তরেৎনিদগী তানা আপিলেন্তশিংদা মতম পীবদুনা স্পিকরনা দিসক্কালিফিকেসন রুলসগী রুল ৭(৩) গী প্রোভিজনশিং ইনখিদ্রে হায়বদুগা লোইননা শ্রী এস ঈশ্বরপ্পানা থাজিল্লকখিবা এফিদেভিতুগী কোপিশিং স্পিকরনা ফংহনখিদবদুনা শ্রী বী এস য়দিয়ুরপ্পানা থারকখিবা দিসক্কালিফিকেসন এপ্লিকেসন অদু পাইখত্তুনা লোইশিন্নবা তৌবদা স্পিকরগী থৌওংদা মীচং মীখাই নাইবগী থৌওং উৎপগী মথক্তা আপলেন্তশিংদা নেচরেল জজটিস ফংহনদবা হায়বদু থোক্লে। স্পিকরনা মথক্তা পনখ্রিবা এফিদেভিত অদুদা থমলিবা ষ্টেটমেন্তশিং অদুদা মপুং ওইনা য়ুম্ফম ওইবা পামলল্লবদি মাগী এফিদেভিত্তা থমলিবা

ষ্টেটমেন্তশিংদগী অচুম অরানগী মতাংদা মহাক্না আপিলেন্তশিংদা দিপোনেন্ত অদুবু ৱাহং পাওহং তৌবগী খুদোং চাবদু পীরমগদবনি। স্পিকরগী মসিগী থৌওং অসিনসু য়াম্না হেজ্জিন্না থুজিনবগা লোইননা স্পিকরনা দিসক্কালিফিকেসন এপ্লিকেসন অদু পাইখত্তুনা লোইশিনখিবদু তাকই, মদুনা মহাক্না তৌখিবা থবক্তু নিয়ম চুম্না তৌখিব্রা হায়বগী মতাংদা চিংনবা পোকহনল্লি।

“৬৮ মরম উৎলরাও হায়না পীবা নোটিসশিংদু দিসক্কালিফিকেসন রুলস রুল ৭গী মকাদা আপিলেন্তশিংদা মদুগী পাউখুম পীনবা নুমিৎ হুন্নিখক্তংগী মতম পীরগা আপিলেন্তশিংদা করিগীদমক্তা থাখিবনো হায়বগী মতাংদা স্পিকরনা পিখিবা পাউখুমদু য়াম্না পেন্নিংঙাই ওইদে। শ্রী বি এস য়দিয়ুরপ্পানা লুচিংবা গর্ভনমেন্ততা থাজবগী ভোত পাংথোক্নবগী গভরনরনা থম্লকখিবা মতমগী মনুংদা অসুন্না য়াম্না হেজ্জিন্না থুনা ৱারেপ লৌবগী মথৌ লৈখিবদনি। হাউসকী ফ্লোরদা থাজবগী ভোত অদু তাং ১২-১০-২০২০ দা পাংথোকদবনা অসিগুম্বা থৌওংসি স্পিকরনা তাং ১০-১০-২০১০ দা তৌখিবা ওইনা উই।

“৬৯ ঐখোয়না অসুন্না থম্বদা চিংনবা লৈতে মদুদি স্পিকরগী ওর্দরদু দিসক্কালিফিকেসন রুলসকী রুল ৬ অমসুং ৭ অমসুং চেরোল জজটিসকী রুলশিং ইন্দনা তাখিবা অমসুং মদুদি অসুন্না ইন্দবদুনা আপিলেন্তশিংদা অমাংবা অশোইবা থোকহল্লি। মরম অদুনা ঐখোয়না অসুন্না থম্লে মদুদি রুলস ৬ অমদুং ৭ অসি দাইরেক্তরিগী খক্তং ওইবা মেন্দেতরি ওইদবা ওইরগসু রুল ৬ অমসুং ৭ ইন্দবনা নেচরেল জজতিসকী রুলশিং ইন্দবা থোকহনবনা স্পিকরগী ওর্দরদু চৎনবা য়াদবা ওইল্লে অমসুং অদু চৎনহন্দনা থম্বগী মথৌ তারকই।

“৭০ ঐখোয় মথংদা দিসক্কালিফিকেসন এপ্লিকেসনশিং অদু করম্বা মওংদা স্পিকরনা চথখিবগে অমসুং লোইশিনখিবগে হায়বগী মতাংদা লাকপা কোইসন্দু অমুক লৈরে

“৭১ তাং ৬-২০-২০১০ দা শ্রী বি এস য়দিয়ুরপ্পানা লুচিংবা বি জে পি গী গর্ভনমেন্ততা শৌগৎপদু তোকপগী মান্নবা চিঠিশিং আপিলেন্তশিংদগী ফংবদা গর্ভনরনা নুমিত্তু মথক্তা চিফ মিনিষ্টরদা চিঠি অমা ইখি, মদুনা মঙোন্দা ইন্দীপেন্দেন্ত এম এল এ মঙা অমসুং বি জে পী গী এম এল এ ১৩ না শৌগৎপা তোকপগী মতাংদা ওইরক্লিবা ফিভমশিংদু খঙহনখি অমসুং তাং ১২-১০-২০১০ গী মনুংদা ৫ পী এম ফাওবদা হাউসকী ফ্লোরদা মাবু মশিং য়াম্বনা শৌগৎলি হায়বদু উৎনবা হায়জরকখি। মদুগী মতুং ইন্না স্পিকরদা থবক লৌখৎনবসু হায়জখি। নুমিত্তুমক্তদা বি জে পিগী তিকেত্তা কারকপা এম এল এ ১৩ মক অতোপ্পা ইন্দিপেন্দেন্ত এম এল এ ২ গা লোইননা কন্সটিট্যুসনগী ১০শুবা সেদ্যুলগী মখাদা দিসক্কালিফাই তৌরে হায়না

লাওথোক্লবা দিসক্কালিফিকেসন রুলস ১৯৮৬ কী মখাদা শ্রী বি এস য়দিয়ুরপ্পানা লেজিসলেতিভ এসেমব্লিদা বি জে পী গী লুচিংবা ওইনা এপ্লিকেসন অমা স্পিকরদা থাখি।

“৭২ মদুগী হেক মতুংদা তাং ৭-১০-২০২০দা স্পিকরনা এম এল এ শিং অদুদা সো-কোজ নোটিসশিং অদু থাখি, মদুনা শ্রী বি এস য়দিয়ুরপ্পানা থারকপা দিসক্কালিফিকেসন এপ্লিকেসনগী মতাংদা মখোয়বু খংহনখি অমসুং শ্রী বি এস য়দিয়ুরপ্পানা লুচিংবা গর্ভনমেন্ততা শৌগৎপদু তোকপদুনা মখোয় কন্সটিট্যুসনগী সেদ্যুল ১০গী পেরা ২(এ) গী মতুং ইন্না হাওসকী মেম্বর ওইবদগী দিসক্কালিফাই তৌরে হায়নসু মখোয়দা খঙহনখি। তাং ৭-১০-২০১০ নুমিত্তু মক্তদা পীটিসনশিং আপিলেন্তশিংগী মায়োক্তা রেস্পোন্দেন্তশিংনা থারকখি অমসুং স্পিকরনা তাং ৮-১০-২০১০ দা আপিলেন্তশিংদা সো-কোজ নোটিসশিং থাখি। সো-কোজ নোটিসশিং পীরক্লবা আপিলেন্তশিং অমসুং বি জে পী এম এল এ শিংদা হায়রিবা এপ্লিকেসন অদুদা ওবজেক্সন লৈরবদি মখোয়গী ওবজেক্সন অদু তাং ১০-১০-২০১০ গী পুং ৫ পী এম ফাওবগী মনুংদা, থাজিল্লক্নবা মতম পিখি।

“৭৩ সো-কোজ নোটিসশিং অদুদা মখোয়গী পাউখুম পীনবা আপিলেন্তশিংদা নুমিৎ ৭ নিগী মতম পীখিদে হায়বদুতা নত্তনা সো-কোজ নোটিসশিং আপিলেন্তশিংদা অমসুং ভারতিয়া জনাতা পার্টিগী এম এল এ ১৩ দা ফজনা ফাওবা ফংহনখিদে হায়বদু হায়-কোর্টনা ফজনা খন্নবিখিদে। মখা তানা, দিসক্কালিফাই তৌনবা হোৎনরিবা এম এল এ শিংদা শ্রী কে এস ঈশ্বরপ্পানা থারকখিবা এফিদেভিতকী কোপিশিংদু কন্সটিট্যুসনগী ১০শুবা সেদ্যুলগী পেরা ২ (১)(এ)/২(২) গী মখাদা মখোয়বু দিসক্কালিফাই তৌরে হায়না ৱারোইশিং লাকখিবদা স্পিকরনা মদুদা য়াওরিবা মচাকশিং অদুদা মপুং ওইনা য়ুম্ফম ওইখ্রবসু মখোয়দা পিবিখিদে। এম এল এশিং অদুদা শ্রী এম পী রেনুকা চারয়া অমসুং শ্রী নরশিমহা নায়কনা মখোয়না গর্ভনরদা তাং ৬-১০-২০১০ দা পিশিনখিবা মখোয়গী চিঠিশিং অদুদা থমখিবা ৱাফমশিং অদু হন্দোকচবগী থারকখিবা এফিদেভিতশিংগী কোপিশিংসু পিবিখিদে।

“৭৪ অমুক্কা হেন্না ঙকলিবদি অসিনি স্পিকরনা হায়রিবা এফিদেভিতশিং অদুদা য়াওরিবা মচাকশিং অদুদা য়ুম্ফম ওইবতা নত্তনা শ্রী বী এস য়দিয়ুরপ্পানা লুচিংবা গর্ভনমেন্তা মখোয়না শৌগৎপদু তোক্লিংবগী অপাম্বদু গর্ভনরদা খঙহনবগা কন্সটিট্যুসনগী তরা শুবা সেদ্যুলগী পেরা ২(১) (এ) গী প্রোভিজনশিং মখোয়না থুগাইরে হায়না ভারতিয়া জনাতা পার্টিগী এম এল এ ১৩ গী মতাংদা অসুম্না থমলবা মতুং মখোয়না শৌগৎপা তোকপদু হন্দোক্লে হায়বদু য়ুম্ফম ওইরগা মখোয়গী মায়োক্তা চথবা দিসক্কালিফিকেসন এপ্লিকেসন অদুসু ককথৎখি।

“৭৫ স্পিকরগী থবক চথবগী থৌওং অসিদগী মসি তশেং তশেংলে মদুদি মহাক্না এসেমব্লিদা পাঙ্গল চাংয়েং য়েংনবগী গর্ভনরনা থমলকখিবা মতমগী সেদ্যুলদু নংনবা অমসুং ফ্লোর টে পাংথোক্কদবা তারিখকী মাংওইননা আপিলেন্তশিং অমসুং বি জে পীগী এম এল এ ১৩ অদু দিসক্কালিফাই তৌনবা হোৎনৈ। হিয়ারিং অদু তাং ১০-১০-২০১০ গী পুং ৫ ফাওবদা লোইশিল্লগা নুমিত্তু মক্তদা আপিলেন্তশিং অমসুং অতোপ্পা এম এল এ শিংদু হাওসকী মেম্বর ওইবদগী দিসক্কালিফাই তৌরে হায়না থল্লদুনা ইন্দিয়াগী কোর্টশিং অমসুং ফোরেনগী কোর্টশিংগী তোঙান-তোঙানবা জজমেন্টশিং অমসুং তোঙান-তোঙানবা ওথোরিটিশিংদগী প্রিন্সিপল ওফ লো কয়া পনবা য়াম্না অকুপ্পা ৱারোল য়াওরবা ওর্দরশিংদু স্পিকরনা তাখি। থাজবগী ভোত অদু তাং ১১-১০-২০১০ দা চথখি, মদুদা দিসক্কালিফাই তৌখ্রবা মেম্বরশিং শরুক য়াবা য়াখিদে অমসুং মখোয় য়াওদনা শ্রী বি এস য়দিয়ুরপ্পানা মাবু মশিং য়াম্বনা শৌগৎখি হায়বদু হাওসতা প্রমান তৌবা ঙমখি।

“৭৬ থাজবগী ভোত অদু চিফ মিনিস্টরগী মায়োক্তা চৎতনবা হোৎনবা নত্রবদি স্পিকরনা দিসক্কালিফিকেসন এপ্লিকেসনশিং অদু অসুক হেক্তিন্না থুনা পাইখৎপকী মরম ইরৈ লৈতে।

“৭৭ শ্রী য়রিয়ুরপ্পা দিসক্কালিফাই তৌখ্রবা বি জে পীগী এম এল এশিংগী মায়োক্তা শিরিবা চপ মান্নবা মরমশিংদু শ্রী এম পি রেনুকা চ্র্য অমসুং শ্রী নরশিংহা নাইয়ক্কী মায়োক্তসু শিখি, শ্রী বী এস য়দিয়ুরপ্পানা লুচিংবা বি জে পী গী গর্ভনমেন্তা শৌগৎপদু তোক্লে হায়না চিঠি পীশিনবগা এম এল এ লোইনমক কন্সটিট্যুসনগী তরা শুবা সেদ্যুলগী পেরা ২ (এ) গী মখাদা খুদক্তা দিসক্কালিফাই তৌরে হায়না থমখ্রবসু মখোয়গী শৌগৎপা তোকপদু হন্দোকখিবদু স্পিকরনা য়াখি, হায়রিবা লেজিসলেচর অনি অদুদি দিসক্কালিফাই তৌখিদে অমসুং ইখঙ-খঙনরবা মরমগী মখোয়বু থাজবগী ভোত লৌনবদা শরুক য়াবা য়াহনখি, হায়বসি ঐখোয়না কাওবা য়ারোই।

“৭৮ মরম অদুনা স্পিকরাগী শিংনরিবা ওর্দর অদু লাল্লে খংন-খংন লান্না তৌখিবদু চৎনবা য়াদবা ওইহল্লে হায়না ঐখোয়না থল্লে।

(iv) (২০১৩) ১০ এস সি সি ৪০২ দা রিপোর্ট তৌরকখিবা, “টরনজিৎ সিংহ মোহোন সিংহ শাওনে এন্দ অর্দস ভর্সেস দিস্টিক দিপুটি রেজিস্ট্রার, কোওপরেতিব সোসাইতিস এন্দ অর্দস,” মদুদা ইকাই খুম্নবগী মশক ওইরিবা সুপ্রিম কোর্টনা “পেরা ১২ এন্দ ১৫” দা মখাগী অসুম্না থমখি;

“১২ আপিলেন্তশিংগী লেপ্লিবা শ্রী মুকুল রোহতগী, লর্নেদ সিনিয়র কাওন্সিলনা অসুম্না হায় মদুদি রেস্পোন্দেন্ত নম্বর ১ না তাখিবা ওর্দরদু চৎনবা য়াদবনি হায়না লাউথোকফম থোকই, মরমদি মহাক্না হিয়ারিংগী তারিক্তু নিয়ম লান্না ঙনখৎহনখি অমসুং পার্টিশিংদা হোংদোক্লবা তারিক্কী মতাংদা নোটিস পীখ্রিবা। ফংহনখ্রিবা হায়বদু থিদোক্তনা রেস্পোন্দেন্ত নম্বর ৩ গী এপ্লিকেসন্দু খন্নখি। তাং ১৬-৫-২০১২ দা রেস্পোন্দেন্ত নম্বর ১ না পীখিবা দারেক্সনগী মতুং ইন্না থাখিবা নোটিস অদু আপিলেন্তশিংদা পীখিদে হায়বদু উৎননবা শ্রী রোহিতগী না রেস্পোন্দেন্ত নম্বর ১ না ইরম্বা ওর্দরসিত শিংগী ইংলিস ট্রান্সলেসন, মুম্বাই সিটি (নোর্ট) গী স্পোর্ট ওফিসশিংগী সিনিয়র সুপরিন্তেন্দেন্ত না তাং ১৫-০২-২০১৩ দা রেস্পোন্দেন্ত নম্বর ৩ গী কাওন্সিল মীসেস প্রীথা দাবে দা  থাবা কম্মুনিকেসনশিংগী জেরোক্স কোপিশিং অমসুং হায় কোর্টতা রেস্পোন্দেন্ত নম্বর ১গী মহুৎ শিন্না থারকপা কাওন্তরদু পনখি। অদুদগী লর্নেদ সিনিয়র কাওন্সিলনা অসুম্না হায়খি মদুদি নোটিস পীখিদবদুনা আপিলেন্তশিংনা তাং ২১-০৫-২০১২ দা লাকপা ঙমখিদে অমসুং মদুনা মরম ওইরগা মখোয়গী স্বার্থা য়াম্না শোকহনখি। শ্রী রোহিতগী না অসুম্না থল্লে মদুদি তাং ২১-০৫-২০১২ দা রেস্পোন্দেন্ত নম্বর ৩ খক নত্তনা পার্টি লোসনবক্কী কাওন্সিল/মীহুৎশিং য়াদবদুনা নোটিস পিবদা অশোইবা খরা লৈখ্রে হায়বদু রেস্পোন্দেন্ত নম্বর ১দা খঙহল্লমগদমনি অমসুং পার্টি লোইনমক্তা নোটিস পিখিব্রা হায়বদু খংদোক্লবা ইনক্বারি অমা তৌহল্লমগদবনি, অদুবু মরি লৈনবা ওফিসারদুনা তৌগে হায়বা অমা য়াওনা মসিগী মতাংদা থবক অমত্তা লৌখৎখিদে অমসুং ওর্দরশিং তান্নবগী মেতরদু তেনশিনহনখি। শ্রী রোহিত্তগী না অসুম্না হায় হিয়ারিগী তারিখ ঙনখৎহনবগী মতাংদা রেস্পোন্দেন্ত নম্বর ১ না পিবা পাউখুমদু হায়বদি অকক্লবা তারিখ অদুদা হায়বদি তারিখ ১৯-০৬-২০১২ তা কেস মশিং য়াম্না লৈশিনবা হায়বদু য়াফম থোক্তে মরমদি মরি লৈনবা ওফিসারদু মহাক্না হান্নना তারিখ ১৯-০৬-২০১২ দা কেস ময়াম অমা মতম লেপখ্রে হায়বদু খংফম থোকই।

“১৫ স্পিদ পোস্টকী রিসিপ, মুম্বাই সিতি (নোর্ঠ) পোস্ট ওফিসশিংগী সিনিয়র সুপরিন্তেন্দেন্তনা প্রীথা দাবেদা তাং ১৫-০২-২০১৩ দা থাবা কম্যুনিকেসন অনিগী জেরোক্স কোপিশিং পুথোক্লদুনা আপিলেন্তশিংদা হিয়ারিংগী তারিখ হোংদোকপগী মতাংদা পাউ ফংহনখি হায়বদু উৎননবা রেস্পোন্দেন্ত নম্বর ৩ না হোৎনৈ, অদুবু ঐখোয়না মদু থাজদে। ইহান হানবদা হিয়ারিংগী তারিখ ঙনখৎহনবগী পীরিবা মতমদু য়াম্না শোনমন্দুনা য়াবা ঙমদে। মদু রেস্পোন্দেন্ত নম্বর ১ অমসুং ৩গী থারকপা কেসতু নত্তে অদুগা রেস্পোন্দেন্ত নম্বর ৩ না থারকপা এপ্লিকেসন অদু মরি লৈনবা

ওফিসারদুনা পাইবা কেস অমখক্তদনি হায়না ঐখোয়দা থমলকপসু লৈতে। মসিগা ওন্ন-তৈননা মান্নবা কেস ময়াম অমা ওফিসরদুনা পাই হায়বসি রেস্পোন্দেন্ত নম্বর ১ না হায় কোর্টতা থারকখিবা কাওন্টর অদুদা য়াওরিবা ৱফমশিং অদুনা তাকই। মরম অদুনা মসি অসুন্না লৌবা য়ারে, মদুদি এপ্লিকেসন্দু থা ৬ কী মনুংদা লোইশিনবা তাই হায়বদু মহাকখঙই। মসি ওইরবসু রেস্পোন্দেন্ত নম্বর ১ না তাং ১৯-০৬-২০১২ দা কেস ময়াম অমা লেপশিল্লি। মহাক্না অসুন্না করিগীদমক্তা তৌরিবনো হায়বদু শন্দোক্না তাক্তে। মহাক্না হিয়ারিগী তারিক্তু ঙনখৎনবগী করিগীদমক্তা রেস্পোন্দেন্ত নম্বর ৩ গী এপ্লিকেসন্দু ময়াদগী খন্দোক্লিবনো হায়বদুসু শন্দোক্না তাক্তে। মরম অদুনা এপ্লিকেসনগী হিয়ারিংগী তারিখ ঙনখৎহনবা রেস্পোন্দেন্ত নম্বর ১ গী থৌওং অদু মরি লৈনদবা মরমশিংদা য়ুম্ফম ওইখি অমসুং মরম সুকচা চাদে হায়না লৌবদা মরম চাই।

(১৮) দিসক্বালিফিকেসনগী শিংনরিবা ওর্দর অদু তাবা মতমদা স্পিকরনা লাল্লে খঙনা অনম কন্না অরানবদু তৌনিংবগী ৱাখলনা মাইপুনখি হায়বসিগী মতাংদা অহুমসুবা গ্রাওন্ডগা মরি লৈননা পিটিস্নরকী লেপ্লিবা লর্নেদ সিনিয়র কাওন্সিলনা অসুন্না থল্লে মদুদি অরানবা অমা তৌগে হায়না অনম কন্না তৌবসি য়াফম থোক্তবা মরম তাদবা থবক্কী তৌগে হায়না তৌবা থৌওংগী থৌদৌনি। অসুন্নসু থল্লে মদুদি অঙকপগী পনখৈ য়ৌনা আইন, নিয়ম নিতি সুক্লৈ লৈতবগী মওংগা লোইননা স্পিকরনা তাং ১৮-০৬-২০২০ দা দিসক্বালিফিকেসনগী কেসশিং অদু পাইখৎপা মতমদা ওন্ন-তৈন্নবা, তোঙানবা অমসুং মিচং মীখাই নাইবগী খোংফম লৌখি অমসুং এম এল এ তরেৎ লোইনবক চপ মান্নবা ইসুদা চপ মান্নবা ফেকশিংদা অমসুং মান্নবা প্লিদিংশিংদা দিসক্বালিফিকেসনগী কেসশিং মায়োক্নজরবসু অতোপ্পা এম এল এ মরিগী মায়োক্তা থাবা দিসক্বালিফিকেসনগী কেসশিংদু রিজেক্ট তৌরগা, (ককথৎলগা) চথরিবা রিত পিটিসন অসিগী পিটিস্নর য়াওনা এম এল এ অহুমবুনা মানা দিসক্বালিফাই তৌবিখি। লর্নেদ সিনিয়র কাওন্সিলনা য়াম্না কন্না অদুম্না থল্লে, মদুদি চপ-মান্নবা ফেকশিং ইসুশিং অমসুং প্লিদিংশিংদা খেন্নবা ওর্দর অনি তাবসি। থোকপসি য়াফম থোক্তবনি অমসুং মরম অসিদগী স্পিকরগী অসুন্না তৌবা থৌওংসি মরম চাদে অমসুং শেংনা তৌবা ওইদে অমসুং অসুম তৌদুনা, মদু অরানবা তৌগে হায়না অনম কন্না তৌবগী মচাম য়াওরে। মিস্টর পাওনম লর্নেদ সিনিয়র এদভোকেদনা মখা তানা অসুন্না থম্মি মদুদি এম এল এ মরিগী মতাংদা দিসক্বালিফিকেসন কেসশিং রিজেক্ট তৌখি বা (ককথৎখিবা) গী খুদোংচাবা/কান্নবদু দোক্ত্রিন ওফ বেনিফিসিএল জজমেন্ত/কন্সট্রক্সন ওফ লো ঙাক্নবা অমসুং লাল্লে খন্না অনম কন্না অরানবা

তৌবগী থৌওং নত্রগা অশোইবা চান্নদবা লৈতনবগী চথরিবা রিট পিটিসন অসিগী পিটিস্নরদসু ফংহনফম থোকই।

(১৯) কন্সটিট্যুসন্না পীবা নীয়ম নিতি ইন্দবগী মতাংদা রিট পিটিস্নরনা থাঙ্গৎলকপা অরোইবা গ্রাওন্ডগা মরি লৈননা রিট পিটিস্নরগী লেপ্প্লিবা লর্নেদ সিনিয়র কাওন্সিলনা অসুম্নসু থল্লে মদুদি রিট পিটিস্নরবু দিসক্কালিফাই তৌবিখিবা তাং ১৮-০৬-২০২০ দা তাখিবা শিংনরিবা ওর্দর অদুবু তাখিবা মতমদা স্পিকরনা মখাদা পীরিবা মরমশিং অসিদগী কন্সটিট্যুসন্না পীবা নিয়ম নিতিশিং লান্না ইনখিদ্রে:-

I. দিসক্কালিফিকেসনগী কেসশিংদা রির্জাব থমখ্রবা ওর্দরদু লাওথোক্তনা থম্নবগী কোর্ট অসিনা দব্লিউ পী সি নম্বর ২৯৮/২০২০ তাং ১৮-০৬-২০২০ দা তাখিবা ওর্দরদু স্পিকরনা খুদোং চাবা য়েংলগা নাথৈনা থমখ্রে, মদু কন্সটিট্যুসন্না পীবা নিয়ম নিতিদু ইন্দবনি:

II. ইবিদেন্স পুথোকপা মথৌ তাই হায়বা গ্রাওন্ডদা দিসক্কালিফিকেসনগী কেসশিংদু লোইশিনবগী অকক্নবা মতম মহাক্না পীবা ঙমদবগী মতাংদা দব্লিউ পি (সি) নম্বর ২২০/২০২০ দা তাং ১৫-০৬-২০২০ দা তাখিবা ওর্দরদা য়াওখিবা অমসুং কোর্ট অসিদা স্পিকরনা থমখিবা মাগী খোংফমদু স্পিকরনা নাথৈনা থমখ্রে, মদু কন্সটিট্যুসন্না পীবা নিয়ম নিতিশিং ইন্দবনি।

III. হিয়ারিংদুদা শরুক য়াবগী খুদোং চাবদু মৎপিরগা অমসুংপাউ চেদুগী অশেংবা কোপি অমসুং দিসক্কালিফিকেসনগী কেসশিং অদুগা মরি লৈননা সুংথা থাজিল্লকখিদবা দি ভি দ অদুদা মপুং ওইনা য়ুম্ফম ওইরগা, স্পিকরনা মাগী লনাইগী রাজনিতিগী পান্দমদু ফংনবা রিত পিটিস্নরবু দিসক্কালিফাই তৌবিখিবা শিংনরিবা ওর্দরদু তাং ১৮-০৬-২০২০ দা তাখি, মদু করিসু নত্তে মদুদি কন্সটিট্যুসন্না পিরিবা নিয়ম নিতিশিং অমসুং মিচং মীখাই নাইদবা চুন্না তৌবগী থৌওংদু তৌগে হায়বা অমা য়াওনা ইন্দবনি। লর্নেদ সিনিয়র কাওন্সিলনা মখা তানা থমখি মদুদি করম্বা মওংদা দি ভি দি অমসু ইবিদেন্সকি শরুক অমা ওইনা লৌবা য়াবগে হায়বসি ইকাই খুম্নবগী মশক ওইরবা সুপ্রিম কোর্টনা "অনৱার পি ভি ভর্সেস পি কে বাশির এন্দ অর্দস" (২০১৪) ১০ এস সি সি ৪৭৩ দা রিপোর্ট তৌরকখিবা "পেরা ৭, ১৪ অমসুং ১৫ গী কেসতা থমখ্রে।

"৭ কোর্টনা কুপ্না য়েংশিন্নবা পুথোরকপা ইলেক্ট্রোনিক রের্কোদ অসিদা ইবিদেন্স এক্ট, ১৮৭২ (মখা তারকপদা "দা ইবিদেন্স এক্ট" হায়না পল্লবা) গী সেক্সন ৩গী মখাদা দোকুমেন্তরি ইবিদেন্স ওই। দা ইবিদেন্স এক্ট অসি এক্ট ২১ ওফ ২০২০ [দা ইনফোরমেসন টেক্নোলোজি এক্ট, ২০০০ (মখা

তারকপদা “দা আই টি এক্ট” হায়না পল্লবা)] গী মতুং ইন্না এমেন্তমেন্দ চাওনা তৌখ্রে। চান্না মান্নবা এমেন্তমেন্দশিংসু দা ইন্দিয়ন পেনাল কোর্ট (৪৫ ওফ ১৮৬০), দা বেঙ্করস বুক্স ইবিদেন্স এক্ট, ১৮৯১ চিংবদসু তৌখ্রে।

“১৪ ইবিদেন্স এক্টকী মকাদা ইলেক্ট্রোনিক রেকোর্দ ওইনা পুথোরকপা ইবিদেন্স অমা হেক্তা, সেক্সন ৫৯ অমসুং ৬৫-এ সি য়েংলগা, সেক্সন ৬৫-বি গী মখাদা পীবা চৎনব-কাংলোনগী নিয়ম নিতিগী মতুং ইন্না খক্তং প্রমান তৌবা য়াই। সেক্সন ৬৫-বি না ইলেক্ট্রোনিক রেকোর্দ তুগী চৎনবা য়াবা য়াদবদু গী মতাংদা থমই। মসি প্রোভিজনশিং অসিগী পান্দমদি কম্প্যুতরনা ইলেক্ট্রোনিক্কী মওংদা শেমলকপা সেকেন্দরি ইবিদেন্সতু চৎনবা, শিজিন্নবা য়াবা ইবিদেন্স ওইহনবনি। মসিগী সেক্সন অসি নন ওবস্টিনতি ক্লোজ অমনা হৌই হায়বসি খঙজিনবা য়াই। মতৌ অসুম তৌদুনা, ইবিদেন্স এক্টতা অতোপ্পা অতৈ য়াওজরবসু চেজম অমদা নমথোক্লবা, নত্রগা কম্প্যুতর অমনা পুথোকপা ওপতিকেল নত্রগা মেগ্নেতিক মেদিয়মশিংদা থমজিনবা, রেকোর্দ তৌশিনবা নত্রগনা কোপি তৌশিনবা ইলেক্ট্রোনিক রেকোর্দ অমদা য়াওবা ইনফোরমেসন অমা হেক্তা মখা তানা প্রমান পীবা নত্রগনা ওরিজিনেল পুথোকপা মথৌ তাদনা, সব সেক্সন অনিদা পল্লিবা কনদিসনশিং অদু লৈরবদি দোকুমেন্ত অমা ওইনা লৌগনি। অসিগুম্বা দোকুমেন্ত অমগী হায়বদি কম্প্যুতর আউত পুত হায়না কৌবা ইলেক্ট্রোনিক রেকোর্দকি চৎনবা য়াব-য়াদবা হায়বদু সেক্সন ৬৫-বি ২ গী মখাদা পিরিবা কনদিসন মরিদু য়াওবগী মখা পোল্লি। মখাগী অসি ইবিদেন্স এক্টকী সেক্সন ৬৫-বি ২ গী মখাদা পীবা অকক্নবা কনদিসনশিং অদুনি:

(i) ইনর্ফোমেসন য়াওরিবা ইলেক্ট্রোনিক রেকোর্দ অদু কম্প্যুতর অদুনা মদুনা ইনর্ফোমেসন চাং নাইনা থমজিনবা নত্রগা প্রোসেস তৌবদা শিজিন্নরম্বা মতমগী মনুংদা মদুগী পেরদ অদুদা কম্প্যুতর অদু শিজিন্নবগী মতিক চাবা আইনগী অয়াবা লৈবা মীওইদু চাং নাইনা তৌবা থবক অমা তৌনবগীদমক্তা পুথোক্লম্বা ওইগদবনি:

(ii) ইলেক্ট্রোনিক রেকোর্দতা য়াওরিবা ইনর্ফোমেসনদু নত্রগা ইনর্ফোমেসনদুবু ফংলকপগী ইনর্ফোমেসন্দু হায়রিবা থবক থৌরমদু তৌরকপা মতমদা কম্প্যুতর অদুদা চাং চাইনা হাপচিনখি;

(iii) থবক্তু তৌরিঙৈ মনুংদা কম্প্যুতর অদু ফজনা মথৌ তৌই অমসুং মদু মতম খরা ফজনা মথৌ তৌদ্রিফাওবদা অসুন্না মথৌ তৌদবদু নত্রগা তৌদবশিংদুনা রেকোর্দতু নত্রগা মদুদা য়াওরিবা মচাক্কী অচুম্বদু অকাইবা থোকহনখিদে; অমসুং

(iv) রেকোর্দতুদা য়াওরিবা ইনর্ফোমেসন্দু হায়রিবা থবক থৌরমদু তৌবা মতমদা কম্প্যুতরদুদা হাপচিল্লিবা ইনর্ফোমেসন অদুদগী শেমদোক শাদোক্তুনা পুথোরকপা নত্রগা ওইরকপা ওইগদবনি।

"১৫ ইবিদেন্স এক্টকী সেক্সন ৬৫-বি (৪) গী মখাদা ইলেক্ট্রোনিক রেকোর্দকা মরি অলনবা প্রোসিদিংশিংদা স্টেটমেন্ত অমা পীবা পামলবদি মখাদা পিরিবা কন্সিসনশিং অসি লৈরবদি মদু য়াগনি;

(এ) স্টেটমেন্তদু য়াওরিবা ইলেক্ট্রোনিক রেকোর্দ মশক তাকপা সরতিফিকেত অমা লৈগদবনি;

(বি) সরতিফিকেত অদুনা ইলেক্ট্রোনিক রেকোর্দ অদু করম্বা মওংদা পুথোকখি হায়বদু শন্দোক্না তাক্কদবনি;

(সি) সরতিফিকেদ, অদুনা, রেকোর্দ অদু পুথোকপদা শিজিন্নবা খুৎলাই দুগী অকুপ্পা ৱারোলশিংদু পীগদবনি;

(দি) সরতিফিকেত অদুনা ইবিদেন্স এক্টকী সেক্সন ৬৫-বি (২) গী মখাদা পল্লিবা চান্নবা ফিভমশিংদু (কন্দিসনশিং) পনগদবনি; অমসুং

(ঈ) সরতিফিকেত অদু শিজিন্নরিবা খুৎলাই অদু শিজিন্নবগী মতাংদা দাইতা লৈবা ওফিসকি পোজিসন (ফম) পাইবা মীওই অমনা শহি তৌগদবনি"।

ঐছ এস পাওনম লর্নেদ সিনিয়র কাওন্সিলনা অসুম্নসু থমখি মদুদি ১৯৯৪ সপ্লি (৩) এস সি সি ৫ (iv) (পেরা ৪৮৪৯) দা রিপোর্ত তৌরকখিবা **"ক্বামরুম ইস্লাম** ভরর্সেস **এস কে কান্তা** এন্দ অর্দস", **(১৯৮৮) ৩ এস সি সি ৩১৯ (পেরা ২৫ এন্দ ২৬)** দা রিপোর্ত তৌরকখিবা **"লক্ষমী রাজ** সেতি ভরর্সেস স্টেট ওফ তামিলনাদু" অমসুং (২০০৯) ৫ এস সি সি ৪১৭ (পেরা ৭৩ দগী ৭৫ ফাওবা) দা রিপোর্ত তৌরকখিবা **"ওল ইন্দিয়া অন্না দ্রাবিদা মুনিট্রা কাজহোগম ভরর্সেস এল. কে. ট্রিপাথি"** গী কেসশিংদা ইকাই খুম্নবগী মশক ওইরিবা সুপ্রীম কোর্টনা পাউ-চেদা ইবিদেন্দকি য়ুম্ফম ওইবগী মতাংদা লো অদু য়াম্না অমকপা য়াওদনা শেংনা থমখ্রিবনি, মদুদা পাউ-চেসু ইবিদেন্স এক্টকী মতুং ইন্না প্রমান তৌবা মথৌ তাই হায়না থমখ্রবনি।

হৌজিক্কী চথরিবা কেস অসিদা, মথক্কী পনখ্রিবা কেসশিং অসিদা ইকাই খুম্নবগী মশক ওইরিবা সুপ্রিম কোর্টনা থমখ্রবা লো অদুবু শুকইন ইন্দনা পাউ-চেগী রিপোর্টশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা রিত পিটিস্নরবু দিসক্বালিফাই তৌবিখিবা শিংনরিবা ওর্দর অদু স্পিকরনা তাখি। অসিগুম্বা স্পিকরগী থৌওংনি কন্সটিট্যুসন্না পীরিবা নিয়ম নিতিবু ইন্দবনি।

লর্নেদ সিনিয়র কাওন্সিলনা ইরোই লোইবদা অসুন্না থমখি মদুদি মথক্তা থমখিবা গ্রাওন্দ মরি অসি য়েংলগা তাং ১৮-০৬-২০২০ দা তাকিবা হুজিক শিংনরিবা ওর্দরদু লোইন-লোইননা তাং ১৮-০৬-২৯২৯ দা থোকখিবা হৌজিক ফংননবগীদমক ককথৎফম থোকই অমসুং চৎনহনফম থোক্তে।

২০. অহানবা মক্তদা, লেনিন হিজম, লর্নেদ এদিস্নেল এ জি, মনিপুরনা মতেং পাংশিন্দুনা রেস্পোন্দেন্ত নম্বর ১ অমসুং ২ গী লেপ্লিবা পি এস নরসিমহানা কন্সটিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াগী মখাগী প্রোবিজনশিং অসিদা কোর্ট অসিগী মিৎয়েং চিংশিনখি:-

**"আরটিকল ১৯২-মেম্বর ওইবদগী দিসক্কালিফাই তৌবা:-**

"(১) ......................

"(২) মী অমা মহাক ১০শুবা সেদ্যুলগী মখাদা স্টেট অমগী দিসক্কালিফাই ওইরবদি, লেজিসলেতিব এসেমব্লী নত্রগা লেজিসলেতিব পাওন্সিলগী মেম্বর ওইবদগী দিসক্কালিফাই তৌগনি।"

**"তরাশুবা সেদ্যুল"**

"(১) ইন্টরপ্রিটেসন ................

"(২) দল হোংদোক হোংজিন তৌবগী গ্রাওন্দা দিসক্কালিফাই তৌবা: (১) পেরেগ্রাফ ৪ অমসুং ৫ গী প্রোভিজনশিংগী মখা পোল্লগা রাজনিতি দল অমদা য়াওবা হাওসগী মেম্বর অমা হাওসকী মেম্বর ওইবদগী দিসক্কালিফাই তৌগনি-

"(এ) মহাক অসিগুম্বা রাজনিতি দল অদুগী মেম্বর ওইবদু মশানা য়ানা থাদোকচখ্রবদি; নত্রগা

"(বি) মানা য়াওরিবা রাজনিতি দল নত্রগা মদুনা মদুগী মহুৎশিন্না শক্তী পীরবা মীশক অমা নত্রগা ওথোরিতি অমনা জারিবা পাওতাক্কী মায়োক্তা মহাক্না কেস অমদা হেক্তা অসিগুম্বা রাজনিতি দল নত্রগা মীশক নত্রগা ওথোরিতিদুগী অয়াবা য়াওদনা অসিগুম্বা হাওসতা ভোত থাদরবা নত্রগা থাদদ্রবা অমসুং অসুন্না ভোত থাদবা নত্রগা থাদদবা অদু অসিগুম্বা রাজনিতি দল নত্রগা মীশক্তু নত্রগা ওথোরিতিদুনা অসিগুম্বা ভোত থাদখিবা নত্রগা থাদখিদবা তারিক্তুদগী নুমিৎ তরামঙাগী মনুংদা ঙাকপিদ্রবদি।

"(২) রাজনিতি দল অমনা থাগৎপা মীহুৎ অমা নত্তবীদা মীহুৎওইনা খল্লক্লবা হাওসকী মেম্বর অমা মহাক্না অসুন্না খল্লক্লবা মতুংদা রাজনিতি দল অমা য়াওরবদি হাওসতুগী মেম্বর অমা ওইবদগী দিসক্কালিফাই তৌগনি।

“৬ দল হোংদোক হোংজিন তৌবগী গ্রাওন্দা দিসক্কালিফিকেসন তৌবগী মতাংদা লাকপা ৱাফমশিং ৱারেপ লৌবা:-

(১) সেদ্যুল অসিগী মখাদা হাওস অমগী মেম্বর অমা দিসক্কালিফাই তৌরব্রা হায়বগী মতাংদা ৱাফম লাক্লবদি, মদুগী ৱাফম অদু অসিগুম্বা হাওস অদুগী চেয়রমেন নত্রগা স্পিকরগী, লৈরিবা মতুং ইন্না কেসতুগী ৱারেপ লৌনবগীদমক্তা পীথখিগনি অমসুং মহাক্না লৌবা ৱারেপ্পা অরোইবা ওইগনি:

অসুন্না ওইগনি মদুদি লাক্লিবা ৱাফম অদু হাওস অমগী চেয়রমেন নত্রগা স্পিকরনা অসুন্না দিসক্কালিফাই তৌহনখ্রব্রা হায়বগী মতাংদা ওইরবদি ৱাফম অদু মসিগী মতাং অসিদা মসিগী মীহুৎ শিন্না হাওসতুনা খল্লবা হাওসতুগী অসিগুম্বা মেম্বরনা ৱারেপ লৌনবা থাগনি অমসুং মহাক্কী ৱায়েন্না অরোইবা ওইগনি।

(২) সেদ্যুল অসিগী হাওস অমগী মেম্বর ওইবদগী দিসক্কালিফাই তৌবগী মতাংদা লাকপা ৱাফম অমগা হেক্তামরি লৈননা পেরগ্রাফ অসিগী সব পেরগ্রাফ (১) গী মখাদা চত্থবা প্রোসিদিং লোইনমক আর্টিকল ১২২ দা পীরিবা অমগী মনুং চন্না পারলিয়ামেন্তা চত্থবা প্রোসিদিংশিং নত্রগা আর্টিকল ২১২ দা পীরিবা অমগী মনুং চন্না স্টেট অমগী লেজিসলেচরদা চত্থবা প্রোসিদিংশিংননি, লৈরিবা কেসতুগী মতুং ইন্না, হায়না লৌগনি।”

“আর্টিকল ২১২লেজিসলেচরগী প্রোসিদিংশিংদা কোর্টনা খুৎ চঙলোইদৌবনি

(১) স্টেট অমগী লেজিসলেচরদা চত্থবা প্রোসিদিংশিংগী চৎনবা য়াবা য়াদবা অদু চৎন-কাংলোনগী নিয়ম নিতিদা অরানবা য়াওই হায়বগী গ্রাওন্তা শিংনরোইদবনি:

(২) লেজিসলেচরদা মদুদা চৎনগদৌবা নিয়ম নিতি নত্রগা থবক থৌরম চত্থবগী মওং নিয়ম নিতি নাইহন্নবগীদমক নত্রগা ইংনা চিক্না থবক থৌরম চত্থনবগীদমক্তা কন্সটিট্যুসন্না নত্রগা মসিগী মখাদা শক্তী পীরবা স্টেট অমগী লেজিসলেচরগী ওফিসার নত্রগা মেম্বর অমত্তা মদুগী শক্তিশিং অদু মহাক্না শিজিন্নবগী মতাংদা কোর্ট অমত্তগী জুদিসদিক্সন মখাদা থম্লোইদবনি।

(২১) মিস্টর পী. এস. নরসিমহা লর্নেদ সিনিয়র কাওন্সিলনা অসুন্না থম্মী মদুদি তরাশুবা সেদ্যুলগী পেরা ৬(২) গী মখাদা পীরিবা কন্সটিট্যুস্নেল প্রোবিজনশিং লোইননা ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ২১২ (১) না অসুন্না পী মদুদি স্টেট অমগী লেজিসলেচরদা চত্থবা প্রোসিদিংশিংগী চৎনবা য়াবা য়াদবা হায়বদু চৎন কাংলোনগী নিয়ম নিতিগী অশোইবা লৈরে হায়বা গ্রাওন্তা শীংনবা তৌরোইদবনি (কোর্টতা কেস তৌরোইদৌবনি।

ইকাই খুন্নবগী মশক ওইরিবা সুপ্রিম কোর্টনা অমসুং পঞ্জাব এন্দ হরয়ানা হায় কোর্টনা মথংশিংনা এ আই আর ১৯৬০ এস সি ১১৪৬ অমসুং ১৯৯৭ এস সি সি ওনলাইন পী এন্দ ঐছ ৭৮৭ দা রিপোর্ট তৌখিবা জজমেন্তশিংদা মপুং ওইনা য়ুম্ফম ওইরগা রেস্পোন্দেন্ত নম্বর ১ অমসুং ২ গী লেপ্লিবা লনের্দ সিনিয়র কাওন্সিলনা অসুন্না থম্মী মদুদি আইননা থম্বা চৎন-কাংলোনগী নিতি নিয়ম অদু চপ চান্না ইনখিদ্রে হায়বা ৱাফমদা স্টেত অমগী লেজিসলেচরগী মনুংদা চথবা থবক থৌরমগী চৎনবা য়াবা য়াদবদু শীংনবা য়াদে (কোর্টতা কেস তৌবা য়াদে)। অসুন্না মখা তানসু লনের্দ নিনিয়র কাওন্সিলনা থম্মী মদুদি স্পিকরনা কোর্ট অমা ওইনা মথৌ তৌবদা অমসুং দিসক্কালিফিকেসন তৌবগী মতাংদা লৈবা চয়েৎনবদুদা ৱায়েল পিবা ঙম্বগী শক্তী অদু ৱায়েল বিচার তৌবগী শকওংগী মতৌ লৌরবসু স্পিকরনা চথবা প্রোসিদিংশিং অসি ৱায়েল বিচারগী প্রোসিদিংশিং (কোর্টকী প্রোসিদিং) নি হায়না লৌবা য়াদবনা স্পিকরনা স্পিকরনা চথবা প্রোসিদিংশিংদা চৎনবা য়াদে।

(২২) অসুন্না থল্লে মদুদি চথরিবা কেস অসিদা রিট পিটিস্নর অসি ইন্দিয়ান নেস্নেল কংগ্রেস (আই এন সি) না থাগৎপা মীরেপ অমা ওইনা ২০১৭ গী মার্চ থাদা পাংথোকখিবা মীখলদা তরামাথোইশুবা লেজিসলেতিভ এসেমব্লিগী মেম্বর অমা ওইনা কারকখি। মদুগী মতুং তারকপদা,তাং ২/০৮/২০১৭ তা রিট পিটিস্নর অসিনা ইন্দিয়ান নেস্নেল কংগ্রেসকী অতোপ্পা এম এল এ অহুমগা লোইননা ইন্দিয়ান নেস্নেল কংগ্রেসকী রাজনিতি দলগী মেমবর ওইবদগী মশানা য়ানা তোকচখি অমসুং বি জে পিনা লুচিংবা চুংশিন্নবা সরকার অদুবু মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) গী রুলিং পার্টিদা য়াওশিনখি, অমসুং ইকাই খুন্নবগী মশক ওইরিবা মনিপুরগী চীফ মিনিস্টর শ্রী এন বিরেন সিংহনা শরুক য়াবা রিসেপসন সেরেমোনি অমা পাংথোক্লগা চীফ মিনিস্টর লোসননা আই এন সিগী অতোপ্পা এম এল এ অহুম্বু তরান্না ওকপগী থৌরম পাংথোকখি হায়বনা চিংবশিং পল্লদুনা দিসক্কালিফিকেসন গী কেস অদু চথরিবা রিট পিটিসন অসিগী পিটিস্নরগী মায়োক্তা থারকখি। হায়রিবা তরান্না ওকপগী থৌরম অদু প্রিন্ট অমসুং ইলেক্ট্রোনিক মেদিয়া মীয়াম খঙনা পাউ-চে অমসুং ইলেক্ট্রোনিক মেদিয়া ময়াম অমা ফোংখি। পাউ-চেশিং অমসুং ইলেক্ট্রোনিক মেদিয়াশিংদা ফোংখিবা হায়রিবা রিপোর্টশিং অদুদা মসি য়াম্না কুপ্না শন্দোক্না পনখি মদুদি চথরিবা রিট পিটিসন অসিগী রিট পিটিস্নর অমসুং আই এন সিগী অতোপ্পা এম এল এ,অহুম্না মখোয়গী হান্নগী রাজনিতি দল অদুগী মেম্বর ওইরিবদু মশানা য়ানা তোক্লগা বি জে পিদা য়াওরে অমসুং হায়রিবা তরান্না ওকপগী থৌরম অদুগী মীয়াম খঙনা ফোংখিবা অসিগুম্বা পাউ-চে অমসুং মেদিয়া

রিপোর্ট অদুনা রিট পিটিসন অসিগী পিটিস্নরনা বি জে পিগী ফিজোল শেৎপা অমসুং বি জে পিগী লুচিংবশিংনা তরাম্না ওকপদু য়াম্না শেংনা উৎলি।

(২৩) রেস্পোন্দেন্ত নম্বর ১ অমসুং ২ গী লেপ্লিবা লনের্দ সিনিয়র কাওন্সিলনা মখা তানা অসুম্না থমখি মদুদি রিট পিটিস্নরনা মশাবু বি জে পিগী মেম্বর অমনি হায়না শক তাকচদুনা মাগী লোকেল এরিয়াশিংদা বি জে পীগী অতোপ্পা মেম্বরশিংগা লোইননা বি জে পি গী মেম্বর অমা ওইনা বি জে পী না শিনবা রাজনিতিগী থবক থৌরমশিং অমসুং প্রোগ্রামশিংদসু শরুক য়াখি। অসিগুম্বা থেরমশিংগী ফোটোগ্রাফশিং দিসক্কালিফিকেসনগী কেসশিং অসিদা থাজিনখ্রবনি। মসিগী মতুং ইন্না লর্নেদ সিনিয়র কাওন্সিলনা অসুম্না থম্বী মদুদি চথরিবা রিট পিটিসন অসিগী পিটিস্নরগী অসিগুম্বা থবক থৌওং অমসুং মওং অসিনা মহাক্না মশানা য়ানা মাগী হান্নগী রাজনিতি দলগী মেম্বর ওইবা তোক্লগা বি জে পী গী রাজনিতি দলদা য়াওখি হায়বসি য়াম্না শেংনা উৎলি, অমসুং মসিগী মতুং ইন্না, কন্সটিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াগী তরাশুবা সেদ্যুলগী পেরা ২ (১) (এ) গী মখাদা দল হোংদোক হোংজিন তৌবগী কন্সটিট্যুসন্না পীবা থৌওংদু চথরে হায়বসি চিংননিংঙাই লৈত্রে অমসুং অসুম তৌবনা, রিট পিটিসন অসি তরামাথোইশুবা মনিপুর লেজিসলেতিভ এসেমব্লিগী মেম্বর অমা ওইবদগী দিসক্কালিফাই তৌফম থোকই।

(২৪) রেস্পোন্দেন্ত নম্বর ১ অমসুং ২ গী লেপ্লিবা লনের্দ সিনিয়র কাওন্সিলনা অসুম্নসু থম্মী মদুদি মথক্তা পনখ্রিবা দিসক্কালিফিকেসনগী কেস অহুম অসিগা মরি লৈননা রিট পিটিস্নরনা থাজিল্লকখিবা রিতন স্টেটমেন্তদা লোইন-লোইননা চথরিবা রিট পিটিসন অসিগী প্লিদিশিংদা মহাক আই এন সিগী অতোপ্পা এম এল এ অহুমগা লোইননা মখোয়না আই এন সিগী মেম্বর ওইবদগী মশানা য়ানা তোকচরগা বি জে পীদা য়াওবগী থৌওংদুগী তাং ২৮/০৪/২০২০ দা ওকপগী থৌরম অমা পাংথোক্লগা তরাম্না ওকখি হায়বা অমসুং অদুগুম্বা থৌরমদু পাউ-চেশিং অমসুং ইলেক্ট্রোনিক মেদিয়াশিংদা ফোংখি হায়না শিরিবা মরালদু রিট পিটিস্নরনা অকক্লনা য়াদবসু তৌদে। পাউ-চেগী রিপোর্টশিং থাজনিঙাই ওইদবনা মদুদা য়ুস্ফম ওইবা য়াদে অমসুং পাউ-চে অমসুং মেদিয়া রিপোর্টনা মাগী মায়োক্তা দিসক্কালিফিকেসনগী প্রোসিদিংশিং চথনবগী য়ুস্ফম ওইবা য়াদে হায়রগা রিট পিটিস্নরনা মঙোন্তা শিরিবা মরালদু য়াখিদে। মসিগী মতুং ইন্না অসুম্না থল্লে মদুদি দিসক্কালিফিকেসনগী পিটিসনশিংদুদা অকক্লনা য়াদবদু লৈতবনা রিট পিটিস্নরনা আই এন সিগী মেম্বর ওইবদু মশানা য়ানা তোকচরে হায়বগী স্পিকরগী মমাংদা মতিক চানা চে-চাং শিং লৈবনা চথরিবা রিট পিটিসন অসিগী রিট পিটিস্নরবু স্পিকরনা দিসক্কালিফাই তৌবা অসি চপ চানা চুম্মী।

(২৫) রেস্পোন্দেন্ত নম্বর ১ অমসুং ২ গী লেপ্লিবা লনের্দ সিনিয়র কাওন্সিলনা মখাগী কেসশিং অসিদা ইকাই খুম্নবগী মশক ওইরিবা সুপ্রিম কোর্টনা পীখিবা জজমেন্ততা মপুং ওইদা য়ুম্ফম ওইখি:-

(১) "রবি এস নায়ক ভর্সেস উনিয়ন ওফ ইন্দিয়া এন্দ অর্দস", ১৯৯৪ সপ্লি (২) এস সি সি ৬৪১ দা রিপোর্ট তৌরকখিবা (পেরা ২৪ এন্দ ২৪)

"২৪ মসি চীংননিঙাই লৈতনা চুম্লে অদুদি দিসক্কালিফিকেসন রুল্সকী রুল ৭ (৩০) (বি) গী মখাদা অসুম্না পী মদুদি পিটিসন অমসুং মদুদা য়াওবা এনেক্সরশিংগী কোপিশিং ফংবদগী নুমিৎ তরেৎনিগী মনুংদা মরি লৈনবা মেম্বরশিংনা পিটিসনশিং অদুগী মতাংদা অইবা ওইনা মখোয়না ৱারোলশিং পীশিনবা য়াস অমসুং হৌজিক চথরিবা কেশ অসিদদি অপিলেন্তশিংদা মখোয়গী পাউখুমশিং পীননবগী নুমিৎ নিনিখক্তং পীখি। অদুম ওইনমক আপিলেন্তশিংনা পিটিসনশিং অদুগী মখোয়গী পাউখুমশিং অদু হায়রিবা মতম অদুগী মনুংদা পীশিনখি অমসুং হায়রিবা পীউখুমশিং অদু য়াম্না পুপ্না ৱারোলশিং য়াওই। ডা ৱিলফ্রেদ দি সৌজাগা লোইনরগা দিসেম্বর তাং ১০, ১৯৯০দা মখোয়না গর্ভনর উন্নখি হায়বগী মতাংদা পিটিসন অদুগী পেরগ্রাফ ১১ দা শিরিবা মরালদু আপিলেন্তশিংনা য়াদবা তৌদে অমসুং আপিলেন্তশিংনা এম জি পিগী মেম্বর ওইবদগী মশানা য়াজনা তোকচরে হায়না আপিলেন্তশিংগী থৌওং থৌদৌদগী লৌবা য়াব্রা হায়বসি অমত্তং ঙাইরবা চয়েৎনরিবা ৱাফমদুনি হায়বনচিংবসি য়েংলগা, পাউখুম পিননবগী মতিক চানা মতম পিদবনা আপিলেন্তশিংবু দিসক্কালিফাই তৌননবা থারক্লিবা পিটিসনশিংদা য়াওরিবা শিরিবা মরালশিং অদু ঙাকথোকচনবা আপিলেন্তশিংদা মতিক চানা খুদোং চাবা ফংহনবিখিদ্রে হায়বা য়াদে।

"২৫ স্পিকরনা তাবা শিংনরিবা ওর্দরদা য়াওবা পাউ-চেশিংগী মতাংদা পল্লিবদুগী মতাংদনি, মহাক এম এল এ ২০ না শৌগৎলি হায়বা উৎননবা মখোয়বু পুরুবা ডাক্তর ৱিলফ্রেদ দি সৌজাগা লোইননা মখোয়না গর্ভনর উন্নখিবা মতমদা আপিলেন্তশিংবু কংগ্রেস (আই) এম এল এ শিং অমসুং ডা বরবোসাগা চিংবগা লোইননা উৎপা পাউ-চেশিংদা ফোংলকপা ফোটোগ্রাফশিংদু স্পিকরনা মাগী ওর্দরদা পনবা খক্তং ওইনা উই। ফোটোগ্রাফশিংঅদু পনবদুনা আপিলেন্তশিং মশানা য়াজদবা তৌদবা ফেক অমগী মতাংদা হায়বদি কংগ্রেস (আই) এম এল এ শিংনচিংবা য়াওরগা দিসেম্বর তাং ১০, ১৯৯০ দা মখোয়না ডা ৱিলফ্রেদ দি সৌজা অমসুং ডা বরবোসাগা লোইনরগা গর্ভনর উন্নখি হায়না স্পিকরনা লৌজবনি হায়না হায় কোর্টনা চুম্না থম্লে। স্পিকরগা গর্ভরনরগা শান্নখিবা ৱারিদুসু হায়রিবা ৱাফমদু পল্লি। দিসেম্বর তাং ১০, ১৯৯০ দা ডা. অমসুং ৱিলফ্রেদ দি সৌজা অমসুং কংগ্রেস এম এল এশিং লোইনরগা মখোয়না গর্ভনর উন্নখি হায়না পল্লিবদু আপিলেন্তশিংনা য়াদবদু লৈতবনা, চয়েৎনরিবা ৱাফমদু মখোয়না এম জি পীগী মেম্বর ওইবদগী মশানা য়াজনা তোকচরে হায়না

আপিলেন্তশিংগী হায়রিবা থৌওংদগী লৌবা য়াব্রা হায়বদুদা ঙাইরে। দিসক্কালিফিকেসনগী শিংনরিবা ওর্দরদা পাউ-চেশিং রিপোর্টশিং অমসুং স্পিকরনা গর্ভনরগা শান্নবা ৱারিনচিংবা পনবদুনা লৈরিবা ফিভমশিং অসিদা প্রিন্সিপল্স ওফ নেচরেল জজতিস ইন্দনা তাবনি হায়না হায়রিবা ওর্দর অদুবু চৎনবা য়াহল্লোইদবগী মরম লৈতে।

(২) "জগজিত সিংহ ভর্সেস স্টেট ওফ হরয়ানা এন্দ অর্দর্স" (২০০৬) ১১ এস সি সি ১দা রিপোর্ট তৌরকখিবা (পেরা ১৪)

"১৪ অহৌবমক্তদা, ঐখোয়না অসুন্না হায়বা য়াই মদুদি প্রিন্সিপল্স ওফ নেচরেল জজতিস ইন্দ্রে হায়বগী ৱাকৎ খন্নবা মতমদা তরাশুবা সেদ্যুলগী মকাদা চত্থবা প্রোসিদিংশিং অসি কোর্টতা চত্থবা ট্রাইএল নত্রগা এমপ্লোয়ি অমগী মায়োক্তা দিসিপ্লিনরি এক্সন লৌখৎনবগী চত্থবা দিপার্টমেন্টেল প্রোসিদিংশিংগা চাংদম্নবা য়াদে হায়বসি খঙজিনবা দরকার ওই। অদুবু হৌজিক খন্নরিবা প্রোসিদিং অসিদি মীয়ামগী খল্লবা মীহুৎশিংগী মায়োক্তা চত্থবনি অমসুং বিচারপতিদু না স্পিকর অমা ওইবগী য়াম্না ৱাংবা মনিংতম্বা ওফিস পাই। অসিগুম্বা ট্রাইব্যুনেল অমদা চত্থবা প্রোসিদিংশিং অসিগী মতাংদা জুদিসিএল রিভ্যু তৌবগী স্কোপ অসি ইরৈ লৈতে। ঐখোয়না মসি মখা তানা হায়বা য়াই মদুদি জুদিসিএল রিভ্যু তৌবগী পাক চাওবসি ইরৈ লৈত্রবসু প্রিন্সিপল্স ওফ নেচরেল জজতিস ইনবা তাই অমসুং মখোয় য়াওদবা/ইন্দবদা ওর্দরশিংদু চৎনবা য়াদবা ওইগনি। মরম চাবা খুদোং চাবদু ফংহনবিখিদ্রে হায়বগী পেন্দবদু অচুম অরান লেপ্পবগী খল চাংদু অদুম ওইনমক্তী খেন্নগনি। মখা তানা হায়রবদা ট্রাইবুনেলদুনা লৌরিবা ফিরেপ অমনা হেন্না মরম ওধরবদি, অতোপ্পা ফীরেপ অমনা হেন্না মরম চাই হায়বা গ্রাওন্দা কোর্টনা ওর্দর অদু ককলোইদবনি। অশেংবমক ট্রাইবুনেলদুনা কেস অদুগী ফেকশিং অমসুং লৈরিবা ফিভমশিংদু পুল্লপ্পা য়েংলগা মেম্বর অমগী থবক থৌওংদগী ৱারেপ লৌজবা য়াই।

(২৬) প্রিন্সিপল ওফ নেচরেল জজতিস ইন্দবগী মতাংদা রিট পিটিস্নরগী মহুৎ শিন্না থাঙ্গৎলকখিবা অহানবা গ্রাওন্দগা মরি লৈননা রেস্পোন্দেন্ত নম্বর ১ অমসুং ২ গী লেপখিবা লর্নেদ সিনিয়র কাওন্সিলনা সুপ্রিম কোর্ট অমসুং তোঙান-তোঙানবা হায় কোর্টশিংদা অসুন্না থম্মী মদুদি দিসক্কালিফিকেসনগী পিটিসনশিং অদুদা রিতন স্টেটমেন্ত থাজনবগী মহুত্তা লোইশিন্দনা লৈরিবা দিসক্কালিফিকেসনগী কেসশিং পুন্নমক্তা দিসক্কালিফিকেসনগী কেসশিং অসিদা পার্টিশিংনা হায়বদু তারবা মতুংদা, দিসক্কালিফিকেসনগী কেসশিং অদু চৎনবা য়াবা য়াদবগী মতাংদা প্রিলিমিনরি ইশুশিং থাঙ্গৎলকখিবা মিসিলিনস এপ্লিকেসন লোইনমক স্পিকরনা তাং ৬/৬/২০২০ দা কমন ওর্দর অমা তারগা ককথৎখি। হায়রিবা মিসিলিনস কেসশিং অসি লেশিল্লবা মতুং খক্তদং, চত্থরিবা রিট পিটিসন

অসিগী পিটিস্নরনা তাং ১২-৬-২০২০ খক্তদা রিতন স্টেটমেন্ত অমা থাজিনখি। স্পিকর মশা ঙমদবনা, হান্না তাং ১৭-০৬-২০২০ দা মতম লেপখিবা দিসক্কালিফিকেসনগী কেসশিংগী হিয়ারিংগী তারিখ অদু তাং ১৭-০৬-২০২০ দগী তাং ১৮-০৬-২০২০ দা মতম ঙনখৎহনখি। অসুম্না থল্লে মদুদি স্পিকরগী হকচাংগী ফিভম ফগৎলকপা অমসুং পন্দুনা লৈরিবা কেসশিং চয়োল মরিগী মনুংদা লোইশিন্নবা স্পিকরদা খঙহল্লকখিবা  ইকাই খুম্নবগী মশক ওইরিবা সুপ্রিম কোর্টনা সিবিল আপিল নম্বর ৫৪৭/২০২০ দা তাং ২১-০১-২০২০ দা তাখিবা জজমেন্তগী মখাদা পীরকখিবা য়াথং অদু য়েংলগা স্পিকরনা দিসক্কালিফিকেসনগী পন্দুনা লৈরিবা কেসশিং অদু তুনা লোইশিননিংবগী স্পিকরগী অপাম্বা অদুনা মরম ওইরগা দিসক্কালিফিকেসনগী কেসকী হিয়ারিং মতমদা ঙনখৎহনখিবনি।

(২৭)  রেস্পোন্দেন্ত নম্বর ১ অমসুং ২ গী লেপ্লিবা লর্নেদ সিনিয়র কাওন্সিলনা অসুম্নসু থম্মী, দিসক্কালিফিকেসনগী কেসকী হিয়ারিংগী মতম ঙনখৎহনবগী তাং ১৭-০৬-২০২০ দা থোকখিবা নোটিস অদু কেসতুগী য়াম্না য়াম্না থুবদা য়েংলগা অমসুং ৱাটচ-অপ কী খুথাংদা নোটিস থাবসি কোভিদ ১৯ পেন্দেমিক্কা মরি লৈননা থম্বা অথিংবশিং য়েংলগা সুপ্রিম কোর্ট অমসুং তোঙান-তোঙাম্বা হায় কোর্টশিংদা নোটিস পিবগী অয়াবা পীরবা মওংওইবদুসু য়েংলগা, মখোয়গী মায়োক্তা দিসক্কালিফিকেসন নোটিসশিং পন্দুনা লৈরিবা রিট পিটিসন অসিগী পিটিস্নর য়াওনা এম এল এ তরেৎপু মহুৎ শিন্দুনা লেপ্লিবা কাওন্সিলশিংগী মরক্তা অমা ওইরিবা মশিং ওইনা পল্লবদা এস. গুনবন্তা মৈতৈ, লর্নেদ কাওন্সিল, মাগী ৱাটচ-অপ নম্বরদা ফংহনখি।

(২৮)  অসুম্নসু থম্মী মদুদি রিট পিটিস্নরগী কাওন্সিল ওইরিবা মিস্টর এস. গুনবন্ত মৈতৈনা তাং ১৭-০৬-২০২০ দা থোকখিবা হায়রিবা নোটিস অদু মাগী ৱাটচ-অপ নম্বরদা ফংবদু রেকোর্দতা লৈ। মসিগীসু মথক্তা, মখোয়গী মায়োক্তা দিসক্কালিফিকেসনগী কেস পন্দুনা লৈরিবা এম এল এশিংগী মরক্তা অমগী মহুৎ শিল্লগা তাং ১৮-০৬-২০২০ দা কোর্ট অসিদা দব্লিউ পি সি নম্বর ২৯৮/২০২০ ফাইল তৌরগা হায়রিবা নোটিস অদুবু শিংনরকখিবা অদুদগীসু মিস্টর এস. গুনবন্ত মৈতৈনা তাং ১৭-০৬-২০২০ দা নোটিস অদুবু ফংখি হায়বসি শেংনা তাক্লে।

(২৯)  মখা তানা অসুম্নসু থম্মী মদুদি হায়রিবা দব্লিউ পি (সি) নম্বর ২৯৮/২০২০ অদু তাং ১৮-০৬-২০২০ দা কোর্ট অসিদা অনলিস্টেদ আইতেম ওইনা য়াওখি অমসুং নুমিত্তু মক্তদাকোর্ট অসিনা দিসক্কালিফিকেসনগী কেসশিংঅদুদা ওর্দর/জজমেন্ত স্পিকরনা লাওতোকপা অথিংবা থম্বা মরক্কি ওর্দর/ইন্ত্রিম ওর্দর তাখি। হায়রিবা ওর্দর অদুগী ওপরেটিব পোৌসন অদু মখাগী অসুম্না থল্লে:-

"১.   চত্থরিবা রিট পিটিসন অসে মসিদা য়াওরিবা য়াম্না থুবা থিন্থবা য়াদবা মচাক্তু য়েংলগা ইকাই খুম্নবগী মশক ওইরিবা চীফ জজতিসনা তৌরকপা মেঙ্গন অদু অয়াবা পীরবা মতুংদা খন্ননবা লৌখৎপনি। তাং ১৭-০৬-২০২০ দা থোকপা কোজ লিস্ট অদু (তাং ১৭-০৬-২০২০ হায়না লান্না টাইপ তৌরম্বা) মসিগী রিট পিটিসন অসিদা শীংনরি।

"২   মিস্টর ঐছ এস পাওনম লর্নেদ সিনিয়র এডভোকেতনা অসুম্না থল্লে মদুদি তাং ১৭-০৬-২০২০ দা থোকখিবা নোটিস অদু মদু থোকখিবগী মওং মতৌদু মীচং মীখাই নাইবা. মরম চাদবা অমসুং আইন্না য়াদবা ওই, মরমদি তাং ৬-০৬-২০২০ দা দিসক্বালিফিকেসনগী নোতিস অদু তাং ১৭-০৬-২০২০ দা তৌরগনি হায়না খঙহল্লদুনা স্পিকরগী ট্রাইবুনেলনা ওর্দর অমা থোকখি অদুবুতাং ১৬-০৬-২০২০ দা স্পিকর মশা ঙমদে হায়বা গ্রাওন্দা মখা তাবা প্রোসিদিংশিং চত্থনবা হায়রিবা পিটিসনশিং অদুবু তাং ২২-০৬-২০২০ দা পাইখৎলগনি হায়না নোটিস অমা থোককি। মহাক্না মখা তানা অসুম্না থল্লে মদুদি তাং ১৭-০৬-২০২০ গী হায়বদি ঙরাংগী অহিং অথেংবদা হায়রিবা পিটিসনশিং অদু তাং ১৮-০৬-২০২০ দা নৌনা মতম লেপ্লে হায়বদু ৱাটচ-অপ কী খুত্থাংদা মদুগী কোপিশিং অদু কাওন্সিল খরনা ওফিসিএল ওইনা ফংদ্রবসু হায়রিবা পিটিসনশিং অদু তাং ১৮-০৬-২০২০ দা নৌনা মতম লেপ্লে হায়না মেসেজ অমা কাওন্সিল খরনা মখোয়গী ৱাটচ-অপকী খুত্থাংদা  ফংখি, (হায়রিবা নোটিস অদুদসু তাকথোক্তে)/মথক্তা হায়খিবশিং অসি য়েংলগা তাং ১৭-০৬-২০২০ দা থোকখিবা কোজ লিস্ট অদু ককথৎনবা অমসুং চৎনহন্দনবা হায়জরক্লে। ...

6   মথক্তা হায়খিবশিং অসি য়েংলগা রেস্পোন্দেন্তশিংদা নোটিস থারো, অদুগা নোটিস হল্লকপগী তারিখনা তাং ১৯-০৬-২০২০ হায়বদি হয়েং ওইরে, অমসুং পার্টিশিংগী লেপ্লিবা লর্নেদ কাওন্সিলশিংনা নোটিসশিং অদু লৌখ্রবনিনা, ফোরমেল ওইনা নোটিস থাররোই।

মরক্কী ওইনা লৌখৎপা খোংথাং ওইনা অমসুং ইকাই খুম্নবগী মশক ওইরিবা স্পিকরগী মাংদা লোইশিন্দনা লৈরিবা পিটিসনশিং অদু লোসশিনবদা মখা তানা লুশিনহন্দনবা, অসুম্না য়াথং তারে মদুদি রিজার্ব থমখ্রবা মসুং ঙসি ইকাই খুম্নবগী মশক ওইরিবা স্পিকরনা লাওতোক্কদবা জজমেন্ত/ওর্দরদু হয়েং ফাওবা লাওথোক্তনা থমগদমনি। অসুম্নসু ময়েক শেংনা হায়রি মদুদি ইকাই খুম্নবগী মশক ওইরিবা স্পিকরনা ঙসি রির্জাব তৌবা ওর্দর/জজমেন্ত অদু মহাক্না হয়েং ফাওবা লাওথোক্লোইদবনি"।. . .

(৩০)  রেস্পোন্দেন্ত নম্বর ১ অমসুং ২ গী মহুৎশিন্না অসুম্না থল্লে মদুদি তাং ২২-০৬-২০২০ দগী তাং ১৮-০৬-২০২০ দা দিসক্বালিফিকেসনগী কেসশিংগী হিয়ারিংগী মতম ঙনখৎহনবগী তাং ১৭-

০৬-২০২০ দা থোকখিবা নোটিস ফংলবসু অমসুং দিসক্কালিফিকেসনগী কেস অদু তাং ১৮-০৬-২০২০ গী পুং ১ পি এম দা হিয়ারিংগীদমক্তা পাইখৎকনি হায়বদু খঙলবসু, রিট পিটিস্নর অমসুং মাগী কাওন্সিলনা স্পিকরগী মমাংদা লাক্তনবা লেপখি। মদুগী মতুং ইন্না, হায়রিবা দিসক্কালিফিকেসনগী কেসতু মখোয় য়াওদনা স্পিকরনা তাখি অমসুং লোইশিনখি (দিস্পোজ তৌখি)। লৈরিবা অসিগুম্বা ফেকশিং অমসুং লৈরিবা ফিভমশিং অসি য়েংলগা রিট পিটিস্নরগী মহুৎশিন্না থল্লিবা ৱাফমশিং মদুদি মঙোন্দা মানা হায়বদু তাবিনবগী খুদোং চাবা অমত্তা পিবিখিদে অমসুং মদুদি তাং ১৮-০৬-২০২০ দা তাখিবা শিংনরিবা ওর্দর অদু নেচরেল জজটিস প্রীন্সিপলশিং ইন্দনা তাখিবনি হায়বসি পুমলান লাল্লি, য়ুস্ফম য়াওদে অমসুং আইনগী মিৎয়েংদা চৎনবা য়াদে, অমসুং মদুগী মতুং ইন্না, মদুবু ককথৎপদা (রিজেক্ট তৌবা) মতিক চাই।

(৩১) রেস্পোন্দেন্ত নম্বর ৩ গী লেপ্লিবা এন. ইবোতোম্বী লর্নেদ সিনিয়র এডভোকেতনা অমসুন্না হায়রে, মদুদি হায়রিবা দিসক্কালিফিকেসনগী কেসকি প্লিদিংশিংদা রিট পিটিস্নরগী থওং থৌদৌদুগী মতাংদা য়াম্না চুল্লবা শোইনিঙাই লৈত্রবা ৱাফমশিং থমখ্রে অমসুং মীয়াম খঙনা তোঙান-তোঙানবা প্রিন্ট অমসুং ইলেক্ট্রোনিক মেদিয়াশিংদা ফোংখিবা রিপোর্টশিংনা শৌগৎলদুনা রিট পিটিস্নরনা মশানা য়াজনা ইন্দিয়ান নেস্নেল কংগ্রেস (আই এন সি) গী মেম্বর ওইবা তোকচরগা বি জে পী য়াওখি হায়না উৎপা থবক থৌরমশিংসু পনখ্রে। পাউ-চেশিং ফোটোগ্রাফশিং, দি ভি দি শিংনচিংবা য়াওনা মশিং য়াল্লবা দোকুমেন্ত ময়াম অমনা মখোয়গী হান্নগী রাজনিতি দল হায়বদি আই এন সি মশানা য়ানা তোকচরগা বি জে পিদা য়াওরকপগীদমক রিট পিটিস্নর অমসুং অতোপ্পা মখোয় অহুম্বু তরাম্না ওকলদুনা পি জে পিনা পাংথোকপা রাজনিতিগী থবক থৌরমশিংদা শরুক য়াখিবা অতোপ্পা থৌরমশিংসু শেংনা উৎলি। অদুম ওইনমক, রিট পিটিস্নরনা থারকখিবা রিতন স্টেটমেন্ত লোইন-লোইননা চথরিবা রিট পিটিসন অসিগী প্লিদিংশিংদা রিট পিটিস্নরনা মহাক তাং ২৮-০৪-২০১৭ তা বি জে পীদা য়াওখি হায়বদু অকক্লনা য়াদবা তৌতে অমসুং পাউ-চেশিং লোইন-লোইননা মদুদা য়াওবা পাউ-চেগী রিপোর্টশিংগী অচুম্বদুসু অকক্লনা য়াদবা তৌদে। লর্নেদ সিনিয়র কাওন্সিলনা অসুন্নসু থল্লে মদুদি হৌজিক ফাওবদা রিট পিটিস্নরনা মহাক্না মাগী হান্নগী রাজনিতি দল অদু তোক্লগা বি জে পিদা য়াওখিবগী মতাংদা ফোংবা পাউ-চেগী রিপোর্টতু মীয়াম মাংদা নত্রগা স্পিকরগী মমাংদা কৈদৌঙৈদসু য়াদবা তৌদে, সমা লোচনা তৌদে নত্রগা ফোংদোকপসু তৌদে। লর্নেদ সিনিয়র এডভোকেতনা অসুন্না মখা তানসু থম্মী মদুদি হায়রিবা মাগী রিতন স্টেটমেন্ত অদুদা পাউ-চেগী রিপোর্টসি থাজনিঙাই ওইদবনা মদুদা য়ুস্ফম ওইরগা মাগী মায়োক্তা কন্সটিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াগী

তরাশুবা সেদ্যুলগী পেরা ২ (১) (এ) গী মখাদা দিসক্কালিফিকেসনগী প্রোসিদিং লৌখৎপা য়াদে হায়না হায়রদুনা রিট পিটিস্নরনা অকক্লবা নত্তবা ইচম চম্না পুল্লপকী ওইনা মানা য়াদবদু হায়।

(৩২) অসুম্নসু থম্মী মদুদি স্পিকরনা দিসক্কালিফিকেসনগী কেসশিং লোইনবক পুল্লপনা পাইখৎখি অমসুং মাগী মমাংদা লৈরিবা প্লিদিংসিং অমসুং চে-চাংশিং মরুওইনা, আই এনসিগী মেম্বর ওইনা মশানা থাজনা থোক্লগা বি জে পিদা য়াওরকপদা ওকপগী থবক অমা পাংথোক্লগা তাং ২৮-০৪-২০১৭ তা রিট পিটিস্নরবু বি জে পীনা পাংথোকপা হায়রিবা ওকপগী থৌরমগী আই এস টি বি নিয়ুজ, অমসুং ভিদিও ক্লিপ্পিংশিং য়াওবা দি ভি দি অমসুং পাউ-চেগী রিপোর্টশিং লৈবদুগী মতাংদা য়েৎনবা লৈতবদু য়েংলগা; স্পিকরনা পিটিস্নরবু মনিপুর লেজিসলেতিভ এসেমব্লিগী মেম্বর ওইবদগী দিসক্কালিফাই তৌখিবা তাং ১৮-০৬-২০২০ দা তাখিবা হৌজিক শিংনরিবা ওর্দর অদু তাখি। স্পিকরনা তাখিবা শিংনরিবা হায়রিবা ওর্দর অদুদা খুৎ থিংজিননবগী গ্রাওন্দা সুললৈ লৈতে হায়না লর্নেদ সিনিয়র কাওন্সিলনা কন্না থমখি।

(৩৩) লান্না তৌখি হায়বগী মতাংদা থাঙ্গৎলকপা গ্রাওন্দা অদুগা মরি লৈননা রিট পিটিস্নরগী মহুৎশিন্না থল্লকখিবা ৱাফমশিং অদুবু শিংনরদুনা এন. ইবোতোম্বী লনের্দ সিনিয়র কাওন্সিলনা অসুম্না থম্মী মদুদি অতৈ অতোপ্পা এম এল এ শিংগী মায়োক্তা থারকখিবা দিসক্কালিফিকেসনগী কেসশিং অদু ককথৎখিবা স্পিকরনা তাবা ওর্দরশিং অদুবু শিংনরদুনা অমসুং মখোয়বু দিসক্কালিফাই তৌবিনবা হায়জরদুনা হায় কোর্ট অসিদা তোঙান-তোঙানবা রিট পিটিস্নশিং অদু লোইশিন্দনা লৈরিঙৈদা মখোয়গী মায়োক্তা দিসক্কালিফিকেসনগী কেসশিং লোইশিন্দনা লৈরিবা এম এল এশিং অদু মনিপুর অমসুং মদুগী মতুংদা হায়রিবা এম এল এশিং অদুনা মফম তাদোকখিবদগী হাংদুনা লৈরিবা কন্সটিটুএন্সিশিংদা বাই ইলেক্সন পাংথোকখি মথক্তা পনখ্রিবশিং অসি য়েংলগা, হায়রিবা রিট পিটিসনশিং অদু কেসশিং অদুগী মেরিত্তু খন্নদনা ইনফ্রকচুঅস ওইদুনা দিস্পোজ তৌখি। রেস্পোন্দেন্ত নম্বর (৩) থ্রীগী লেপ্লিবা লনের্দ সিনিয়র কাওন্সিলনা অসুম্না থম্মী রিট পিটিস্নরনা আই এন সিগী মেম্বর ওইবদু মশানা য়াজনা তোক্লগা বি জে পিদা য়াওখি হায়বদু উৎপা য়েৎনদ্রবা মচাকশিং অদুদা য়ুম্ফম ওইরগা রিট পিটিস্নরবু কন্সটিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াগী তরাশুবা সেদ্যুলগী পেরা ২(১) (এ) গী মখাদা স্পিকরনা দিসক্কালিফাই তৌখি। স্পিকরনা দিসক্কালিফাই তৌখিদবা অতোপ্পা এম এল এশিংগী মতাংদা লৈরিবা ফেকশিং অমসুং লৈরিবা ফিভমশিং অদু চখ্থরিবা রিট পিটিসন অসিগী পিটিস্নরগা মান্ননা লৈবনা, মখোয়সু মনিপুর লেজিসলেতিব এসেমব্লিগী মেম্বর ওইবদগী দিসক্কালিফাই তৌফম থোকপনি মরমদি মখোয়নসু মখোয়গী হান্নগী রাজনিতি দল অদুগী মেম্বর অতোপ্পা এম এল এশিংগী মতাংদা তৌখিবা দিসক্কালিফিকেসনগী কেসশিং ককথৎখিবগী কান্নবা

অদু চথৱিবা রিট পিটিসন অসিগী পিটিশ্নরদসু ফংহনফম থোকই হায়না রিট পিটিশ্নরগী মহুৎশিন্না থাঙ্গৎলকখিবা ৱাফমশিং অদু মেরিত অমত্তা য়াওদে অমসুং মদুনা মরম ওইরগা খুদক্তা ককথৎপা মতিক চাই।

(৩৪) এ আই আর ১৯৯৪ এস সি ১৫৫৮(পেরা ১৮-২০ এন্দ ২৪-২৯) দা রিপোর্ট তৌরকখিবা **"রবি এস নায়ক ভরর্সেস উনিয়ন ওফ ইন্দিয়া এন্দ অর্দস," এ আই আর ১৯৯৬ এস সি ১০৬০** (পেরা ৭, ১০-১৩) দা রিপোর্ট তৌরকখিবা **"জি বিশ্বানাথ** ভর্সেস **দা স্পিকর টামিলনাদু লেজিসলেতিব এসেমব্লি,"** এ আই আর ২০০5 এস সি ৬৯ (পেরা ৭, ১১, ১৫, ১৬ এন্দ ১৯) দা রিপোর্ট তৌরকখিবা মনচন্দ্রা প্রসাদ ভরর্সেস **চেয়রমেন বিহার লেজিসলেতিভ কাওন্সিল,** এ আই আর ২০০৭ এস সি ৫৯০ (পেরা ৩, ১০, ১৪, ২২-২৪, ২৬, ২৮-২৯, ৩৪, ৩৫, ৩৭, ৩৮ ৪২-৪৪, ৪৮-৪৯, ৫১-৫২, ৮০-৮৬) তা রিপোর্ট তৌরকখিবা **"জগজিৎ সিংহ** ভরর্সেস **স্টেট ওফ হরয়ানা এন্দ অর্দস,"** এ আই আর ২০০৭ এস সি ১৩০৫ (পেরা ১১, ২২, ২৫, ৩৪, ৩৫, ৪০-৪২, ৪৪, ৪৫, ৪৮, ৪৯-৫৩) দা রিপোর্ট তৌরকখিবা **"রাজেন্দ্র সিংহ রানা** ভরর্সেস স্বামি প্রসাদ য়াওরিবা এন্দ অর্দস, (১৯৯৯) ৪ এস সি সি ৫৩৬ (পেরা ৪ এন্দ ২৯) দা রিপোর্ট তৌরকখিবা **"কে ভেনকতা** চলম ভরর্সেস **এ স্বামিকান** এন্দ অন্দর" এ আই আর ২০১৩ এস সি ১১৮১ (পেরা ১৬) দা রিপোর্ট তৌরকখিবা **"স্পিকর উরিশ্যা** ভরর্সেস **উটকল নর্রিদা,"** এ আই আর ২০১৩ অনধ্রপ্রদেস ৬৫ (পেরা ৮(৬), ৯, ১৩, ১৪-১৭, ২০, ২২, ২৭-৩৩) দা রিপোর্ট তৌরকখিবা **"কোন্দা মুরলিধর রাও** ভরর্সেস **ডা. এ. চক্রপন,"** এম এল পি (সি) নম্বর ১০৩৭৭/২০১৩ দা তাং ২১-০৩-২০১৩ দা তাখিবা ওর্দর অমসুং এ আই আর ২০১৮, এস সি ৩৯১৮ (পেরা ২৩) দা রিপোর্ট তৌরকখিবা, **"সাইলেস মানু বি এস** নরমর ভরর্সেস **ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া** গী কেসশিং ইকাই কুম্নবগী মশক ওইরিবা সুপ্রিম কোর্টনা তাখিবা জজমেন্তশিংদা এন ইবোতোম্বী, লর্নেদ সিনিয়র এডভোকেত না মপুং ওইনা য়ুস্ফম ওইখি।

(৩৫) পার্টিশিংগী লেপ্লিবা কাওন্সিলশিংনা অমনা অমগী মায়োক্তা থল্লকখিবা ৱাফমশিং খন্নদ্রিঙৈ, চথৱিবা কেস অসিগী ফেকশিং অমসুং লৈরিবা ফিভমশিং অসিদা পানশিনবা য়াবা ইকাই খুম্নবগী মাক ওইরিবা সুপ্রিম কোর্টনা তাখিবা জজমেন্ত খরা ঐখোয়না পনবা য়াই। দি কন্সটিট্যুসন (ফিপতি সেকেন্দ এমেন্দমেন্ত) এক্ট, ১৯৮৫ কী মখাদা কন্সটিট্যুসনগী আরটিকল ১০২ অমসুং ১৯৯ শেমদোক্লগা তরাশুবা সেদ্যুল হাপচিল্লকপা, তরাশুবা সেদ্যুলগী প্রোভিজনশিং অমসুং তরাশুবা সেদ্যুলদা য়াওরিবা প্রোভিজনশিংগী কন্সটিট্যুসনগী ওইবা চৎনবা য়াবা য়াদবা অদু ১৯৯৪ শপ্লি (২) এস সি সি ৬৪১ দা রিপোর্ট তৌরকখিবা **"রবি এস নাইক** ভর্সেস **উনিয়ন ওফ ইন্দিয়া এন্দ অর্দস"**

গী কেসতা অমসুং এ আই আর ২০০৭ এস সি ১৩০৫ দা রিপোর্ট তৌরকখিবা, **"রাজেন্দ্রা সিংহ প্রসাদ এন্দ অর্দস** ভর্সেস **স্বামী প্রসাদ পাওরিয়া এন্দ অর্দস"** কী কেসতু ইকাই খুম্নবগী মশক ওইরিবা এপেক্স কোর্টনা য়াম্না মমুৎতানা শন্দোক্লা তাকখ্রবনি। মথক্তা পনখিবা জজমেন্তশিং অসি সুপ্রিম কোর্টকী অতৈ অতোপ্পা জজমেন্তময়াম অমদা পনখি অমসুং ইনখি। হায়রিবা জজমেন্তশিং অদুগী মরি লৈনবা তাঙ্ককশিং অদু ফংবদা লাইনবা মকাগী অসুম্না থম্লে:-

১৯৯৪ সপ্লি (২) এস সি সি ৬৪১ (হান্না পনখ্রবা) দা রিপোর্ট তৌরকখিবা "রবি এস নাইক ভর্সেস উনিয়ন ওফ ইন্দিয়া এন্দ অদর্স" গী কেসতা ইকাই কুম্নবগী মাক ওইরিবা এপেক্স কোর্টনা পেরগ্রাফ ৭ তগী ৯ ফাওবদা মখাগী অসুম্না থম্মী:-

"৭ . . . তরাশুবা সেদ্যুল অসি, দা কন্সটিট্যুসন (ফিফতি সেকেন্দ এমেন্দমেন্ত) এক্ট, ১৯৮৫ না কন্সটিট্যুসন্দা হাপচিল্লকখিবনি। দি স্টেটমেন্ত এফ ওবজেক্সন এন্গদ রিজন্স দা হায়বগী মতুং ইন্না হায়রিবা এমেন্দমেন্ত অদু রাজনিতিগী ওইবা দল চোংথোক চোংশিনগী ওত্তবদু থেংননবা হাপচিল্লকপনি অসুম্না হায়:

রাজনিতিগী ওইবা দল চোংথোক চোংশিন তৌবগী ফত্তবা অসি জাতিগী ওইনা নুংনাংনিঙাই ওইবা থৌওং অমা ওইরে। মসি থেংনদ্রবদি ঐখোয়গী গনতন্ত্রগী য়ুম্বিশিং ফাওবা অমসুং মদুবু লৈহল্লিবা প্রিন্সিপলশিং মমল লৈহল্লক্তবা য়াই। মসিনা পান্দম ওইরগা, থাজবা অমা প্রেসিদেন্তনা মাগী ভাসন্দা পারলিয়ামেনগী চথরিবা সেসন অদুদা দল চোংথোক চোংশিন য়াদবনা বীল অমা পুথোকপগি অপাম্বদু লৈ। মসিগী বীলঅসি দল চোংথোক চোংশিন তৌববু আইননা য়াদবনি হায়না লাওতোক্লবা অমসুং মহাক্কী পীখিবা থাজবা অদু থবক ওইনা পাংথোক্লবনি।

"৮ তরাশুবা সেদ্যুলগী প্রোভিজনশিং অসি সংসদকী হাওস অনিমক নত্রগা স্টেট লেজিসলেতিব এসেমব্লি নত্রগা স্টেট অমগী লেজিসলেচরগী হাওস অনিমক্কী মেম্বরশিংদা চৎনগনি তরাশুবা সেদ্যুলগী পেরগ্রাফ অনিশুবনা দল চোংথোক চোংশিন তৌবগী গ্রাওন্দা দিসক্কালিফাই তৌবগী প্রোভিজন অদু য়াওই। সব পেরগ্রাফ (i) রাজনিতি দল অমদা য়াওবা মেম্বর অমা হায়বসি তাকই। য়াওই, অসুম্না পল্লবদা, (i) দা মহাক্লা অসিগুম্বা রাজনিতি দল অমগী ম্বের ওইবদু মশানা য়ানা তোক্লবা; অমসুং (ii) মহাক্লা য়াওবা রাজনিতি দল নত্রগা মদুনা মসিগী মহুৎশিন্না শক্তি পীরবা মীওই নত্রগা ওথোরিতি অমা হেক্তনা জারিবা য়াথংদুগী মায়োক্তা অসিগুম্বা রাজনিতি দল নত্রগা মীওই নত্রগা ওথোরিতিদুগী মাংজৌনবা অয়াবা য়াওদনা মহাক্লা অসিগুম্বা হাওসতা ভোত থাদরবা নত্রগা থাদদ্রবা অমসুং অসুম্না ভোত থাদবা নত্রগা থাদদবা অদু অসিগুম্বা রাজনিতি দলদুনা নত্রগা মীওইদুনা

নত্রগা ওথোরিতিদুনা ভোত থাদবদুগী নত্রগা ঙাকপিদ্রবা। রাজনিতি দল মচেৎ তারকপদগী থোক্লকপা নাকপাক তারবা কাংবু অদু অসিগুম্বা লেজিসলেচর পার্টিগী মেম্বরশিংগী শরুক অহুম থোকপগী মনুংদা অমদগী তাদনা য়াওবা ওইরবদি পেরগ্রাফ অহুমসুবনা রাজনিতি দল অমদা মচেৎ তারক্লবদি দিসক্বালিফাই তৌগদবদু থৌহন্দে। পেরগ্রাফ মরি শুবনা রাজনিতি দল অমগা অতোপ্পা রাজনিতি দল অমগা পুনশিন্নরবদি দল চোংথোক চোংশিন  তৌবগী গ্রাওন্দা দিসক্বালিফাই তৌগদৌবদু তৌহন্দে। পেরগ্রাফ তরুক শুবগী সব-পেরগ্রাফ ৱান্দা, হাওস অমগী মেম্বর অমা সেদ্যুল অদুগী মখাদা দিসক্বালিফাই তৌরব্রা হায়বগী মতাংদা লাকপা ৱাফম অদু হাওস অদুগী চেয়রমেন নত্রগা স্পিকরনা ৱারেন্ত লৌননবা মথৌ তাই অমসুং মহাক্না লৌবা ৱারেপ্পা অরোসবা ওই। পেরগ্রাফ তরুক শুবগী সব-পেরগ্রাফ (২) গী মখাদা সেদ্যুল অদুগী মকাদা হাওস অমগী মেম্বর ওইবদু দিসক্বালিফাই তৌবগী মতাংদা লাকপা ৱাফম অমা হেক্তগা মরি লৈননা পেরগ্রাফ ৬ শুবগী সব পেরগ্রাফ (১) গী মখাদা চত্থবা প্রোসিদিং লোইনমক আর্টিকল ১২২ গী ৱাহন্থোক্কী মনুং চন্না পার্লিয়ামেন্ততা চত্থবা প্রোসিদিংশিংনি হায়না লৌগনি নত্রগা আর্টিকল ২১২ গী ৱাহন্থোক্কী মনুং চন্না স্টেট অমগী লেজিসলেচরদা চত্থবা প্রোসিদিংশিংনি হায়না লৌগনি। পেরগ্রাফ ৭ শুবনা সেদ্যুল অসিগী মখাদা হাওস অমগী মেম্বর অমা দিসক্বালিফাই তৌবগা মরি লৈনবা ৱাফম অমদা হেক্তা কোর্ট পুন্নমক্না ৱায়েল চত্থবা য়াবগী জুরিসদিক্সন অদু অথিংবা পী। পেরগ্রাফ ৮ শুবনা সেদ্যুল অসিগী প্রোভিজন অসি চৎনহন্নবগী রুল শেম্নবগী শক্তী হাওস অমগী চেয়রমেন নত্রগা স্পিকরদা পী অমসুং অসিগুম্বা রুলশিং অসিনা সব-পেরগ্রাফ ১ গী ক্লোজ (এ) দগী (দি) ফাওবদা পীরিবা ৱাফমশিংদুগী মতাংদা প্রোভিজনশিং শেম্বা য়াই।

“৯ ১০ শুবা সেদ্যুলদা য়াওরিবা প্রোভিজনশিংগী কন্সটিট্যুসনগী ওইবা চৎনবা য়াবা য়াদবা হায়বগী ৱাফমদু কিহোটো হোলোহন ভর্সেস জাচিলহু দা কোর্ট অসিগী কন্সটিট্যুসন বেন্চ অমদা খন্নবগীদমক পুখৎলকখি। কোর্টনা অসুম্না মোত অমত্তা ওইনা থমখি মদুদি আরর্টিকল ১৩৬ কী মকাদা লৈবা সুপ্রিম কোর্টকি অমসুং আর্টিকল ২২৬ অমসুং ২২৭ গী মখাদা লৈবা সুপ্রিম কোর্টকি অমসুং আর্টিকল জুরিসদিক্সন য়াওনা কোর্ট পুন্নমক্কী জুরিসদিক্সন্দু হাওস অমগী মেম্বরদুগী দিসক্বালিফাই তৌবগা মরি লৈনবা ৱাফম অমদা হেক্তা শিজিন্নবদা পেরগ্রাফ ৭ না মপুং ফানা অথিংবা থম্মী, অমসুং হায়রিবা এমেন্দমেন্ত অদুবু হাপচিল্লক্লিবা বিল অদু কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৬৮ (২) গী প্রোভাইজোগী মতুং ইন্না স্টেট লেজিসলেচরশিংনা রেক্তিফাই তৌবা (অয়াবা পীবা) মথৌ তাখি অমসুং মদুদি অসিগুম্বা রেতিফিকেসন অদু বিল অদুগীদি লৌখিদে/ফংখিদে। অদুম

ওইনমক ফীভমগী মতাংদা মোত খেন্নবদি লৈখি। মপুং ওইনা য়ান্নবা মোততি মদিনি  মদুদি আর্টিকল ৩৬৮ কী প্রোভাইজো অদু পেরগ্রাফ ৭ খক্তদা চৎনগনি অমসুং বিল অদুগী লেহৌরিবা প্রোভিজো শিংদি অসিগুম্বা রেতিফিকেসন দরকার তাদে, অমসুং পেরগ্রাফ ৭ অসি প্রোভিজনশিং অদুগী লেমহৌরিবা শরুকশিংদগী তোঙান্না খাইদোকপা য়াবনা, পেরগ্রাফ ৭ খক্তং কন্সটিট্যুসনগী মতুং ইন্না চৎনবা য়াদে, অমসুং মদুদি বিল অদু প্রেসিদেনগী অয়াবা লৌনবা থাদ্রিঙৈদা স্টেট লেজিসলেচরশিংগী শরুক তঙ্খাই অমনা রেতিফাই তৌদে (অয়াবা পীদে) হায়বা গ্রাওন্দা ১০ শুবা সেদ্যুলগী প্রোভিজনশিংগী লেমহৌরিবা শরুকশিং অদু কন্সটিট্যুসনগী মতুং ইন্না চৎনবা য়াদে হায়না ককথৎপা য়াদে। অদুম ওইনমক মশিং য়ামদবনা পীবা মোত্তি অসিনি মদুদি বিলদু মপুং ফানা স্টেতকী লেজিসলেচরশিংনা হান্না রেতিফাস তৌবদু মথৌ তাখি, মদু য়াওদ্রবদি প্রেসিদেন্তনা পীবা অয়াবা অদু মাগী অয়াবনি হায়বা য়াদ্রে, অমসুং মদুদি তোঙান্না খাইদোকপা য়াস হায়বা ৱাফম অদু লৈররোই অমসুং মখা তানা মদুদি পেরগ্রাফ ৭ অসি বিল অদুগী প্রোভিজনশিংদুগী লেমহৌরিবা শরুক্তগী তোঙান্না খাইদোকপা য়াবা ওইখিদ্রে। পেরগ্রাফ ৭ য়াওদনা প্রোভিজনশিংদুগী লেহৌরিবা শরুকশিং অদুগী চৎনবা য়াবা শরুকশিং অদু মশিং য়াম্বনা চৎনবা য়াই হায়খ্রবনিনা, পেরগ্রাফ ৬ কী প্রোভিজনশিং অদু মশিং য়াম্বনা পীবা জজমেন্ত দা নৈনরে, অমসুং অসুন্না থমলে:-

(এস সি সি পি পি. ৭১১-৭১২, পেরা ১১১)

মদুদি দিসক্কালিফাই তৌনবগী অমসুং য়েৎনরিবা দিসক্কালিফিকেসন শিংগী ৱায়েল বিচার তৌনবগী অহেনবা গ্রান্ত পীবদা তরাশুবা সেদ্যুলনা ৱায়েল চৎথবা য়াহন্দবগী কন্সটিট্যুসনগী ওইবা শরুক শেন্নবা তৌদে। অসিগুম্বা ৱাথোকশিং লোসশিন্ননবা স্পিকরদা নত্রগা চেয়রমেন্দা পীবা শক্তীদু ৱায়েল বিচার তৌনবগী শক্তিনি।

তরাশুবা সেদ্যুলগী পেরগ্রাফ ৬ (১) অসি মদুনা স্পিকর নত্রগা চেয়রমেনগী ৱারেপ অদুনা অরোইবা অরোইবা ৱারেপ অদুনা অরোইবা ৱারেপ ওইননবা তৌবা অদু ফাওবদি অকাইবা লৈতে। অদুবু পেরগ্রাফ ৬ (২) দা য়াওরিবা আইনগী ওইবা অরোইবা ৱারেপ পিবগী কন্সেপ অদুনা কন্সটিট্যুসন্না পীবা নিয়ম নিতি ইন্দবা, লান্না খংনা তৌশিনবা নেচরেল জজটিসকী রুলশিং ঙাক্তবা অমসুং ইরান লান্না তৌবনচিংবদা য়ুম্ফম ওইবা অশোইবা অরানবশিংগী মতাংদা কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ১৩৬, ২২৬, ২২৭ গী মখাদা জুদিসিএল রিভ্যু তৌবদু লৌথোকখিবা লৈতে।

তরাশুবা সেদ্যুলগী পেরগ্রাফ ৬ (২) দা য়াওরিবা দিমিং প্রোভিজন অদুনা কেসব সিংহগী কেসতা হায়খিবগুম অমসুং শন্দোক্লা তাকখিবগুম আর্টিকল ১২১ (১) অমসুং ২১২ (১) দা পীবদুগা মান্নবা ইম্যুনিতি অমা প্রোসিদিংশিংগী আইনগী ওইনা চৎনবা য়ামদু প্রোসিজরগী ইচম চম্বা অশোইবশিংদগী ঙাক্লনবা পী। 'পার্লিয়ামেন্তা চথবা প্রোসিদিংশিংনি হায়না লৌগনি' নত্রগা 'স্টেত অমগী লেজিসলেচরদা চথবা প্রোসিদিংশিং' হায়বা ৱাহৈশিং অদু য়েংলগা মদুগী মতুং ইন্না দিমিং প্রোভিজন অদুনা লৈরিবা ৱাফমদুগী পাক চাওবদা অকক্লনা তাকই।

তরাশুবা সেদ্যুলগী মখাদা শক্তী শিজিন্নবা অমসুং মথৌ পাংতোকপদা স্পিকরশিং/চেয়রমেনশিং তরাশুবা সেদ্যুলগী মকাদা রাইস্ট শিং অমদি ওব্লিগেসনশিং লেপথোক্লবা ট্রাইব্যুনেল ওইনা মথৌ তৌস অমসুং মদুদা মখোয়না লৌবা ৱারেপশিংদু জুদিসিএল রিভ্যু তৌবা য়াস।

অদুম ওইনমক তরাশুবা সেদ্যুলদা পীরিবা কন্সটিট্যুসনগী ওইবা সেদ্যুলদু য়েংলগা জুদিসিএল রিভ্যু অদুনা স্পিকরশিং/চেয়রমেনশিংনা ৱারেপ অমা তাবগী মমাংদা লৈবা তাঙ্কক অদুদি য়াওরোইদবনি। কন্সটিট্যুসন্না হায়নিংলিবদু অমসুং অচুম-চুমদা লেপথোকপগী পিরিবা শক্তীগী ফিভমদু য়েংলগা, ক্বেটিমেত এক্সন (থোক্কনি হায়বগী অকিবা লৈবা নত্রগা থোকলকপগী ওইথোকপা চাওনা লৈবা, থোকপদি থোক্ত্রীবা অরানবা থৌওং অমবু থিংনবা তাবা ওর্দর/ইনজাংসন) লৌবা য়াদে, মরক্কী ওইনা খুৎ থিংজিনবা য়াবগী ওইবা তঙাইফদবা অয়াবা (এক্সেনসন) অদুদি য়ান্না হকচিনবা, য়ান্না থুবা অমসুং অমুক হন্দোকপা/শেমদোকপা য়াদবা ফিভমশিং লৈবা য়াবা মরক্কী ওইনা দিসক্বালিফাই তৌবা নত্রগা সসপেন তৌবগী কেসশিংনি।

এ আস আর ২০০৭ এস সি ১৩০৫ তা রিপোর্ট তৌরকখিবা ''জাজেন্দ্রসিংহ প্রসাদ এন্দ অর্দস ভর্সেস স্বামি প্রসাদ মাওরিয়া এন্দ অর্দস'' (হান্না পনখ্রবা) গী কেসতা ইকাই খুম্নবগী মশক ওইরিবা এপেক্স কোর্টনা পেরগ্রাফ ২২ দা মখাগী অসুম্না থমখি:-

''২২ দি কন্সটিট্যুসন (ফিপতি সেকেন্দ এমেন্দমেন্ত) এক্ট, ১৯৮৫ না কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ১০২ অমসুং ১৯১ অসি মখোয়দা সব-আর্টিকল হাপচিল্লগা অমসুং দল চোংথোক চোংশিন তৌবগী গ্রাওন্দা দিসক্বালিফাই তৌবগী মতাংদা প্রোভিজনশিং হাপচিল্লকখিবা তরাশুবা সেদ্যুল অদু হাপচিল্লগা শেমদোকখি (এমেন্দ তৌখি)। মখোয় দল চোংথোক চোংশিন তৌবনা গনতন্ত্রদা লৈহল্লকপা শিংনবা অদু থেংননবা হাপচিল্লকপনি। দল চোংথোক-চোংশিন তৌবগী গ্রাওন্দা পার্লিয়ামেন্তকী নত্রগা

এসেমব্লিগী মেম্বর ওইবদগী দিসক্কালিফাই তৌবগী গ্রাওন্দ অমা হাপচিল্লকখি। এমেন্দমেন্ত অদুগী অমসুং তরাশুবা সেদ্যুল হাপচিল্লকপা অদুগী কন্সটিট্যুসনগী ওইবা চৎনবা য়াবা অদু কোর্ট অসিনা মদুগী পেরগ্রাফ ৭ গী মতাংদু খক নত্তনা কিহোটো হোলোহন (মমাংদা পনখ্রবা) দা য়াখ্রে, পেরগ্রাফ ৭ তি কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৬৮ (২) গী মতুং  ইন্না রেতিফাই তৌবা মথৌ তাই হায়না থমখি। মদুগী দিসিজন অদু য়েংলগা তরাশুবা সেদ্যুলগী পেরগ্রাফ ৭ অদু চৎনদ্রে হায়বসে য়েৎনবা লৈত্রে। কন্সটিট্যুসনগী বেন্চ অদুনা অসুন্না থমখি মদুদি অচুম অরান ৱায়েনবা ঙম্বগী হক অদু য়াম্না চিং লেপ্লবা ফম অৱাংবা ফম পাইরিবা মীশক হাইবদি পার্লিয়ামেন্ত নত্রগা এসেমব্লিগী স্পিকরদা পী। অমসুং অসিগুম্বা শক্তী পিবসি কন্সটিট্যুসনগী লৈজরিবা শক্তমদা অকাইবা ওইদে। মসিগা মান্নন্না, কন্সটিট্যুসনগী তরাশুবা সেদ্যুলগী পেরগ্রাফ ৬ কী মতুং ইন্না স্পিকরনা চথবা প্রোসিশিং শিংদা পীরিবা অকন্নবা প্রোতেক্সন অদু, মদুনা স্পিকরনা তাবা ৱারেপসু জুদিসিএল রিভ্যু তৌবা য়াহন্দবা তৌদ্রবসু, মরম চাই। তরাশুবা সেদ্যুলগী পেরগ্রাফ ৬ (১) গী মখাদা স্পিকরনা তাবা ৱারেপ অদুদা য়াওরিবা মদুনা অরোইবা ওইগনি হায়বদু য়েংলগা জুদিসিএল রিভ্যুদু য়াম্না পাক চাওনা অমদি নত্তে, অমসুং নেচরেল জজটিসপু য়াম্না শেংনা খোঙ্গাওনবা/ইন্দবা, লোইন-লোসননা খঙনা তৌশিনবা মীচং মীখাই নাইবা অমসুং অসিগুম্বা অশোইবশিং অসিগী গ্রাওন্দা জুদিসিএল রিভ্যু তৌবদি য়াস। কিহোটো হোলোহন (মথক্তা পনখ্রবা) দা মখোয় মশানা মশিং য়াম্বদু ওইখিবা জজ অনিদুনা রবি এস নাইক (মথক্তা পনখ্রবা) গী ৱারেপতু (কোর্টকী ওর্দর) তাখিবদু অমসুং মতুংদা অমুক শন্দোক্লা তাক্লকখিবা মথক্তা পল্লিবা ওবজরবেসনশিংদু থমখিবসি মসি মতুং  ইন্ননি। অসুন্না হায়বসি য়ারে মদুদি তাং ৬-৯-২০০৩দা তাখিবা স্পিকরগী ৱারেপ অদু কন্সটিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াগী আর্টিকল ২২৬ অমসুং ২২৭ গী মখাদা হাই কোর্ট শিংনবদা য়াদবা তৌদে।

(৩৬)  ১৯৯৪ সপ (২) এস সি সি ৬৪১ (মথক্তা পনখ্রবা) দা রিপোর্ট তৌরকখিবা **"রবি এস নাইক** ভর্সেস **উনিয়ন ওফ ইন্দিয়া এন্দ অর্দস"** গী কেসতা ইকাই খুম্নবগী মশক ওইরিবা সুপ্রিম কোর্টনা জজমেন্তদুগী পেরা **১১** দা অসুন্না থম্মী মদুদি "মেম্বর ওইবদু মশানা য়াজনা তোকচবা" হায়বা ৱাহৈশিং অসি "ফম থাদোকচবা (রিজাইন তৌবা)" গা মান্নদে অমসুং হেন্না চাওবা ৱাহন্থোক লৈ। মী অমনা পার্টিদুগী মেম্বর ওইবদগী মহাক্না ফম থাদোকপগী চেরোল অদু পিশিনদ্রবসু রাজনিতি দল অমগী মেম্বর ওইবদু মহাক মশানা য়াজনা তোকচবা য়াই। মেম্বর ওইব তোকচবগী অইবা চেরোল পিশিনদবা ফাওবদা, মানা য়াওরিবা রাজনিতি দল অদুগী মেম্বর ওইবদু মহাক মশানা

য়াজনা তোকচরে হায়বসি মেম্বর অমগী থৌওংদগী লৌবা য়াই। ইকাই খুম্নবগী মশক ওইরিবা এপেক্স কোর্টনা মখা তানা জজমেন্ত অদুগী পেরা ২৫ দা মখাগী অসুম্না থম্মী:-

"২৫ স্পিকরনা তাবা শিংনরিবা ওর্দর অদুদা পাউ-চেশিং পল্লিবদুগী মতাংদদি, মহাক এম এল এ ২০ না শৌগৎলি হায়বা উৎননবা মখোয়বু পুরুবা ডাক্তর ৱিলফ্রিদ দি শৌজাগা লোইননা মখোয়না গভর্নর উন্নবা মতমদা আপিলেন্তশিংগী কংগ্রেস (আই) এম এল এশিংগা অমসুং ডাক্তর বরবোসানা চিংবগা লোইননা উৎপা পাউ-চেশিংদা ফোংলকখিবা ফোতোগ্রাফশিং অদু স্পিকরনা মাগী ওর্দরদা পনবা খক্তং ওইনা উই। হায় কোর্টনসু য়াম্না চুম্না থল্লে মদুদি ফোতোগ্রাফশিংদু পনবনা, আপিলেন্ত মশামক্কা থাজদবা তৌদবা ফেক অমা, হায়বদি মখোয়না কংগ্রেস (আই) গী এম এল এনা চিংবগা লোইনরগা দিসেম্বর তাং ১০, ১৯৯০ দা ডা ৱিলফ্রেদ দি শৌজা অমসুং ডা. বরবোসাগা লোইননা গভর্নর উন্নখি হায়বদুগী মতাংদা স্পিকরনা অসুম্না ওইখি হায়না লৌজবনি। স্পিকরগা গভর্নরগা শান্নখিবা ৱারিদসু অদুমক পল্লি। মখোয়না দিসেম্বর তাং ১০, ১৯৯০ দা ডা. বরবোসা অমসুং ডা. ৱিলফ্রেদ দি সৌজা অমসুং কংগ্রেস এম এল এশিংগা লোইনরগা গভর্নর উন্নখি হায়না হায়বদু আপিলেন্তশিংনা য়াদবা তৌদবদু য়েংলগা, চয়েৎনরিবা ৱাফম অদু আপিলেন্তশিংগী হায়রিবা থবক থওং অদুদগী মখোয়না এম জি পি গী মেম্বর ওইবদগী মশানা য়াজনা তোকচরে হায়না লৌবা য়াৱ্রা হায়বদুতা ঙাইরে। দিসক্কালিফিকেসনগী হুজিক শিংনরিবা ওর্দর অদুদা পাউ-চেগী রিপোর্টশিং অমসুং স্পিকরগা গভর্নরগা শান্নখিবা ৱারি পনবদুনা লৈরিবা ফিভমশিং অসিদা জেচরেল জজটিসকি প্রিন্সিপলশিং খোঙ্গাওনরগা তাখিবা ওর্দরনি হায়না হায়রিবা ওর্দর অদুবু চৎনহনবা য়াদবগী অশোইবা ওইহন্দে।

(৩৭) এ আই আর ২০০৭ এস সি ১৩০৫ দা রিপোর্ত তৌরকখিবা "রাজেন্দ্র সিংহ প্রসাদ এন্দ অর্দস ভরসেস স্বামী প্রসাদ মাওরিবা এন্দ অর্দস" (হান্না পনখ্রবা) গী কেসতা, কেস অদুগী ফেকশিং অমসুং সরকস্টেন্সেসশিংদু য়েংলগা মতুং ইকাই খুম্নবগী মশক ওইরিবা সুপ্রিম কোর্টনা পেরা ৪৯ দা মখাগী অসুম্না থম্মী:-

"৪৯ তশেং তশেংলে ওপোজিসন্দা লৈরিবা দল ওইরিবা সমাজৱাদি পার্টিগী জেনরেল সেক্রেটরিনা লোইনরম্বা গভর্নর উন্নখিবা অমসুং মখোয়গী হান্নগী দলগী চীফ মিনিস্টরনা এসেমব্লি মুথৎনবা পীখিবা পাউতাক্কী মায়োক্তা সরকার শেম্নবা ওপোজিসন পার্টিগী লুচিংবদু বার্তন তৌবিনবা হায়জরদুনা গভর্নরদা চিঠিশিং পিশিনখিবা থৌওংদুদগী মেম্বর তরাহুমদোইনা বি এস পী গী মেম্বর ওইবদু মশানা য়াজনা তশেং তশেংনা তোকচরে হায়না শেইদনা লৌবা য়ারক্লে। মখোয়গী থৌওং

অদু তরাশুবা সেদ্যুলগী পেরগ্রফ ২(১) (এ) গী মনুংদা চল্লে হায়বদু খংদোক্লবা মখা তাবা প্রবান নত্রগা ইনব্কারি দরকার তাদ্রে।”

(৩৮) (২০০৬) ১১ এস সি দি ১ দা রিপোর্ট তৌরকখিবা “জগজিৎ সিংহ ভর্সেস স্টেট ওফ হরয়ানা এন্দ অর্দস” কী কেসতা, ইকাই খুম্নবগী মশক ওইরিবা এপেক্স কোর্টনা অসুম্না থমখ্রে মদুদি তরাশুবা সেদ্যুলগী মখাদা চৎথবা প্রোসিদিংশিং অসি কোর্ট ওফ লোদা চত্থবা ট্রাইএল নত্রগা এমপ্লোয়ি অমগী মায়োক্তা দিসিপ্লিনরি এক্সন লৌখৎনবগী চত্থবা দিপার্টমেন্টেল প্রোসিদিংশিং অদু মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা খল্লবা মীহুৎ অমগী মায়োক্তা চত্থবনি অমসুং বিচারপতি অদুনা স্পিকর অমগী মনিং তৌবা অৱাংবা ওফিস পাই অমসুং মদুদি অসিগুম্বা ট্রাইব্যুনেল অমদা চত্থবা প্রোসিদিংশিং অসিগী মতাংদা জুদিসিএল রিভ্যুগী পাক চাওবসি অকক্নে। ইকাই খুম্নবগী মশক ওইরিবা এপেক্স কোর্টনা মখা তানা জজমেন্ত অদুগী পেরা ২৯ দা মখাগী অসুম্না থম্মী:-

“২৯ দল চোংথোক চোংশিন তৌবগী আইন শেম্লমবগী পান্দমশিংদু হায়বদি ৱাহৈনা পল্লবদা, দল চোংথোক চোংশিন তৌবা ওইহল্লকপা অশোইবা অকিবদু থিংনবনি হায়বসিসু খঙজিন্বা মথৌ তাই। দল চোংথোক চোংশিন তৌরবসু ইচম চম্বা তেক্নিকেলগী ওইবা ৱাফম খরনা মরম ওইরগা অসুম্না দল চোংতোক চোংশিন তৌবগী ওইরকপা ফলশিংদু নাথৈরগা ম্বের অমসু নান্থোকহনখিবসি য়ারোই। আইন অদুগী চপ চাবা পান্দমদি মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা খল্লবা ইন্দিপেন্দেন্ত মেম্বর অমা মহাকপু অসুম্না মীহুৎ ওইনা খল্লবা মতুং মহাক্না রাজনিতি দল অমা য়াওরব্রা য়াওদ্রিব্রা হায়বদু লেপথোক্না লৈবা ঙাক্লৌ যুম্বিনি। রাজনিতি দল অমদা য়াওরুরবা মীওই অমনা রাজনিতি দল অমা য়াওননবগী দরকার লৈবা মেম্বরশিপ ফোর্ম মেনশিন্দ্রী নত্রগা অসিগুম্বা মেম্বর ওইবগী দরকার লৈবা পীফম থোকপা, ফিদু মহাক্না পীদ্রি হায়না হায়বসি চৎনবা য়াবা প্লি অমা ওইদ্রে। ফেকশিং অদুনা ইন্দিপেন্দেন্ত মেম্বরদুনা পোলিতিকেল পার্টি অমা হাওরে য়াওরে হায়বা তাক্লবদি, অসিগুম্বা ফোর্মেলিতিশিং মপুং ফাবা ফাদবা অদু মথৌ তাদে। মীহুৎ ওইনা খল্লবা ইন্দিপেন্দেন্ত মেম্বরশিংগী কেস মরিদুগী ফেকশিং অদু মসিগী প্রিন্সিপলশিং অসি য়েংলগা কুপ্না খন্নবা মথৌ তাই”।

(৩৯) ইকাই খুম্নবগী মশক ওইরিবা এপেক্স কোর্টনা থল্লিবা আইন/লোদু য়েংলগা পার্টিশিংগী মহুৎশিন্না থম্লকপা ৱাফমশিংদুদা যুম্ফম ওইরগা তাং ১৮-০৬-২০২০ দা স্পিকরনা তাখিবা হৌজিক শিংনরিবা ওর্দর অদু লোইন-লোসননা হৌজিক শিংনরিবা বুলেতিন অদুগী আইনগী ওইনা চৎনবা য়াবা য়াদবদু ঐখোয়না কুপ্না য়েংশিল্লি।

(৪০) হৌজিক চথৰিবা কেস অসিদা, তাং ২৮-০৪-২০১৭ তা পিটিস্নর লোইননা ইন্দিয়ন নেস্নেল কংগ্রেস (আই এন সি) গী অতোপ্পা এম এল এ অহুমগা লোইননা মখোয়গী হান্নগী পার্টি ওইরিবা ইন্দিয়ন নেস্নেল কংগ্রেস (আই এন সি) গী মেম্বর ওইবদু মশানা য়াজনা তোল্লুগা বি জে পিনা লুচিংবা চুংশিন্নবা সরকার অদু মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগীদমক রুলিং পার্টি অদু মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগীদমক রুলিং পার্টি ওইরিবা ভারদিতয়া জনাতা পার্টি (বি জে পি) য়াওখি হায়না দিসক্কালিফিকেসনগী কেসতা পিটিস্নরগী মায়োক্তা অকক্লবা মরালশিং শিখি। অসুম্নসু অকক্লনা মরালসি মদুদি মখোয়না আস এন সিগী মেম্বর ওইবদু মশানা য়াজনা তোল্লুগা বি জে পীদা য়াওরকপগীদমক রিট পিটিস্নর অমসুং অতোপ্পা আস এন সিগী এম এল অহুম্বু হরাও তয়াম্না ওক্লবা তাং ২৮-০৪-২০১৭ তা মনিপুরগী চীফ মিনিস্টর শ্রী এন বীরেন সিংহনা থৌবু ওইবা বি জে পিনা শিনবা ওকপগী থৌরম অমা পাংথোকখি। রিট পিটিস্নর অমসুং অতোপ্পা আই এন সিগী এম এল এ অহুম্না আই এন সিগী মেম্বর ওইবদগী মশানা য়াজনা তোল্লুগা বি জে পিদা য়াওরকপা অমসুং মখোয়না বি জে পি য়াওরকপগীদমক রিট পিটিস্নর অমসুং অতোপ্পা আই এন সিগী এম এল এ অহুম্বু ২ অদু প্রিন্ট অমসুং ইলেক্ট্রোনিক মেদিয়া ময়াম্না য়াওনা পাংথোকখি অমসুং ম দু মীয়াম খঙনা ফোংখি। মীয়াম রিপোর্টশিংনা রিট পিটিস্নর অমসুং অতোপ্পা আস এন সিগী এম এল এ, অহুম্না বি জে পিগী লুচিংবশিংনা তরাম্না ওকপদু উৎলি হায়নসু মরাল শি। দিসক্কালিফিকেসনগী কেসশিং অদুদা, রিট পিটিস্নসু মশাবু বি জে পিগী অতোপ্পা মেম্বরশিংগা লোইননা বি জে পীগী মেম্বর অমা ওইনা বি জে পিনা শিনবা রাজনিতিগী ওইবা থবক থৌরমশিং অমসুং প্রোগ্রামশিংদা শরুকসু য়াখি হায়না মকা তানা মরাল শি। শিরিবা মরালশিং অদুবু শৌগৎলদুনা পাউ-চেশিং, ফোটোগ্রফশিং অমসুং ভিদিওশিংগী কোপিশিং দিসক্কালিফিকেসনগী কেসশিংগা লোইননা তাজিল্লকখি।

(৪১) দিসক্কালিফিকেসনগী কেসশিংগা মরি লৈননা রিট পিটিস্নরনা থাজিল্লকখিবা রিতন স্টেযমেন্দা, মখোয়না আই এন সিগী এম এল এ অহুম্বু তরাম্না ওক্লবা তাং ১৮-০৪-২০১৭ দা বি জে পিনা শিনবা, ইকাই খুম্নবগী মশক ওইরিবা মনিপুরগী চীফ মিনিস্টরনা থৌবু ওইদুনা ওকপগী থৌরম অমা পাংথোকখি হায়না শিরিবা মরালশিং অদু রিট পিটিস্নরনা কৈদৌঙৈদসু অকক্লনা য়াদবা তৌদে। প্রিন্ট অমসুং ইলেক্ট্রোনিক মেদিয়াদা ফোংলকখিবা পাউগী অচুম চুমদা অদু লোইন-লোইননা অসিগুম্বা পাউশিং রিপোর্ট তৌরকখিবা পাউ-চেশিং লৈরিবদু অমসুং রিট পিটিস্নরনা হায়রিবা ওকপগী প্রোগ্রামশিং অমসুং বি জে পিনা শিনবা থৌরমশিংদা শরুক য়াবদু উৎপা ফোটোগ্রাফশিং অমসুং ভিদিওশিং লৈরিবদুসু রিট পিটিস্নরনা য়াখিদবা তৌদে। পাউ-চে অমসুং মেদিয়া রিপোর্টশিং

তাজনিঙাই ওইদবনা মকোয়না য়ুম্ফম ওইবা য়াদে অমসুং কন্সটিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াগী তরাশুবা সেদ্যুলগী পেরা ২ (১) (এ) গী মখাদা দিসক্কালিফিকেসনগী প্রোসিদিংশিং মাগী মায়োক্তা অসিগুম্বা পাউ-চেগী রিপোর্ট/ক্লিপ্পিংশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা লৌখৎপা য়াদে হায়না হায়রদুনা রিট পিটিস্নরনা অকক্লনা য়াদবগী মহুত্তা চৌয়া য়াখিদে।

(৪২) স্পিকরনা দিসক্কালিফিকেসনগী কেস লোইনমক অদু পুন্না তাং ১৮-০৬-২০২০ দা তাখি অমসুং দিসক্কালিফিকেসনগী কেসশিং অদুগা মরি লৈননা প্লিদিংশিং লোসনমক, পাউ-চেগী রিপোর্টশিং, ফোতোগ্রাফশিং অমসুং দি ভি দি শিং অদু কুপ্না য়েংশিল্লবা মতুং, ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসনগী তরাশুবা সেদ্যুলগী পেরা ২ (১) (এ) গী মকাদা রিট পিটিস্নরবু মনিকুর লেজিসলেতিব এসেমব্লিগী মেম্বর অমা ওইবদগী দিসক্কালিফাই তৌবগী হৌজিক শিংনরক্লিবা ওর্দর অদু তাখিবনি। তাং ১৮-০৬-২০২০ দা হায়রিবা ওর্দর অদু তাবা মতমদা, রিট পিটিস্নরনা বি জে পিনা শিনবা ওকপগী থৌরমদা শরুক য়াবদু বি জে পিনা শিনবা ওকপগী থৌরমদা শরুক য়ামদু অমসুং বি জে পিগী লুচিংবশিংনা তরাম্না ওকপদু উৎপা প্রিন্ট অমসুং ইলেক্ট্রোনিক মেদিয়াশিংনা ফোংখিবা পাউ-চেগী রিপোর্টশিংদা স্পিকরনা মপুং ওইনা য়ুম্ফম ওইখি। রিট পিটিস্নরনা হায়রিবা পাউ-চেগী রিপোর্টশিং অদু লৈ হায়বদু অমসুং মদু চুম্মী হায়বদু য়াদবা তৌদবনা, রিট পিটিস্নরনা আস এন সিগী মেম্বর ওইবদগী মশাদা য়াজনা তোকচরে হায়না লৌবদা মতিক চাই হায়না স্পিকরনা লৌখি অমসুং মদুগী মতুং ইন্না, ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসনগী তরাশুবা সেদ্যুলগী পেরা ২ (১) (এ) লোইননা ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ১৯১ (২) গী মতুং ইন্না স্পিকরনা রিট পিটিস্নরবু মনিপুর লেজিসলেতিব এসেমব্লিগী মেম্বর অমা ওইবদগী দিসক্কালিফাই তৌখি।

(৪৩) দিসক্কালিফিকেসনগী কেসশিংদুগা মরি লৈননা, মদু লৈ হায়বদু রিট পিটিস্নরনসু য়াদবা তৌদবা, থাজিল্লকখিবা ফোটোগ্রাফশিং/ভিদিওশিং অমসুং পাউ-চেগী রিপোর্টশিং অদু কুপ্না য়েংশিল্লবা মতুংদা, ঐখোয়না অসুম্না থল্লে মদুদি রিট পিটিস্নরনা ইন্দিয়ান নেস্নেল কংগ্রেস (আই এন সি) গী মেম্বর ওইবদু মশানা য়াজনা তোকচরে হায়না লৌবদা য়াহনবা মচাক ময়াম অমা স্পিকরগী মমাংদা লৈখি। মখা তানা, দিসক্কালিফিকেসনগী কেসশিং অদুদা মাগী মায়োক্তা শিরিবা মরালশিং মরু ওইনা পাউ-চেশিং অদু লৈ অমসুং মদুদা য়াওবা রিপোর্ট শিং অদু অচুম্বনি হায়বদু রিট পিটিস্নরনা অকক্লনা তৌদবনিনা, রিট পিটিস্নরবু দিসক্কালিফাই তৌখিবা স্পিকরনা তাখিবা ওর্দর অদুবু চৎনবা য়াহল্লোইদবা অশোই অরানবা অমত্তা ঐখোয়না ফংদে অমসুং স্পিকরনা তাখিবা হৌজিক শিংনরক্লিবা অদুবু অদুদা খুৎ থিংজিনবগী গ্রাওন্দ নত্রগা মরম অমত্তা ঐখোয়না ফংদে।

(৪৪) ঐখোয়গী মাংদা লৈরিবা দিসক্কালিফিকেসনগী কেসশিংদুগী রেকোর্দশিং অদু কুপ্না য়েংশিল্লবা মতুং, দিসক্কালিফিকেসনগী কেস অদু তাং ৮-১১-২০১৮ দা থারকখি অমসুং নোটিসনা, তাং ১০-০৭-২০১৯ দা থাখি হায়বদু ঐখোয়না ফংই। চথুরিবা রিট পিটিসন অসিগী পিটিস্নরনা ৱাকালত পামা থাজিন্দুনা মাগী কাওন্সিলগী/উকিলগী খুত্থাংদা তাং ২৪-০৭-২০১৯ দা লাকখি। রিতন স্টেটমেন্ত ফাইল তৌবগী মহুত্তা হায়রিবা রিতন স্টেটমেন্ত ফাইল তৌবগী মহুত্তা হায়রিবা দিসক্কালিফিকেসনগী কেসশিং অদু চৎনবা য়াই হায়বদুগী মতাংদা প্রিলিমিনরি ওবজেক্সনশিং থাঙ্গৎলদুনা, রিট পিটিস্নরনা মিসিলিনস এপ্লিকেসনশিং থারকখি। রিত পিটিস্নরনা মাগী এপ্লিকেসনশিংদা থাঙ্গৎলকপা প্রিলিমিনরি ওবজেক্সনশিং অদু ককথৎখ্রবা মতুংদদং, রিট পিটিস্নরনা দিসক্কালিফিকেসনগী কেসতুদা মাগী রিতন স্টেটমেন্ত অদু তাং ১৬-০৬-২০২০ দা থাজিল্লকখি।

তাং ০৬-০৬-২০২০ দা স্পিকরনা তাবা ওর্দর অমগী মতুং ইন্না দিসক্কালিফিকেসনগী কেসশিং অদু মখা তাবা প্রোসিদিংশিং চত্থনবগীদমক তাং ২৭-০৬-২০২০ দা মতম লেপখি, অদুম ওইনমক, স্পিকরগী য়াতং মতুং ইন্না, স্পিকর মশা ঙমদবনা মরম ওইরগা দিসক্কালিফিকেসনগী কেসশিংগী হিয়ারিংগী তারিখ অদু তাং ২২-০৬-২০২০ দা নৌনা মতম লেপখি। অদুম ওইনমক স্পিকরগী হকচাংগী ফিভম ফগৎলকপদু য়েংলগা অমসুং স্পিকরদা মঙোন্দা এপেক্স কোর্টকী জজমেন্ত ফংহনবা নুমিত্তগী হপ্তা মরিগী মনুংদা মাগী মমাংদা লোসশিন্দনা লৈরিবা দিসক্কালিফিকেসনগী নোটিসশিং অদু লোইশিন্নবা য়াথং পীরকখিবা, এ আই আর ওন লাইন ২০২০ এস সি ৫৪ দা রিপোর্ট তৌরকখিবা **"কৈশাম মেঘচন্দ্রা সিংহ** ভর্সেস **ওনরেবল স্পিকর মনিপুর লেজিসলেতিভ এসেমব্লি"** গী কেসতা তাং ২১-০১-২০২০ দা তাখিবা জজমেন্ত এন্দ ওর্দরদা, ইকাই খুম্নবগী মশক ওইরিবা সুপ্রিম কোর্টতা পিরকপা য়াথংগী মতুং ইন্না দিসক্কালিফিকেসনগী কেসশিং অদু থুন্না লোইশিনবগী দরকার ওইবদুসু কেসশিং অদু থুনা লোইশিনবগী দরকার ওইবদুসু য়েংলগা তাং ১৭-০৬-২০২০ দা নোটিস অমা থোক্লগা দিসক্কালিফিকেসনগী কেসশিং অদুগী হিয়ারিং অদু তাং ২২-০৬-২০২০ দগী তাং ১৮-০৬-২০২০ গী পুং: ১ দা ঙনখৎহনখি।

(৪৫) মখোয়গী মায়োক্তা দিসক্কালিফিকেসনগী কেসশিং পন্দুনা লৈরিবা এম এল এশিংগী মরক্তা অমবু মহুৎশিন্দুনা য়াওরিবা রিট পিটিস্নরগী কাওন্সিলনা তাং ১৮-০৬-২০২০ দা দব্লিউ পি সি নম্বর ২৯৮ ওফ ২০২০ কোর্ট অসিদা তারক্লগা তাং ১৭-০৬-২০২০ দা থোকখিবা হায়রিবা নোটিস অদুবু শিংনরকখিবদু য়েংলগা দিসক্কালিফিকেসনগী হিয়ারিংগী তারিখ ঙনখৎহনখিবা তাং ২৭-০৬-২০২০

দা থোকখিবা নোটিস অদু অসুন্না থোককি হায়বসি রিট পিটিস্নর অমসুং মাগী কাওন্সিলনা মতম চানা খঙই হায়না রেস্পোন্দেন্তশিংগী লেপ্লিবা কাওন্সিলনা থম্লকখিবা ৱাফমদু ঐখোয়নসু য়ানিংই।

দিসক্কালিফিকেসনগী কেসশিংগী হিয়ারিং ঙনখৎহনবদু খঙলবসু, রিট পিটিস্নর অমসুং মাগী কাওন্সিলনা ট্রাইব্যুনেলদুগী মমাংদা লেপ্তনবা লাওহনবা লেপখি অমসুং মদুগী মতুং ইন্না, স্পিকরনা মখোয় য়াওদনা দিসক্কালিফিকেসনগী কেসশিং অদু তারগা লোইশিনখি।

(৪৬) মথক্কী ফেকশিং অসি য়েংলগা, মাগী মায়োক্তা থারকপা দিসক্কালিফিকেসনগী কেসাং অদুদা মশা ঙাকথোকচনবা পীবা য়াবা মতিক চাবা খুদোংচাবশিং পীখ্রে হায়বসি ঐখোয়না য়ারে অমসুং হৌজিক শীংনরক্লিবা ওর্দর অদু নেচরেল জজতিসকী প্রিন্সিপলশিং খোঙ্গাওনরগা তাখিবনি হায়না মহাক্কী মহুৎশিন্না থম্লকখিবা ৱাফমশিং অদু ঐখোয়না য়াবা ঙম্লোই।

(৪৭) রিট পিটিস্নরনা আই এন সিগী মেম্বর ওইবা মশানা য়াজনা তোক্লগা বি জে পি দা য়াওখ্রে হায়না লৌহনবা য়াবগী য়েৎনদবা মচাক ময়াম অমা লৈবগী মতাংদা মথক্তা পনখ্রবা ঐখোয়গী ফাইনদিংশিং অসি য়েংলগা অমসুং তাং ১৮-০৬-২০২০ দা দিসক্কালিফিকেসনগী কেসশিংগী হিয়ারিংগী মতাংদা থোকপা নোটিস পীখিবা/ফংহনখিবা য়াওনা দিসক্কালিফিকেসনগী কেসশিং অদুদা রিট পিটিস্নরদা মশাবু ঙাকথোচনবগী পীবা য়াবা মতিক চাবা খুদোংচাবদু পীখিবদুসু য়েংলগা, হৌজিক শীংনরক্লিবা দিসক্কালিফিকেসনগী ওর্দর অদু তাবা মতমদা, পিটিস্নরগী কাওন্সিলনা থম্লকপা অদুগুন্না, স্পিকরগী থৌওংদা লাল্লে খঙনা লান্না তৌশিনখি হায়বগী শিরিবা মরালশিং অদু চুম্মী লৌননবা মতিক চাবা চৎনবা য়াবা গ্রাওন্দ অমত্তং লৈতে হায়না ঐখোয়না থম্লে। রিট পিটিস্নরগী লেপ্লিবা লর্নেদ সিনিয়র কাওন্সিলনা মানা থম্লিবা ৱাফমশিং অদু শৌগৎলদুনা পল্লিবা ইকাই খুম্নবগী মশক ওইরিবা এপেক্স কোর্টকী দিসিজনশিং অদু হুজিক চথরিবা কেস অসিগী ফেকশিং অমসুং লৈরিবা ফিভমশিং অসিদা পানশিনবা য়াদে হায়নসু ঐখোয়না থম্লে।

(৪৮) দিসক্কালিফিকেসনগী কেসশিংগা মরি লৈননা থাজিল্লকখিবা প্লিদিংশিং, পাউ-চেগী রিপোর্টশিং, ফোতোগ্রাফশিং অমসুং দি ভি দি শিং লোইনমক কুপ্না য়েংশিল্লবা মতুং, হৌজিক শীংনরক্লিবা দিসক্কালিফিকেসনগী ওর্দর অদু স্পিকরনা তাখি হায়বা ইচম চম্বা মরমগী রিট পিটিস্নরগী মাইকৈদা লেপ্লিবা লর্নেদ সিনিয়র কাওন্সিলনা থাঙ্গৎলকপা খঙন-খঙনা লান্না তৌশিল্লি হায়বগী গ্রাওন্দশিং অদুসু ঐখোয়না হায়বা ঙমদে। হৌজিক শীংনরক্লিবা দিসক্কালিফিকেসনগী হায়রিবা ওর্দর অদু তাবা মতমদা, রিট পিটিস্নরনা বি জে পিনা শিনবা ওকপগী থৌরমদা শরুক

য়াবা অমসুং বি জে পিগী লুচিংবশিংনা তরাম্না ওকপগী উৎপা প্রিন্ট অমসুং ইলেক্ট্রোনিক মেদিয়া ময়াম্না অমগা ফোংখিবা পাউগী রিপোর্টশিংদা স্পিকরনা মপুং ওইনা য়ুম্ফম ওইখি। রিট পিটিস্নরনা হায়রিবা পাউ-চেশিংদু লৈ হায়বা অমসুং অচুম্বনি হায়বদু য়াখিদবা তৌখিদে অমসুং মদুদা য়াওরিবা রিপোর্টশিং অদুসু য়াদবা তৌখিদে। মদুগী মতুং  ইন্না, রিট পিটিস্নরনা ইন্দিয়ান নেস্নেল কংগ্রেস পার্টিগী মেম্বর ওইবদু মশানা য়াজনা তোকচখ্রে হায়না স্পিকরনা চুম্না লৌজবনি, অমসুং ঐখোয়নসু অসুম্না থল্লে মদুদি মথক্তসু পনখ্রবা ইকাই খুম্নবগী মশক ওইরিবা সুপ্রিম কোর্টনা থমখিবা লো অদু য়েংলগা, রিট পিটিস্নরগী থৌওংদুদা য়ুম্ফম ওইরগা স্পিকরনা অচুম্বা লৌজবদা মাগী থৌওংদা অরানবা লৈতে। চথরিবা কেস অসিগী ফেকশিং অমসুং লৈরিবা ফিভমশিং অসিদা, রিট পিটিস্নরগী থৌওংনা মহাক্না  ইন্দিয়ান নেস্নেল কংগ্রেস পার্টিগী মেম্বর ওইবদু মশানা য়াজনা তোকচরে হায়বদু শেংনা তাকচবদৌনা ঐখোয়না উরে, অমসুং মদুগী মতুং ইন্না, লাল্লে খঙন-খঙনা লান্না তৌশিল্লি হায়বগী গ্রাওন্দা হুজিক শিংনরক্লিবা দিসক্বালিফিকেসনগী ওর্দর অদুদা খুৎ থিংজিনবদু ঐখোয়না য়াদ্রে।

(৪৯)  হুজিক শিংনরক্লিবা দিসক্বালিফিকেসনগী ওর্দর অদু তাবা মতমদা কন্সটিট্যুসনগী ওইবা নিয়ম নিতিশিং খোঙ্গাওনখি হায়ব গী মতাংদা  থল্লকপা ৱাফমশিং অদুগী মতাংদদি, মসি খঙজিনবা তাই মদুদি দব্লিউ পি সি নম্বর ২৯৮ ওফ ২০২০ দা কোর্ট অসিনা তাং ১৮-০৬-২০২০ দা তাখিবা মরক্কী ওর্দর অদু ইল্লদুনা, হায়রিবা রিট পিটিসন ফাইল তৌখিবা পিটিস্নর অদুগী মতাংদদি স্পিকরনা দিসক্বালিফিকেসনগী কেস অদুদা ওর্দরদু লাওথোকখিদে। মদুগী মতুং ইন্না, স্পিকরনা দব্লিউ পি সি নম্বর ২৯৮ ওফ ২০২০ দা কোর্ট অসিনা তাং ২৮-০৬-২০২০ দা তাখিবা মরক্কী ওর্দর অদু নাথৈদুনাথল্লগা দিসক্বালিফিকেসনগী কেসশিং অদুদা ওর্দর অদুলাওথোকখি হায়বদুদি চুমদে। মথক্তা হায়খিবসি য়েংলগা, হৌজিক শীংনরক্লিবা দিসক্বালিফিকেসনগী ওর্দর অদু তাখিবা মতমদা কন্সটিট্যুসনগী ওর্দর অদু তাখিবা মতমদা কন্সটিট্যুসনগী নিয়ম নিতি খোঙ্গাওনখিবা য়াওদে।

(৫০)  পাউ-চেশিংদু লৈ অমসুং অচুম্বনি হায়বদু রিট পিটিস্নরনা য়াদবা তৌদবনা অমসুং, মহাক্না ইন্দিয়ান নেস্নেল কংগ্রেস পার্টিগী মেম্বর ওইবদু মশানা য়াজনা তোক্লগা বি জে পি দা য়াওরকপদা (রিট পিটিস্নরনা) বিজে পিনা শিনবা ওকপগী থৌরমদা শরুক য়াই অমসুং বি জে পিগী লুচিংবাশীংনা তরাম্না ওকখি হায়বগী মতাংদা পাউ-চেশিংদা ফোংলকখিবা রিপোর্টশিং অদু য়াজদবসু তৌদবনা, পাউ-চেশিং অদুদা য়াওরিবা রিপোর্টশিংদু ইবিদেন্স ওইনা শিজিন্নবা য়াবগী মতাংদা লাকপা ৱাফম অদু মদুগী মরিলৈনবা অদু মাংখ্রবগুম্বনি। মদুগী মতুং  ইন্না, ঐখোয়না অসুম্না  থল্লে মদুদি পিটিস্নরগী

মাইকৈদা লেপ্লিবা লর্নেদ সিনিয়র কাওন্সিলনা পল্লকখিবা ইকাই  খুম্নবগী মশক ওইরিবা এপেক্স কোর্টকী জজমেন্ত অদু চত্থরিবা কেস অসিগী ফেকশিং অমসুং লৈরিবা ফিভমশিং অসি পামশিনবা য়াদে।

(৫১) চত্থরিবা কেস অসিগী ফেকশিং অমসুং লৈরিবা ফিভমশিং অদু পুন্না য়েংলগা, ঐখোয়না অসুম্না থল্লে মদুদি রিট পিটিস্নরনা য়াজদবসু তৌদবা মাগী থৌওংদু কুপ্পা য়েংলগা স্পিকরনা হৌজিক শীংনরক্লিবা ওর্দর অদু চুম্না তাখি।

(৫২) হৌজিক চত্থরক্লিবা খন্ন-নৈনরক্লিবা ৱাফম অমসুং ফাইনদিংশিং অদু য়েংলগা, ঐখোয়না অসুম্না থল্লে মদুদি স্পিকরগী ওর্দরশিং অদু ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসনগী তরাশুবা সেদ্যুলগী প্রোভিজনশিংগী মতুং ইন্না তাবনি অমসুং ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ২২৬ কী মখাদা জুদিসিএল রিভ্যু তৌবগী শক্তী অদু শিজিন্নরগা কোর্ট অসিনা খুৎ থিংজিনবগী মথৌ তাদে।

মরম অদুনা রিট পিটিসন অসি মাই পাকপা ওইদ্রে অমসুং মদুগী মতুং ইন্না ককথৎলে।

কেস থিবগী মতাংদদি ওর্দর অমত্তা তাররোই।

*জজ* *জজ*